# A PROPOSAL

*(Under the Scheme for "Safeguarding the Intangible Cultural Heritage and Diverse Cultural Traditions of India" (ICH), Ministry of Culture Govt. of India*

| | | |
|---|---|---|
| 1. Project title | : | The Secrets of Rites & Rituals and Its treatment in Traditional Meitei Culture. |
| 2. Name of Applicant | : | Biramangol Moirangthem |
| 3. Address | : | Kakching Turel Wangma, Ningthou Pareng, Ward No. 4, P.O. & P.S. Kakching , Thoubal District, Manipur-795103 |
| 4. Mode of Study | : | Through Research Documentation |
| 5. Language of Study | : | Manipuri Language mixing with English |
| 6. Duration of Study | : | 15 months, say 1 year and 3 months. |

7. **Synopsis of the Project :**

Culture and literature are the two faces of a nation, which reflects true picture of the nation with its identity. Each and every ethnic group inhabited in the world, have their own faiths and believes. Under the enfluence of these faiths and believes enrapported to the existence of the world of culture.

The present day Manipuri culture,seen by the people is totally mixed up with those of Hinduism on religious ground. The real face is in the shadowy past. So, without a look back it would not be possible for us to get a coorect picture of the prestine purity of cultural virtues of our ancients and make headway towards rejuvination and preservation of the world of Meitei culture. Fortunately for Manipur her forefathers had their own cultural heritage.

The reality of Meitei Culture lies in the delves of rites and rituals practiced by our forefathers, so called Meitei Kurus (Gurus) of the ancients. At the very begining, rites and rituals were recited as prayer before the Sacred Groves Diety for the development of the surrounding inhabitants to get a better livelyhood even though, the words embodied with beautiful secret meanings.

The Meitei rites and rituals include with a high embolus philosophical meanings. The Maibas or Pandits recited rites before the God and Goddess handing with a Sharik (small bell) in hand with offerings to satisfy by the God and Goddess. It is used in different ways, say for treatment of physical illness, development of living of the inhabitants. With the rhythmic eloquence, abhinayas etc. Above all, it has undisturb link with the history of meitei community.

The words recited by our ancient Kurus cannot know by the so called modern people. The language they used is treated to be old language. For example, on the closing day of Lai Haraoba (Sacred Groves Diety Festival) a song was sung by the Maiba called 'Ougree.' The song is treated as rites, which bears beautiful meaning. The very song is believed to be one of the 1st poems in Manipuri literature.

"হোইরৌ হয়া হোইরৌ হৈয়া
হৈয়া সোই হৈয়া সোই
হিঙসোই হিঙসোই
হুপ হে হুপ হে
হুপ হে হুপ হে।"

হোইরৌ means Father, হৈয়া means Mother, হিঙসোই means child, হুপ হে হুপ হে means production of children by the father and mother for making mundane world.

In olden days Manipur was called 'Chakpa Langba ; Muwapalli and Wangam Tanthong Mayeng Kuiba Lemthong Maphipakpa. After that it was called 'Poirei Meitei' according to book 'Shoubon Yairenbi ; It is on record that meitei rites and rituals were used, even before Christ.

Manipuri culture is highly related with sacred groves Diety Festival called UMANG LAI HARAOBA in Manipuri language. It is known from the old traditions that there are different styles and kinds of dances. Among them, Khamba-Thoibi dance, Maibi dance and Laiching Dance etc. these styles and kinds are derived from the sacred groves Deity Festival. The wellknown Manipuri Ras Dance is believed to be derived from Laibou Jagoi of Sacred Groves Deity Festival. The Ras Dance is a combination of two styles, viz,Laibou Dance and Ras Dance of early vaishnavites. The present form is formed to suit to the artistic soil of Manipur.

During the reign of king Kiyamba (1467-1508) vaishnavism entered in to this land. At that time meitei traditional style was normal. And during the reign of Maharaja Garibniwas (1709-1508), one religious learned person called 'Shantadas' came to Manipur (1716 A. D.) from Shrihatta, who preached 'Ramandi cult' to the Maharaja and Maharaja to the people. After that, the real traditional style of meitei culture began to mixup with the new one.

Taking advantage of the new religion, the Maharaja ordered to break down the old traditional Sacred Shrines of Umang Lai, and started the work from 1723 A. D. September,and thus the real face of the Meitei rites and rituals along with secrets and its beauties lost in the shadowy past, have the need to be brought back to save its cultural heritage.

**Aims and Objectives of the Project:**

The main objective of the project is to safeguard the real face of rites and rituals of Manipuri or Meitei through reseach documentation and to bring out a written document for future generation to come and to save its cultural heritage.

***The most important aspect of the project is that the present living experts who are practicing it, are 98% illiterate. They practice it through by heart, not from written documents. During their lifetime of some of subject experts recordings and documentations***

***are highly necessary in order to safegaurd the old cultural traditions. And, mostly the experts are resided at far off remote villages who are practiced the real languages and real forms.***

**Mode of study(or Implementation of the Project) :**

The project will be implemented through research documentation on the given topic. The following programmes or order will be taken up.

**1st phase**

i) Meeting and interview with still living subject experts and recordings thereof.

ii) Group discussions and holding of Syposiums inviting subject experts at their own villages

iii) Individual interviews with subject experts.

iv) Organisation of open Demonstration programme s for 7 days at Kakching

v) Taking photographs of the Sacred Groves of Meitei Deity of Manipur.

**2nd phase**

Writting of illustrations on the documents available

**Chapters to be described**

1st Chapter - A breif accounts on the sacred Grove Deities of Manipur

2nd Chapter - Historical backgrounds of Rites & Rituals and its Importance in early Meitei Society.

3rd Chapter - Indian Customary rites and rituals of the Vedas with its mixing style to Metei culture.

4th Chapter - Cultural value incorporated with the Meitei rites and rituals

5th Chapter - The treatment of rites and rituals in Manipuri Culture in particular and Indian Culture in general.

6th Chapter - Conclusion

**Duration of Study** : 15 months, Say, 1, 3 (one year 3 monts)
( 6 months programming - 6 months Writing)
3 months taking Approval and printing and publiication of the Research document.

File No.
Date

Shri Bimil (ICH)
12.10.18

ꯃꯩꯇꯩ ꯂꯥꯏꯁꯣꯜ ꯇꯤꯟꯁꯣꯜꯒꯤ ꯑꯊꯨꯞꯄ

# The Secrets of Meitei Rites and Rituals

মৈতৈ লাইশোল - তিনশোলগী অথুপ্পা

# FINAL REPORT

*Submitted to:-*

The Secretary,
Sangeet Natak Akademi,
New Delhi

ꯕꯤꯔꯃꯉ꯭ꯒꯣꯜ ꯃꯣꯏꯔꯥꯡꯊꯦꯝ
BIRAMANGOL MOIRANGTHEM

I sincerely extend my humble thankfullness towards the Secretary, responsible officers and staff members of the Sangeet Natak Akademi, New Delhi, Ministry of Culture, Govt. of India, for the assignment granted to me in the field

of

'the Secrets of Meitei Rites & Rituals.'

under the Scheme for Safeguarding the Intangible Cultural Heritage and Diversity Cultural Traditions of India.



*Dedicated*
*to the lotus feet of*
*Naorem Amuyaima Singh,*
*Pandit Achouba*
*Sana Konung*
**(1895-1991)**

ꯃꯩꯇꯩ ꯂꯥꯢꯁꯣꯜ ꯇꯤꯟꯁꯣꯜꯒꯤ ꯑꯊꯨꯞꯄ

# The Secrets of Meitei Rites and Rituals

মৈতৈ লাইশোল - তিনশোলগী অথুপ্পা


# FINAL REPORT

*Submitted to:*

The Secretary,
Sangeet Natak Akademi,
New Delhi


ꯕꯤꯔꯥꯃꯪꯒꯣꯜ ꯃꯣꯢꯔꯥꯡꯊꯦꯝ

**BIRAMANGOL MOIRANGTHEM**



নাওরেম অমুয়াইমা সিংহনা লুচিংদুনা ককচিং খল্লাংবগী ফিজেৎ- লৈতেং তৌবগী ফোটো
১৯৮৩দা ইপু অমুয়াইমনা নম্মু হায়দুনা নমখিবা ।
য়াওরিবশিং: ওইরোমদগী- ১। নাওরেম অমুয়াইমা সিংহ
২। ময়াংলম্বম বাবুধন সিংহ, খুল্লেন ইবুধৌ খল্লাংবগী লাইশঙবা
৩। নাওরেম ইবুধৌ নাওল লাইগী লাইশঙবা



ইং কুমজা ১৯৮০গী অদুব্রাইদা ককচিং নিংথৌ লৈকাইদা লৈবা
ইথক নিংথৌগী লাইশঙদা ইপুগা লোয়ননা নম্মিন্নখিবা ময়েক কয়া শেংদবা ফোটো ।

# য়াওফম তাকপা:


| | মমিং | য়াওফম লামায় |
|---|---|---|
| ১। | কচ্চবা, অইবগা লোয়নরকপা ওজাশিংগী মমিং | |
| ২। | মণিপুরগী মায়চৌ তরেৎকী মমিং অমসুং ফোটো খরা | |
| ৩। | চেকশিন ৱা | |
| ৪। | ৱারী - ৱাতাই | ১-৩ |
| ৫। | ইপুনা ৱাচেৎলান্দা ইবীরি | ৩- ৪ |
| ৬। | ওজা খুমুকচম নরান সিংহ, ৱাইখোং | ৪ |
| ৭। | তরেং লৈবী ( আকর্শন ) | ৫ |
| ৮। | হকচাং কায়াৎশিংগী মমিং | ৬ |
| ৯। | কোক অমসুং থোপকী মরমদা | ৭ |
| ১০। | মীৎকী মরমদা | ৭ |
| ১১। | নুঙনা মী ওনবা ৱা অমসুং লোক্তাক ঈশিং | ৮ |
| ১২। | অথুপ্পা ৱা ( নুপা - নুপীগী ) | ৯ |
| ১৩। | ৱাচেৎলোন্দা | ৯-১১ |
| ১৪। | তৌহৈতবা,হায়হৈতবা | ১১ |
| ১৫। | মৈতৈলোন্দা মপান লোনগী চৈথেং | ১২ |
| ১৬। | মণিপুর করম্না কৌখিবা | ১৩ |
| ১৭। | মৈতৈ ৱারীশিংদা চক | ১৪ |
| ১৮। | মৈতৈ লাইনিং লাইশোলগী হৌরকফম | ১৫ |
| ১৯। | লাই হরাওবদা ঈকৌবা | ১৭ |
| ২০। | ৱাংব্রেন ফম্বাল খাবা পুয়া | ২২ |
| ২১। | ঈরাৎ- থৌনিগী মরমদা | ২৫ |
| ২২। | উ- ৱা, নাপী শিংবী মথৱায় পাল্লি | ২৮ |
| ২৩। | ঔগ্রী শক্তম অমা | ৩০ |
| ২৪। | ৱাচেৎলোননা করি হায়রি | ৩১ |
| ২৫। | ঈশ্বরবু থাজবা | ৩১ |
| ২৬। | মীওইবগী হকচাংবু শাগৎলিবা | ৩২ |
| ২৭। | ঈরাৎ থৌনিগী মতাংদা | ৩৩ |
| ২৮। | লাইদা মীদা অনম অহা লৈ হায়বা খঙনবা | ৩৮ |
| ২৯। | সনামহি পুজা | ৩৯ |
| ৩০। | লয়মরেল খুরুম্নবা | ৪১ |
| ৩১। | মাঙওইননা হায়বা ৱাফমশিং | ৪২ |
| ৩২। | তেংপানবা মপু ইবুংঙো খুরুম্নবা | ৪৩ |
| ৩৩। | ইমোইনু হৌদোকপগী লাইৱা | ৪৪ |
| ৩৪। | সনামহি লাইমিং | ৪৪ |
| ৩৫। | মৈ ঈরাৎ থৌনিগী মতাংদা | ৪৫ |
| ৩৬। | নুপা,নুপী লুহোংবা | ৪৫ |
| ৩৭। | লুহোংলবা,লুহোংলবী নুপা নুপীদা থৌজাল লাইৱা | ৪৬ |

| | | |
|---|---|---|
| ৩৮। | মৈতৈ সিকুল্লোন | ৪৬ |
| ৩৯। | নোংকারোল মিংখৈ | ৪৭ |
| ৪০। | মপান লৈকা য়াথোকশঙ | ৪৭ |
| ৪১। | সুমাং হৈকৎ থৌনিরোল | ৪৮ |
| ৪২। | চয়োল অমগী নুমিৎ তরেৎনিগী মরমদা | ৪৮ |
| ৪৩। | থাঙলোন | ৪৯ |
| ৪৪। | করিগুম্বা থবক শু চৎপদা তেকপা নাবদা | ৪৯ |
| ৪৫। | হুরানবা চঙলবদি | ৫০ |
| ৪৬। | থোংজাও মাইবা | ৫০-৫১ |
| ৪৭। | পোৎশেম লৌথোক্লবা, মিকৌরোল | ৫১ |
| ৪৮। | ভুত প্রেত, যাদু চঙদনবা | ৫৩ |
| ৪৯। | থাঙ,তা চঙদনবা | ৫৩ |
| ৫০। | নুপী ফানবা লাইব্রা | ৫৪- ৫৫ |
| ৫১। | মন্ত্রদা বঙ্গালি লোন | ৫৬ |
| ৫২। | মীনা পায়বা খুৎলাই তাহনবা | ৫৭ |
| ৫৩। | অনা-অয়েক মতমদা | ৫৮ |
| ৫৪। | মী মাঙহন্নবা লাইব্রা | ৫৯ |
| ৫৫। | মৈ কৌনবা | ৫৯ |
| ৫৬। | নুপীনা য়ানবা | ৬০ |
| ৫৭। | মঙদা নুপীনা য়াগনি য়ারোই য়েংনবা | ৬০ |
| ৫৮। | মী শুন্দাৎনবা | ৬২ |
| ৫৯। | অনাবগী লাই-তিন য়েংবা | ৬২ |
| ৬০। | পুক্লিং তেন কাপ্পা | ৬২ |
| ৬১। | লাইহন্নি হায়বা | ৬৪ |
| ৬২। | সনামহি থৌজাল ফংনবা | ৬৪ |
| ৬৩। | থোঙারেল তান্নবা | ৬৫ |
| ৬৪। | মিহুন ফাথনবা | ৬৫ |
| ৬৫। | মী চৎথোকখিদনবা | ৬৬ |
| ৬৬। | মিকৌরোল | ৬৬ |
| ৬৭। | থোঙাক অশিথেল | ৬৭ |
| ৬৮। | ইমা লৈবাক খুরুম্বগী | ৬৭ |
| ৬৯। | থাংজিং খুরুম্বগী | ৬৮ |
| ৭০। | হেলোই খুরুম্বগী | ৬৯ |
| ৭১। | লৈমরেল খুরুম্বগী | ৭০ |
| ৭২। | পণ্ডিত নাওরেম অমুয়াইমা | ৭২ |
| ৭৩। | সনামহি, লৈমরেল ঙাওরবদা | ৭৩-৭৪ |
| ৭৪। | তিনমু লাইমু খায়দোক্লবা | ৭৪ |
| ৭৫। | নৈনবা অমদি ব্রারোইশিন | ৭৫-৮৩ |

" The Meithei or Manipuri people, living in the state of Manipur in the Indian Union,are quite small- one could say insignificant-numerically... But they are a great people when we consider the culture which they have built up in the valley of Manipur and the literature which Manipuries have given to India and the world in thier own language, the beginings of which unquestionably go back to some 1500 to 2000 years. But the people who do not understand the history,culture and atmosphere of Manipur and who have no knowledge of the great things which one can find in Manipuri literature erroneously consider Manipuri to be one of the backward languages of the Adivasi or primitive peoples of India. But even any superficial knowledge of the language and its literature would convince anyone of the great value of the literature in the Meithei or Manipuri language. This literature is in the forefront of the advanced literatures spoken by millions of people in the Indian Union and it has some special quality and character of its own."

Dr. Suniti Kumar Chatterjee, March 1. 1976.-
Introduction to 'Khamba Thoibi'
by N. Tombi Singh"

***Gurus accompanied***
***from the last 35 years before the Project***



(L) Naorem Amuyaima Singh,
Pandit Achouba, Sana Konung



(L) Nongmaithem Manaoyaima Singh,
Old Manipuri Literature Guru,
( Gabeshana Bhusan- Manipuri Sahitya Parishad,Imphal)

(L) Sandamani Singh, Khunnung Maiba, Kakching
(L) Naorem Narhari Singh, Asst Teacher, Maiba
(L) Chatur Singh, Khunnung Maiba Kakching
(L) Ksh. Kumuda Singh, Khunnung Maiba, Kakching
(L) M. Dhabal Singh, Khunnung Maiba
(L) Kh. Naran Singh, Strologer, Waikhong



(L) Yengkhom Tomei Singh, Kakching Mayai Leikai >>>
Nata Bhusan

*Present*



Meidingu Tonjao, Wangjing



Moirangthem Ningthemjao Singh, Vedanta Scholar

# মণিপুরগী মায়চৌ ৭ ( তরেৎ )
## (Seven Spiritual Leaders of Manipur)



**মায়চৌ লৌরেম্বম খোংনাংথাবা**

পোকপা: শকাব্দ ১২৭৫, লমতাগী ১২নি পানবা, নোংমাইজিং

মফম: লৌরেম্বম

শিবা: শকাব্দ ১৭৪৯ ইঙাগী ২৯নি পানবা, নোংমাইজিং



**কোনোক থেঙ্গ্বা**

পোকপা: শকাব্দ ১২৭৫ ইঙাগী ৫নি পানবা থাংজ

মফম: লৌরেম্বম

শিবা: শকাব্দ ১৭৪৯ ইঙাগী ২৯ নি পানবা, নোংমাইজিং



**মায়চৌ শমুরৌ চিগোং**

পোকপা: শকাব্দ ১২৭৯, ৱাকচিংগী ৫নি পানবা, ইরাই ।

মফম: শামুরৌ

শিবা: শকাব্দ ১৭৮৯, ইঙাগী ২৯ নি পানবা, নোংমাইজিং

**মায়চৌ দেবীপী, মায়চেং খারম থাদোইগী ফোটো ফংবা ঙমদে ।**

**১। মায়চৌ দেবীপা:** পোকপা: শকাব্দ ১২৭৭, মেরাগী ৫নি পানবা লৈবাকপোকপা: মফম: থোংঙাখুল ( হাওবা ) শিবা: শকাব্দ ১৭৪৯, ইঙাগী ২৯ নি পানবা, নোংমাইজিং ।

**২। মায়চৌ খারম থাদোই:** পোকপা: খারম, শকাব্দ ১২৭৭, হিয়াঙ্গৈগী ২নি পানবা নিংথৌকাবা, শিবা: শকাব্দ ১৭৪৯, ইঙাগী ২৯নি পানবা, নোংমাইজিং



**মায়চৌ লাংগোল লুখোই**

পোকপা: শকাব্দ ১২৭৭, মেরাগী ২নি পানবা, শগোলশেল

মফম: খাইদেম খুন

শিবা: শকাব্দ ১৭৪৯, ইঙাগী ২৯ নি পানবা, নোংমাইজিং



**মায়চৌ মোইরাং ললহানবা:**

পোকপা: শকাব্দ ১২৭৭, হিয়াঙ্গৈগী ৩০নি পানবা, য়ুমশকৈশ

মফম: মোইরাং

শিবা: শকাব্দ ১৭৪৯, ইঙাগী ২৯নি পানবা নোংমাইজিং

*লৌথোকফম: মণিপুরগী মায়চৌ ৭ ( পুয়া ),*
*এ.কে.থিরেন মৈতৈ ( ২০১২ ইংদা ফোঙবা)*

**Warning:**

*The contents of this book, please do not try, if [illegible] try it, no expected results can find except loss of your character. This is only for cultural evidence, not for practice in this mundane world.*

# ꯃꯩꯇꯩ ꯂꯥꯏꯁꯣꯜ ꯇꯤꯟꯁꯣꯜꯒꯤ ꯑꯊꯨꯞꯄꯥ

# The Secrets of Meitei Rites and Rituals

## ( মৈতৈ লাইশোল - তিনশোলগী অথুপ্পা )

" The Meithei or Manipuri people,living in the state of Manipur in the Indian Union,are quite small- one could say insignificant-numerically... But they are a great people when we consider the culture which they have built up in the valley of Manipur and the literature which Manipuries have given to India and the world in thier own language, the beginings of which unquestionably go back to some 1500 to 2000 years. But the people who do not understand the history,culture and atmosphere of Manipur and who have no knowledge of the great things which one can find in Manipuri literature erroneously consider Manipuri to be one of the backward languages of the Adivasi or primitive peoples of India. But even any superficial knowledge of the language and its literature would convince anyone of the great value of the literature in the Meithei or Manipuri language. This literature is in the forefront of the advanced literatures spoken by millions of people in the Indian Union and it has some special quality and character of its own."

Dr. Suniti Kumar Chatterjee, March 1. 1976."

" With a script of her own Manipuri literature flourished and bloomed in the full health of existence in the hands of Manipuries old who though a war-like nation were devoutedly spiritualitic."

Sanasam Gourahari Singh
*Secretary,Govt. of Manipur*
( 1.8. 1969 )

**ৱারী- ৱাতাই :**

মৈতৈ জাতিগী চৎনরোল মখাদা লাই খুরুম্বা অমদি লাই হারাওবনচিংবা থৌরম কয়াদা শক্লিবা ঈশৈ, লোল্লিবা লাইশোল- তিনশোলশিংগী নুংগী ওইবা ৱাহন্থোক - লৈনুংদা ঈশিংনা লৈবগুম,কোঙ্গ্রেংগী মনুংদা মুক্তা য়াওবগুম, কয়া অমা য়াওরি । হায়রিবা লাইশোল - তিনশোল, লাইরোল - তিল্লোনশিংগী নুংগী ওইবা ৱাহন্থোক খঙবা মীওই মশীং য়ামদে । করিগুম্বদা শক- শোল্লিবা মীওই ফাওবা মনুংগী ওইবা অর্থ খঙদবসু য়াওদবা নত্তে । মমাংদা লৈবীরম্বা মদুবু মুন্না খঙবা মায়চৌশিং অয়াম্বা লাইরল্লেন্দা তিনখ্রে । হৌজিক্কী মতমদা মদুং থিৎনা অর্থ খঙবা মীওই লৈতবদি নত্তে । অদুবু মশীং খরা হৈন্থে । থায়নগী লৈরম্লিবা মওংশিং অসি পাউখোঙ ওইনা তৌবা ময়াম অমসু য়াওদবা নত্তে । ইজরিবা ঐহাক ইশা ফাওবা খঙলিবসিনা কদায় ফাওবা চুল্লিবগে হায়বা কুপ্পা থিজিনবা চংলি ।

হৌজিক ঐখোয়গী মাঙদা তারিবা ৱাফমদি - হোংবা নাইদনা শিজিন্নরিবা পোৎশক অমবু মশক খঙদনা অসুম মখা তানা শিজিন্নবা কদায় ফাওবা চুল্লিবগে হায়বদু নৈনবগী মরম চাগনি খঞ্জে । অসুম্না খঙদ- খঙদনা লাকখিবা মীরোল কয়া হৌখ্রে । হৌজিকসু অদুম্মক খঙদনা চৎথিগদৌরি । ৱাফম অসিদা ঐখোয়না ফংলিবসি মায়কৈ অনীদনি । অমনা ময়েক তারবা লাইশোল - তিনশোল অমনা চীনহায়দা চৎনরিবা লাইশোল- তিনশোল । অদুবু থেংনরিবদি - মখল খুদিংমক অসি পুরা লিবরবা পোৎশক অদুদি ওইবা ঙমদ্রি মরমদি লাইশোল - তিনশোল

লাইশোল - তিনশোলগী অথুপ্পা হায়বা ৱাফম অসিগী য়াম্না নুংঙাইবা ৱারী অমা নীংশিংজরি । ইপু, নাওরেম অমুয়াইমা সিংহ, পণ্ডিত অচৌবনা লৈখিরোইদৌবা চহী ৩গী মমাংদনি থোকখিবা । ইপু, ঐহাক্কীদা তৎতনা নুমিদাংৱাই খুদিংগী লাকপী । ৱারী কয়ামুক লীবিদুনা ৱাখল- লৌশীং ওইহল্লি । লুর- লুরবা ৱাফম কয়া, ঐহাক্না কয়া তানীংদ্রবসু, মহাক্না হেক্তমক লীবিদুনা তাহল্লি । কান্না- কান্নররগদবা কয়াসু থৌশাদবনা পুক্লিং চংনা তাখিদবা কয়াদো হৌজিক্তদা (মহাক লৈখিদ্রবা মতুংদতা ) য়াম্না পাম্মুরক্লি ।

নোংমা, মমাংগী নুমিৎকী নুংদাংদা নোং ফজনা তাখি । অদুগা নুমিৎ অদুগী নুংথিলদসু নোং ফজনা তাখি । ইপু নোল্লি নোল্লি অহম অহম তৌদুনা থোরকখি নুমিদাংৱাইরমদা । অপাবা কানসফি মচা অমা পায় । মদুগী ফিজিদা পৈসা অচোইবা পুল্লি । নহা ওইরিঙৈ থবক কন্না শুহৈ হায়দনা মাঙগী চৌকিদা ফমথৈ । ঐনা চা লৌরুনবা অঙাং থাই । চা থকপা লোইরবা মতুংদা মহাক হৌগৎলি । ঐহাক্না হায়জে, ঙাইহাক ফন্দ্রীরবসু য়ারি, নুমিৎ তাপ্রবসু মন্বদি ওইদ্রি । ইপুনা হায়রকই: ঙাখা অতেকপা খরা লৈরুগে তৌবনি । ঐহাক্না হায়জে, অদুগী ওইরবদি ইপু, অঙাং লৈহল্লুরবসু য়াবদুদা । ইপুনা খুল্লকই, মহাক অদুম লৈজরুরগে হায়না । ঐহাক্না মখা তানা ঐখোয় লৈরুগে ইপু নুংঙাইনা পোথাবীরম্মু। মদুদা ইপুনা পাখোঙ অমা ফোঙবীরকখি । লাইৱা- তিনৱাগী অথুপ্পা ।

ইপুনা তাকপী- নখোয়না খঙদ্রে, ঐ হেক্তা হায়রগে । ঐনা, ঐ ইশানা লৈজরুগে হায়বদি- ঐনা ঙাখা লৈবা চৎপা মতমদা, পোৎলক্তা মৌনহানচিংবা নুপী ময়াম অমা পোৎ লৈগদবগী কৃক কৃক ইন্নরমগনি । মরক্তুদা ঐঙোন্দা ইপু, অপোংপা, ইপল, নুপী ময়াম অমনা কৌরক্কনি । কনাগুম্বী খরনা মখোয়না য়োল্লিবা পোৎ খরা খরা পীরক্কনি, নুংশিদা শোনগনি । মীয়াম চৎথোক- চৎশিন্দা ঐঙোন্দা থেংগনি । নুপীশিং অদুনা থেংবা,ঙাবা তৌবদো ৱাখল নুংঙাইহল্লি, পুন্সি শাংদোকহল্লি ( ৱাখল লান্না খনবা নত্রবসু)। ঐনা করিসু তৌরুবা ঙমদবা, য়াদবা ওইরবসু মতা অমগী ৱাখন্দি পুক্লিংদা ময়োল চোংহল্লি । খঙঙব্রা? ঐ ঙাখা লৈরুখিগে অদুগা অমুক লাক্কে, নখোয়সু হয়েং ঐদৌনা অহল ওইরক্কবা মতমদা খঙলক্কনি । হায়রম্লগা অহম..আ.. তৌদুনা চৎখি । মতাং অসিদা ফোঙলি ৱাফম অমগী অথুপ্পা ।

**ইপুনা ৱাচেৎলোন্দা** ইবীরি:

“ নুপাবু নোংপোক কৌএ । নুপীবু পাম্থোইবী কৌএ ।
অমসুং নুপাবু হয় কৌএ । নুপীবু লৈ কৌএ ।
অমসুং নুপাবু শিঙলেন কৌএ । নুপীবু লৈরাং কৌএ ।
নুপীবু লৈরাং কৌএ , অনিমনা পুথোকপা ৱায়েন্নে ।
ৱারম অসি খৈবিকপু খঙলবদি পুন্সিরোল খঙবা কৌএ ।
পোইরৈতোন কৌবদি নুমিৎ থোক্লকপবু কৌএ ।
লাইখুরেম্বী কৌবদি নুমিৎ তাখিববু কৌএ ।
পোইরৈতোন কৌবদি তুম্বা মীকপ থোক্লকপবুসু কৌএ ।
লাইখুরেম্বী কৌবদি তুমথখিববুসু কৌএ ।
শজিক্না নোংদম্বা, রাবানা নোংখাইবা কৌবদি
মীকপ থোক্লকপা নমথি হংনাইববু কৌএ ।
পাম্মু নুংশিবা খৈবিক নিংশিংহনবা অদুবু কৌএ ।
থাবানা নোংখাইখিয়ে হায়বদি থবা কৌবদি মিৎ অনিমবু কৌএ ।
মিৎ অনি তুমথখিববু নোংখাইখিবা কৌএ ।

অয়াম্বদা বাঙ্গালি লোনগী ঈথিল য়াওদবা পংলে লৈতে ।

মণিপুরী জাতিগী খ্বাইদগী লাইবক ফবা ওইরিবদি মশাগী ওইবা ময়েক লৈজরম্বা, চৎখ্রবা ইপা - ইপুশিংনা থম্মীরম্বা অসিনি । মসিগদিমক মণিপুরীশিংগী মফমদা লাইওইখ্রবা ইপা - ইপুশিংগী ঈংঙল্লরেইদ্রবা লমন তোনশিল্লবনি । লোন লৈরবসু ময়েক লৈত্রবদি অতোপ্পা লোনগী ময়েক শীজিন্নবা তঙাই ফদবা ওইরকই । অদুবু ঐখোয়গী ওইবা লোন ময়েক লৈজরবসু অতোপ্পা লোনগী ঈথিল চাউনা য়াওবা উরি ।

১২ শুবা শতাব্দী অদুৱাইদগী চৎনবা হৌখিবা বঙ্গালি অমসুং অসামি ময়েক্কুগী মৈতৈ ময়েক্না লৈবা হাল্লে হায়বসিদি সহস্কৃতকী মমিং লৈরবা পণ্ডিত কালিদাস নাগ- গী মোতনি । পণ্ডিত অসিগী অহেনবা মোতকী মতুং ইন্নদি ভারত্তা পানখিবা নিংথৌরেল আশোক ( ২৭৩ বি.সি. - ২৩২ বি.সি.) গী মমাঙদগী মৈতৈ ময়েক লৈরক্লে হায়বসিনি । অদুবু, মণিপুরী শক্লাইবা পণ্ডিতশিংনা কালিদাস নাগ- গী মোত অদু মতম খরা ঙনমল্লি হায়না লৌরদুনা ৮শুবা শতাব্দী অদুৱাইদগীতা মৈতৈ ময়েক শিজিন্নবা হৌরক্লে হায়বগী থাজবা পীরি । অদুম ওইনমক মণিপুরী সাহিত্যদি খৃষ্টনা পোক্ত্রিঙৈ মমাঙদগী লৈরক্লে হায়বগী ময়েক লারবা খুদম কয়ামুক লৈবগী ৱাফম লাইরিক খরদা ইবা থেংনৈ ।

ঐখোয়গী হান্না লৈজরম্লবা লাইশোল- তিশোল অমদি লাইরোল- তিলোন্দা সংস্কৃত,হিন্দি,বঙ্গালি লোল য়ানশিনখিবসি মৈত্রবাক্তা পানখিবা নিংথৌ মহারাজ গরিবনিৱাজ ( খৃ: ১৭০৯ - ১৭৪৮ ) গী মতমদগী রমান্দি ধর্ম চৎনবা হৌখিবদগীনি হায়না থাজনরি । গরিবনিৱাজ মহারাজদি খৃ:১৭১৬ কী মমাঙদগী ব্রাহ্মন গঙ্গাধর কৌবা অমদগী সাক্ষ্য ধর্ম লৌখ্রবনি । অদুগা অমুক ১৭১৬ অদুক্তদা শ্রীহট্ট জিলাগী নরসিংহ তিল্লাদগী শান্তদাস কৌবা মীশক অমনা ভগবানদাস,নরায়নদাস হায়না কৌবা মীশক অনীগা লোয়ননা মণিপুরদা রমান্দি ধর্ম শন্দোকপা লাকখিবসি । মদুদগী মহারাজনা পামজনা রমান্দি ধর্ম লৌখিবনি । ৱাফম অসিদগী মৈতৈ লোনগী মনুংদা অতোপ্পা লোনগী ঈথিল চঙলকপা হৌখিবনি হায়না অখণ্ড- অহৈশিংনা মোত পীরি ।

মৈত্রবাক্তা চঙশিল্লকখিবা লোনশিংগী শাফু কয়াগী মতীক কনবগে হায়ববু খৃ: ১৮২৭ তা ডা: উইলিয়ম কেরি, খৃষ্টিয়ান ধর্ম শন্দোকপা মীশক অসিনা " নিউ তেষ্টামেন্ট " বঙ্গালি ময়েক্তা হন্দোক্কুনা ফোঙখিবনা মণিপুরীদা ইহান হানবা লাইরিক ফোঙবা ওইখি হায়রি। মতুংদগীদি বঙ্গালি লোন্না মণিপুরদা মপাল- মরা তানা চাউখৎলকপগা লোয়ননা মৈতৈ ময়েক্কী মপাঙ্গল শোন্থবা হৌখিবনি লৌবা য়াই । অদুম ওইনমক মৈতৈ শক্লাইবা পণ্ডিত কয়ানা পুন্সি কৎথোক্কুনা ময়েক অসিবু চাউখৎনবা হোৎবীখিবা ওজা- গুরুগী মশীং ৱাৎপা লৈখিদে । শীংথাবদা মতীক চারবা ওজা গুরু খরগী মীং পনবা তারবদি- মোইরাংথেম চন্দ্র সিংহ, নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র সিংহ, ঙারিয়ানবম কুলচন্দ্র সিংহ,নাওরেম অমুয়াইমা সিংহ, ওইনাম ভোগেশ্বর সিংহ অমদি রাজকুমার সনাহল সিংহ । ওজাশিং অসি নত্তবা ওজা কয়া অমসু লৈরি । পনজরিবা পণ্ডিতশিং অসিনা অরিবা লোন্দগী অনৌবা লোন্দা বঙ্গলা ময়েক্তা ওন্থোক্কুনা মমল য়াম্লবা লাইরিক, পুয়া কয়া পুথোকপীরমদুনা মীয়ামদা খঙহনবীখি । মণিপুরী জাতিদা ওজাশিং অসিগী লমন চাউনা তোনশিল্লবনি ।

মসিগী মমাংদা মৈতৈ লৈবাক্কী লাইওইরবা মায়চৌ কয়া লৈপ্লে । মখোয়শিং অদুদি- ১। মায়চৌ খোংনাংথাবা, ২। শামুরৌ চিগোং, ৩। কোনোক থেঙ্গ্রা, ৪। লাংগোল লুখোই, ৫। মোইরাং ললহানবা, ৬। দেবীপা ৭। খারম থাদোই । হায়রিবা মায়চৌশিং অসিনা মতম অমগী অমদি হেজিঙ্কী তাংলবা স্কোলারশিংনি ।

লাইরুপ মাপল কৌবদি থোঙ মাপলমবু কৌএ ।
তীল্লুপ মাপল কৌবদি থোং মাপলমবু কৌএ ।
তীল্লুপ মঙা কৌবদি থোং মঙামবু কৌয়ে ।
শিংলীনা পয়া ওইরিবনে, শিলী খৈবিক্কী লুচিংবদি
ইঙ্গনা, পিঙ্গনা, শচুপিঙ্গনা অহুমমনা লুচিংবনে ।
ইঙগনানা নাকোঙ য়েৎতা থাংএ
শচুপিঙ্গনানা নাখাঙদা থাংএ ।
শিংলী য়েৎলমগীনা মৈ পুবনে,
ওইরমগীনা ঈশিং পুবনে,
মায়য়না নুংশিৎ পুবনে,
শিংলী মঙামনা য়েৎকী খুৎফাং মঙামদা থাংএ ।
শিংলী মঙামনা ওইগী খুৎফাং মঙামদা থাংএ ।
শিংলী মঙামনা য়েৎকী খুৎফাং মঙামদা থাংএ ।
শিংলী মঙামনা ওইগী খোঙফাং মঙামদা থাংএ ।
শিংলী খৈবিক্কী লুচিংবদি শিংলী নারি কৌএ,
লিন অথৌবগুম্বা শিংলীনে ।
শিংলী লুচিংবা অহুমম্দি য়েৎকীনা খাখোংনে
ওইগীনা লাইখোংনে, ময়ায়গীনা মরোং খোংনে,
মরোংখোং অদুবু শচুম্বীনা কৌএ ।
মানা ময়, ঈশিং, নোংশিৎ অহুম্মা থোকহল্লে ।
লায়পক্কী পুঙসুং থোকহল্লে, নোংথৌ পুঙশুঙ থোকহল্লে ।
নোংথৌগী পুঙশুং থোকহল্লে ।
ময়,ঈশিং নোংশিকী পুঙসু থোকহল্লে ।
পুঙ মঙামনা মহেনিদ্রপুঙ কৌববু য়োল্লিয়ে ।
মফম অদুদা মতোক লীশীং অমা পানবা অদুনা
বৈকুন্থবু লুদা থোংনা পুরিয়ে ।”

থাইনগী লাইৱা তিনৱা হায়বসি অরিবা মণিপুরী সাহিত্যগী ময়াক কল্লবা হৌরকফম অদুনি । লাইনীং লাইশোল, লাইৱা তিনৱা করিদসু খেন্নবা লৈতে । অনীমক মণিপুরী অরিবা সাহিত্যগী মচাক ঙাক্তনি । চুম্নগী লাইৱা তিনৱানা হেন্না চিনফাদা লৈরম্ববনা মহাক্কী তং তাবা মশক লেপ্পা লুবগী ৱাতনি ।

**ওজা খুমুকচম নরান সিংহ, ৱাইখোং:**

ৱাইখোং ওজা নরান সিংহগীদা নোংমা থবক অমগা চৎচরুই । থবক অদু মী মাংখিবগীনি । য়াম্না তান চাবা হায়গদ্রা, ওজা নরান যূমদা লৈরমদুনা উন্নবা ফংখি । ওজা নরান ঐহাক্কা খঙনবা, লোয়নবা মতম কুইখ্রে । মরম অদুনা মহাক্না ঐহাকপু নীংথিজনা খঙবী । ওজা নরান সিংহ নীংথিজনা লাইরিক হৈবা মীশক অমনি । ইংগ্রেজি নীংথিজনা খঙই । মরম অদুনা মপান লমদগী ইংলিস লোন্দা ইবা লাইরিক কয়ামুক মহাক্কী মফমদা লৈবা থেংনজে ।

ৱারী ৱাতায় ময়াম অমা শান্নরবা মতুংদা ঐহাক্না মঙোন্দা হংবা ৱাহং অমগী পাউখুম্নি মখাদা থমজরিবসি । নুমিৎ অদুদা-

**‘তরেং লৈবী’ (অকর্শন )- মী কৌনবা** লাইৱাগী মতাংদা মহাক্না য়াম্না লাইনা হায়বীরকখি । মন্ত্রদি হায়বীরক্তে । হায়বীরকপা হায়ববু থৌরমসিগী ওইনদি - থোইনা মন্ত্রগী কান্নবা লৈতে । পুক্লিং লুপ্না, ৱাখল চংনা থবক্তু তৌরগা লোইরে । অদুম্না তৌরবদা পাঙথোক্লিবা থবক্কী কান্নবা ফংগনি । মন্ত্র ময়াম অমা থীরবসু, পুক্লিংবু চঙদ্রবদি চৎনরোই । মন্ত্র লৈ, লৈতে খল্লুগনু । ঐনা হায়বসিতমক পুক্লিং চংনা পাঙথোকউ । তৌবতবু থবক অসি মাংখ্রিবা মী অদুগা খ্বাইদগী নক্লবা মীশক অমনা তৌগদবনি, নুপা ওইবা য়াই,নুপী ওইবা য়াই । খ্বাইদগী নক্লবা মীশক হায়রবদি- মীদুগী মমা, মপা: মহাক্কী নুপা নত্রগা নুপী অসিনি ।

( তৌগদবা মওং: মীচিক- মীরাওখোল তাদ্রবা অচিকপা অহিংদা, লাইনিংথৌ সনামহি লাইমাং নীংথিজনা লম তৈথোকও । লাতোন অমা থারো, লাগী মথক্তা আসন অমা থারো, লাইমাংদা ধুপ, থাউমৈ, হৈরুক তাঙ্গা,পানা তাঙ্গা কৎলো । অদুগা লাইমাংদা অশেংবা ফিদা অমা থারো । ফিদাদুদা থবক তৌগদৌরিবা মীশক অদু অঙৌবা অশেংবা ফি অমা ইল্লো, কোক খুমলো । অহানবদা লাইনিংথৌ অমদি লাইরেম্মা খুরুমজদুনা লাই হৌদোক্লো । মঙ্গল পীনবীয়ু হায়না নীজরো । পুক্লিংদা ধ্যান তৌরো । মাংখ্রিবা মীদুগী শক্তম লাকশিল্লো । নাকন্দা থল্লিবা চেং থোইদিং অদু মাংদা থারিবা আসন মথক্তা মাংখ্রিবা মীদুগী মমিং কৌদুনা নং হল্লক্লো হায়দুনা ১০৮ লক থাথৌ । মদু লোইরবা তুংদা লাইনিংথৌ অমদি লয়মরেন্বী খুরুমজৌ । নুমিৎ নীনিগী মনুংদা মীদুগী পাউ লাক্কনি । থবক অসি পাঙথোক্লিঙৈ মনুংদা ইমুংগী মী ৱা ঙাংবনচিংবা লাংবা য়াদে । কনাগুম্বনা কৌরকপা থোক্লবদি খুম্বা য়াদে, থোং হাংবা য়াদে । খঙহৌদবা মীনা থোঙ হাংদুনা মী চঙলক্লবসু, থবক তৌরিবা মীশক অদুদি মহাক্না পাঙথোক্লিবা থবক অদুদগী পুক্লিং, ৱাখল চোইথোক্লবদি ফল ফংদে ।)

অদুঙৈ পাণ্ডপ মঙাগী অর্জুন্না কুবেরগী লৈকোন্দগী সনাগী লৈহাউ হেকখি হায়বা ‘মনবেদিৱায়ুঅস্ত্র’ অদুগা ইমান- মান্নবা অমনি ।

‘ পুক্লিং তেন ’ হায়বসি য়াম্না অর্থ লৈবা অমনি । মীওইবগী ভাব,ৱাখল অসি য়াম্না শেংনা থৱায় য়াওনা খল্লবদি খল্লিবা পম্বুং য়ৌবা ঙম্মী হায়বসি মহাভারতনা শাক্ষি ওইরি । অদুমকপু, মসিনা লোইরে হায়বদুদি য়াদে । মরমদি শ্রীকৃষ্ণনা মখোয়গী পক্ষদা য়াওজরবসু, হিংবগী থেংখাং কয়াদা ইবুংঙো মানা তেংবাঙ পীরবসু, পাণ্ডপ মঙাগী পুন্সি ৱানা অদুম্মক লৈখি । অদুবু মসিনা মায়কৈ অমনি ।

মীওইবগী হকচাংগী কায়াৎ খরগী মরমদা ইপুনা তাকপীরম্মী:
“ কারাংদা লৈবা লাই মচুদি অঙৌবনে ।
ফিজেৎতি হিকোক্লে । খূৎশুদি থোর অশংবনে ।
খূৎ অমদা থন্বাল শুইয়ে । মমিংদি কল তৌবা কৌএ ।
মহাক্তি কাম্লে খঙও । সেঙশৌদা লৈবা লাইদি মচু অশংবনে ।
ফিজেৎতি লিক্লানে । খূৎশুদি কেঙকু শুইএ ।
অমদা লৈহাও পায়এ । মমিংদি কুহিংচি কৌএ । লমখল্লোন্নে খঙও ।
অসি লৈবগী শেঙশৌ কৌএ, সেঙ কারক্তা লৈবা লাইদি মমিংদি
খিং খিং দরৈহিং কৌএ । সেঙগী থোঙদা লৈবা লাইদি মচদি কক্লানে ।
ফিজেৎতি অশংবনে । খূৎশুদি শাজৈ শুইএ । অমদি কেঙকু ( থেঙ্গু) শুইএ ।
মমিংদি নুংকাং মহারাবা কৌএ । অসি লৈবগী হোইরোং কৌএ ।

শিনুংগী হং মরক্তা লৈবা লাইদি মচু অঙাংবনে লিক্লানে ।
খূৎশুদি থন্নাল শুইএ মমিংদি কাংবিরেল লিঙ্গ মরুপ কৌএ ।
শিংলি হ,র,স কৌবনে তিতোন্দা থাংবনে ।
তিদা লৈবা লাইদি মুদি অমুবনে । ফিজেৎিত অঙাংবনে ।
চাকচাদি তন্ফা মনিক চায়এ । মমিংদি চী কীং হিং সং কৌয়ে ।
অসি লৈবগী তি কৌএ । মমিং উইতেনব কৌএ ।
শিংলী হ,র,স কৌবদা থাংএ । লুম য়েৎতা লৈবা লাইদি ৱাহোংগী মশক্নে ।
মচুদি অশংবনে । ফিজেৎতি হিকোক্লে । মমিংদি মীহিংসং কৌএ ।
চাকচাদি হয়রী চায়এ । অসি লৈবগী তুরুম কৌবনে ।
ঈশিং য়াফমদা লৈবা লাইগী মমিংদি বীসিন কাউবী কৌএ ।
মুদি হিকোক্লে । ফিজেৎতি অশংবনে । খূৎশুদি থোরোনে ।
লিম্ন থাংশেৎনএ । অসি লৈবগী শপোম্বী কৌএ ।”

অসুম্না হকচাংগী কায়াৎশিংগী মমিং, মখোয়গী থৌরম থৌচৎ ইদুনা থন্বা হায়বসি অরায়বা নত্তে । করম্না য়াম্লবা কায়ৎশিং অসিগী শিংলী, নাওরী মমিং থোন্দুনা, করম্না নৈনরম্লিবনো হায়বসি খনজিনবদা ৱাখল লৌবা ৱানা থোকই । মশীং য়াম্লবা হকচাংগী কায়াৎনি । মখোয়গী মমিং অমমম থোন্দুনা, মখোয়বু পুরিবা শিংলী নাওরী অমদি মীংথোল পীদুনা তাক্লিবা অসি লাম্না ফংবা ৱাখল অমদি ওইদে । অদুগুম্লবা ইপা ইপুশিং অদুনা ইশাগী ওইবা ৱাফম, পোৎশক কয়াদা মীৎয়েং থমদুনা, চারোল শুরোম্না খঙহৌনবা হোৎনরম্মী হায়বসি অরিবা লাইরিকশিং পারুবা মতমদা খঙবা ঙম্মী ।

“ খোয়রী থোক্লকফম, নাউফম অনিমদি হয়েংগী হঞ্জিনফমনি হায়হৈতে ।
হে মীওইবশিংও লেম্না মাংবা ফি নত্তে । সংসার অসিদা সিন্না কোয়না থুংনা লৈয়ে ।
মশমসু খদুপ অমনে, মহাক অদুদি মরেপ কাপ অমনে ।”

“ লাইগী মমিংদি লৈশংপুনবা কৌএ । সহিং ঙক্লেবা কৌএ। দারৈ ইরেন্দি খোয়দৌনে ।
য়িহন্দি খোয়গী মখাদা খুদোন অহুম লৈথনা লৈএ । অদুগীদমক নুংশিৎ অমুববু
উম লাউনা চিংশিল্লো । নুশিৎ অঙৌববু খেলাওনা চিংখৎও ।
নুংশিৎ অঙাংববু খুয়া লিনফুদা হুম হায়না চিংচিল্লো ।
ময়েক মঙামবু লিনফুদা থমও, ময়েক মঙামবু হরাউববু হিক লাউনা চিংশিল্লো ।
ময়েক মঙামবু হংস অসিনা খুমুক ওইনা থমও । পুন্সিবা ৱানে খঙও ।”

মসি মীওইবগী ৱাখল পুক্লিং করম্না নৌথোক্কনি হায়বসি নুপী নুপাগী ৱাখল কাখলনুংদা লৈ । নুংশি ৱাখলগা লোয়নন৷ হৈচিন লৈচিন্নবা হায়বসিনা হিংবগী মহাউ পীবা ঙম্মী । নুংশি নুংওনগী ৱারীনা পুন্সিগী হৌগ্রবা মতমদু নীংশিংহন্দুনা পুকনীংদা অনৌবা ময়োল চোংহল্লি । খোইরী নাউফমগী মফম অদো অরুবনি হেক্তা হায়দোকপা তৌহৈদে হায়না তাকপীরি ।

কোক অমসুং থোপকী মরমদা হায়বীরি:

“ লিনফুদা লৈবা লাইদি উং শংস কৌএ ।

লৱাই লিনফুদা শম মতং তরেৎ পানবনা ফৈচা শানা ফম্বদি মশক্তি অমুবনে ।

পাম্বোম মরি পানবনে । খূৎশু অমদা থাং শুই, মখূৎ অমদি অহাউ- অথুম শুইএ ।

মমিংদি শেনকুপলেন স: মনিক কৌএ । থোপ্পু য়োম্বদি হ,র,স কৌপনা য়োমএ ।

মমিং থোপহিং কৌএ ।

য়াংলেন লুশমবু লিক ওইনা লেংলিবদি মমিংদি হিং কৌএ ।

থম্বাল অপোম্বা অমা লৈএ । থম্বাল সিং, রী,হ,র,স, না তাউবনা ওইনরিএ ।

মিৎ অনিমসুং, নাকোঙ অনিমসুং অমত্তা ওইনা তিন্নরে । মমিংদি হায়হৈতে ।

গুরুনা লৈয়েং লৈতোন কৌএ । মথন্নগী মঙান্না মাবু উনা লৈবনে । হে মীও খঙও ।

নোংমিৎ মপাল মনা য়ৌদে । মনাক্তা পুং, পেনা সিংগ্না নাগ্না,

তওদ্রি পেনা খোঞ্জেল তাগদবনে । মাগা থনবদি থাংজিংনে ।

খুবম অমদা থোপকী মথক্তা শিংলী হ,র,স, কৌবনা মথক্তা লুমগী মখাদা ।

মহাক্তি থোইতিং অমুবা অমরমদা মঙাইরে । মথন্নগী মনিংশাবু তাঙবল ওইনা ফল্লিএ ।

মমিং অসি খৈবিকপু থিবা লোল্লে হায়বগীবু হৈরোম কৌএ ।

হে মীওইবা খঙও । ঈশিংবু করি কৌবা থোপ কৌএ ।

ঈশিং অদুগী মায়ায়দা থম্বাল অমা লৈএ । থম্বাল অদুগী লৈরিক্তি ১০০০ নে ।

থম্বল অদুবু খোইমুশিংনা চুপ্লিএ । মমিংদি তলংঙাঙ লংবা কৌএ ।

অথোইবা লাই মহাক্লে খঙও ।”

ৱাফমশিং অসিদা অনৌবা যুগ অসিদা লৈরিবা মীওইশিংনা ঙক্লোইদৌবগী মরম লৈতে । মরমদি কোক অমসুং কোক্কী মনুংদা লৈবা থোপকী মরমদা মচা তানা হায়রিব অসি ঐখোয়না নৈনফম থোকই । থোপকী ময়ায়দা থম্বাল অমা শাৎলি হায়রি । থম্বাল অদুদা খোইমুশিংনা ঙংই হায়রি । মহাক্কী লৈরীক ১০০০ অমনি হায়রি । থোপকী মথৌ হায়রি । অদুগা থোপ্না অথোইবা লাইনি হায়না তাকপীরি ।

অদুগা অমুকসু মিৎকী মরমদা তাকপীরি:

“ মিৎকী মরোন হায়গে । মরোন অমদি অতিংকোক্কী মনুংদা মতিংঙা লৈএ ।

অতিংঙাগী মনুংদা অঙ্গ লৈএ । অঙ্গগী মনুংদা অপানবগী মনুংদা

খোঙবী অনি খুৎপী অনি লৈতোন মরক্তা মরম মঙালবু চপ্পা লৈএ ।

অদুগী লৈরিক কোংপোল্দগী পা অদুনা বির্জ ওইএ ।

গুরু শিদবগী য়াওনফমনে ।”

( ইন্দ্রি সেকনিঙ - অমুয়াইমা, পণ্ডিত অচৌবা )

মিৎকী ৱাফম অসিদা অরুবা য়াওরি । অদুবু ইন্দ্রি সেকনিঙ হায়বা অসিদা মীওইবগী হকচাং কয়াৎশিং কুপ্প া নৈনবা অসি ঙক্তবা ঙমদে । মমল য়াম্না লৈ । অনৌবা যুগ অসিদা মীওইবগী হকচাং কয়াৎকী মরমদা লৈননরিবদি ডাক্তরনি । ঐখোয়গী ইপা ইপুশিংনদি হান্না নৈনদুনা লৈরম্লে ।

নুঙগী মতাংদসু ‘নুঙলোন থম্বাল’দা মরীক চুম্না নৈনবা অসিদা অথুপ্পা কয়া য়াওরি ।

“ হৈপোক,সোজি, লমজেং, লীহৈপোক,খুমন শোয়নিফমদা নুঙ ৬০ লৈয়ে ।
অরুপ্পা ৩০ লৈয়ে । শামু অদুদি খুমন নিংথৌগী শামুনে ।
কৌব্রুদগী ফাবনে । ইরম নত্তে চৎলগে হায়না লাকপদা কৌব্রুনা উরে ।
হে শামুও নোং ঙাল্লে মীনা উখিনিয়ে হায়বদা নুঙ ওল্লে ।
হে কৌব্রুও ঐবু করম তৌ হায়বনো হায়রকপদা
হে শামু নঙদি অহিংদা ঐঙোন্দা লাও । নুংথিনদি নুঙ ওইনা লৈয়ু ।
মমিং য়ুল্লেন কৌনা মমিং অসি হায়রবদি কু ওইনা ( উ ওইনা) হৌরকপনে ।
অসিবু খঙলবদি নিংথৌনা য়ুম শারমদাইদা মফম অদুদা খুরুমজরবদি পুনশিয়ে ।
অমা হায়গে চীঙ মতোন্দগী নোংচুপ থংবদা নুঙ ১৩ লৈবনে ।
মতোন থট্টবা অহৌবদো মখাদা সনা মীপোৎ ১০, লুপা মীপোৎ ১০, শেল মীপোৎ ১০,
কোরী মীপোৎ তরা লৈবনে । লৌহৈতে হায়বা খঙও । অসিবু যুক থৈবা ঙ্বনে খঙও ।”

ব্রাফম অসিদা য়াম্না কুপ্না থিজিনবগী, খঙজিনবগী মমি তারি । লৈরিবা নুঙগী মশীং নীংথিজনা পল্লি । ঐখোয়না ‘কু’ হায়না হায়রিবা অশিবা পুনবা উপাক্লা খাজিনবা অদু ‘ উ’ হায়বনি হায়রি । সনা মীপোৎ ১০, লুপা মীপোৎ ১০, শেন মীপোৎ ১০, কোরী মীপোৎ ১০ লৈরবদি যুগ থৈবা মশানা ঙম্ফম থোকই । অরুবা ওইরিবদি নুঙগী মরমদা ইচম চম্না হায়বতা নত্তনা অকক্লবা মশীং হায়বা অসিনি ।

**নুঙনা মী ওনবগী ব্রা:**

“ অমা হায়গে থেনখেৎফমদা নুঙ ২ লৈবনে ।
নুঙবী তাংঙানে হৈবোক লাইরেশিরেনবু থোঙঙারেন্না হৈচিং পুরকপদা
সোরারেন্না উদনা খুচু থাংনা ঙম্না শিরে । নুঙ ওনখিয়ে । মমিং শিরেম্বী কুপতো কৌএ ।
মমিং অসি শোন্দুনা খুৎতা ব্রাই পায়দনা মীগী মশক নিঙদনা অদুগী মথক্তা চাইও মী ওনবনে ।
নঙনা নিংবা অম্তং নিংঙো, নিংবা থুংবনে ।”

**লোক্তাক ঈশিং চাউহনগে হায়রবদি:**

“ অমা হায়গে । ব্রায়থৌ তাংজেংদা তেনথা লাইগী মফমদা নুঙ ৮ লৈবনে ।
অতাউবা অমসুনে । লোক্তাক ঈশিং চাউহনগে হায়রবদি
হৈজামপেৎকী মখোঙদা লৈবা নুঙ অদুগী মখোঙদা শঙ্গোম হৈও । লোক্তাক ঈশিং চাউবনে ।
**কংহনগে হায়রবদি:**
হৈক্রু মখোঙদা নুঙ ৪ (মরি) লৈবনে মৈখু হিদাকপু মৈ থাদনা কৎলো ঈশিং কংবনে ।”

লোইবা নাইদবা ব্রাতাক্লোমদা চঙশিনবনা থাইনগী ব্রারীশিং অসিগী মচঙনি । য়াম্না চেকশিন্না, ওইবা য়াবশিং পন্দুনা তাকপনা তুংদা লাকপা মীরোন্দা অচৌবা কান্নবা পীরি । অদুমকপু, খঙদবনা কান্ন- কান্নরবা ব্রাফম কয়াবু করিসু থৌশাদনা থৈদোক্তুনা লৈরি । ঐখোয়না থাইনগী কান্নদ্রবা ব্রানি হায়বসিগী শোনবা লৈগনি । অরু- অরুবা ব্রাফমদি থাইনগী ইপা ইপুশিংনা মফম চাউনা কন্দুনা হায়বীরেম্ল । হৌজিক হৌজিক ওইরিবশিংগী মনুংদা ঈরম লৌখোংগী মতাংদা পনবা য়াই । মদুদি থাইনগী ইপা ইপুশিংনা খোংলম চাউনা চাউনা থম্বীরম্মী, ঈরম নালা চাউনা থম্বীরম্মী । হৌজিক্লা করি ওইরি হায়বসি খন্নবা য়াবা য়াফম্নি ।

**অথুপ্পা ৱা** ( নুপা নুপীগী ):

“ লম পান্না খোংশাংবী, নংবু শায়বা ঙাংদবী:
হায়বদি- নুপাগা নুপীগা ফমতিন্নববু হকচাং ঙাংবা লৈতে, মদুবু শায়বা ঙাংদবা কৌএ । ”
“ শগোল তোংবা কাইরাম্বা নঙবু তোংবা য়াঙদবা কৌবদি-
নুপীগী মথক্তা তোংবদি য়াঙবা লৈতে হায়বনে ।”
“ হয়িচক, হয়াচক, খুনুংচক, লাংবচকঙৈগী হায়বদি- থাইনা লৈরম্লগা হৌজিক্তি লৈতবগুমলে। হৌজিকসু লৈরি । নুপীগী য়োনিগী মখুন অদুবু খুনুংচক কৌএ । নুপানা ফমতিন্নবদা চক চক লাউনা থিনবদো লাংবচক কৌয়ে ।”

( কনাগুম্বনা থমজরিবা ৱারোলশিং অসি অরানবা ৱাফম্লোমদা ৱাখল শেরান্ননা খক পুবীরোইদবনি । মসি মীওইবগী অশেংবা ৱাফম্নি । ঐখোয়না ঙক্লিবদি- ইপা ইপুশিংনা মায়কৈ খুদিংমক্তা অৱাৎপা অমত্তা থম্লমদনা, পূমকমকপু পুথোক্তুনা ঐখোয়গী মাঙদা থম্নীরম্বা অসিনি । মসিদা অরানবা ৱখল খনবীগনু । লাইৱা মন্ত্রশিং খঙজিনবীয়ু, চাংয়েং তৌগে খনবীগনু । গুরু য়াওদনদি মায়থীবা নত্তনা মায় পাকপা ওইরোই । মসি ঐখোয়গী কলচরেল হেরিটেজ অদুনি । (It is our Cultural Heritage.) মসি লৈ হায়দুনা উুৎপীরম্মা অসিদগী হেন্না কান্নবা মফম কৈদসু ফংলোই ।

**ৱাচেৎলোন্দা** মসিমসু তাকপীরি ।

“ মরম ১সুং হায়গে ।
লয়পাক কৌবদি খোইদও মখাবু কৌয়ে ।
নোংথও কৌবদি খোয় মথক্ক লৈবা খিবিকপু কৌয়ে ।
মিৎ মখাগী মখৈবু লয় কৌয়ে ।
নোংথও লয়পাক কৌবদি মিৎ মথক্কী মখৈবু কৌয়ে ।
লুরেনচীঙ কৌবদি কোকপু কৌয়ে ।
খাবি লুরেনচীঙ কৌবদি লুতুং অকুৎপবু কৌয়ে ।
ৱাইগা শান্নরিবা ৱাইকোকপা কৌবদি মায়থোংবু কৌয়ে ।
কোক অদুদা শা অমা লৈ, করম্বা শানো হায়রবদি
নিংশা হোল্লিববু কৌয়ে।
নিংশা অদুগী নাতোনগী মনুংদা শিদরিবা মখৈবু লৈয়ে ।
হহঙ্গৎ হন্দানা লৈবা অদু য়াম্না লুইয়ে ।”

মীওইবগী হকচাংগী কয়াৎশিং মফম কদায় কদায়দা লৈবনো, মখোয়গী মমিংনা করি করি কৌবনো হায়বদু মতাং অসিদা মচা খায়না তাকপীরি ।

ঐখোয়দা হায়নরিবা ‘যুগ’ মরি অসি কদায় কদায়বু কৌবগে হায়বদুসু তাকপীরি ।

“ সত্য হায়বদি: অঙাক হেক পোকপগা ইরু সাংদেং লোইদুনা
মমাগী তম্পাক্তা পমদুনা খোম পীথক্লিবা মতম অমা,
অঙ্গা অঙ্গা কৌদুনা শান্নবা মতম অমা,

চহি ১-২ হায়রক্লবা অঙাংনা লোংনা হিপ্পগা মখোঙ মনিদু কোনশিল্লগা থাঙ্গৎতুনা খোঙবী অনিদু ময়াদা চুপই, খুবী অনি ময়াদা চুপ্তুনতা লৈ। করিগুম্না পোৎশক অমা পীশিল্লবসু ময়াদা হেক্তা নমশিল্লি। মখূৎতা পায়বা পোৎ তাখ্রবসু কপই। পোৎশক অদু অমুক হন্না পীবদা কপ্পা তোকই। অঙাংনা উপ্পা হৈরবা, শন শানা চৎপা হৈরবা মতোমতা ফম্না, ফম্বদগী লেপ্পা, লেপ্পদগী কাফৈ কাফৈ চৎতুনা পোপ তুবা, মানা নিংবা হায়খ্রগা হোংদবা মতাং অসি ফাওবা অঙাং অদো সত্য যুগতা লৈরিবনিনা সত্য যুগ কৌয়ে।

**ত্রেতা যুগ:**

" ত্রেতা যুগ হায়বদি অঙাংনা চহি ৪ (মরি) দগীনা ১২ ফাওবগী মতম অসি পোৎ অপাম্না খঙবা ঙম্লে। লৌশিংগনি, পায়শিনগনি, থমজিনগনি, ঐগী শরুক ওইগনি হায়বগী লৌশিং তারে। মতম অসিগী মতাং অসি ত্রেতা যুগ কৌয়ে।"

**দ্বাপুর যুগ:**

" দ্বাপুর যুগ হায়বদি চহি ১৩দগী ১৮-২০ ফাওবা অসিদা মীওইবসিংনা পাখং, লৈশাবি মপুঙ ফারদুনা অপাম-নুংশি মশক খঙলে, য়াম্না নুংঙাইবা মতম অসিবু দ্বাপুর যুগ কৌয়ে।"

**কলি যুগ:**

" কলি যুগ হায়বদি শাবী শানৌ লুহোংদুনা মচা মশু পোক্লবদি মচা মশুশিং অদুবু চাউনবা য়োক থাকপা, মহৈ মশিং তম্বীনবা হোৎনবদা ধর্ম ধর্মী ঙাকপা ঙমদে। মতম অসিবু কলি যুগ কৌয়ে।"

যুগ মরীগী ৱারী অসি ঐখোয়গী ইপা ইপুশিংনা মীওইবগী পুন্সিবু তান্থক মরি থোক্না খায়দোক্লগা খায়দোকিলবা তান্থকশিং অদুগী মরমদা ৱাহৈ খরা খরা পীরি। অঙাং নাৱাগী মতম, অঙাং ওইবগী মতম, নহা ওইবগী মতম অমদি মীয়ায় অহলগী মতম। হায়রিবা মতম তান্থকশিং অসিগী মনুংদা চৎপা লমচৎ-শাজৎশিং অদু নৈনদুনা তাকপীরি। পুন্সি হায়বসি পোকপদগীনা শিবা ফাওবগী মতমশিং অদু পুন্সিল্লগা ওইবা অদুবু পুন্সি কৌই তাকপীরি।

মচা পোকপগী ৱা:

" থায়নদি মচা পোকপা অসি লৱাইদা, সেক্রাক্তা পোকই হয়নরি।"

(লফুনা লৱাইদা মচা পোকই, লৱাইদা থরো ইনখৎতুনা লফোই পাল্লকই। চুজাক্লা মনাগী কারক্তা ইনখৎতুনা মচা পোকই।)

চয়োল অমগী মনুংদা নুমিৎ ৭ ( তরেৎ ) লৈবগী ৱা:

" গুরুগী হকচাংবু খাইবোক খাইদোক্লে। গুরুগী শদুমবু খাইদোকপা অদুনা শরুক তরেৎ থোক্লা য়েল্লে। মদুনা চয়োল অমগী নুমিৎ তরেৎ ওইরে। চয়োল তরেৎনা শলাই তরেৎ ওইখিয়ে। নোংমাইজিংনা অঙোম পোকএ। নিংথৌকাবনা নিংথেম পোকএ। লয়পাকপোকপনা লুৱাং পোকএ। য়ুমশকৈশনা খুমন পোকএ। শগোলশেলনা শারাং লৈশাংথেম পোকএ। ইরাইনা খাবা ঙানবা পোকএ। থাংজনা মোইৱাং পোকএ।"

ইংকুমজা ১৭২৩ লাংবন থাদা উমংলাইগী লাইশং অয়াম্বা শীদোকখি। ইং কুমজা ১৭২৬ মৈত্রবাক্কী উমং লাই মখৈ খোমগৎতুনা মোংবহনবা উমং হায়বদি মহাবলী উমংগী হৈবোং শিদবগী মখোঙদা ফুমজিনখি। হায়রিবা চহি অদুগী ইঙেন থাগী ২০নি পানবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা পাম্হৈবী, লাইয়িংথৌ সনামহী, সোরারেন, হোইদোন পোকপীনচিংবা লাই তরেৎ অমসু থুগায়খি। মদুদগী মমৈথংদা পুয়া মৈ থাবগী থবক পাঙথোকখি। মৈ থাখিবা পুয়া ১২০ নি। মতুং তারকপদা মৈতৈনা নিংথৌবু লাইয়িংথৌ হায়না কৌনবদু ওম্থোক্তুনা মহারাজা হায়না কৌনখি।

পনজরিবা থৌদোকশিং অসিনা মরম ওইদুনা মৈতৈ ময়েক্কী চাওখৎ-খোঙথাংদা অপনবা অমা ওইখি। অদুবু শাফু অদুনা মৈতৈগী চৎনরোল পুন্নমকপু পুরা মাঙহনবদি ঙমখিদে। মরমশিং অসিদগী করিগুম্বা মৈতৈগী অরুবা লাইরিক্তা অসুম্না ইনবা য়াওই।

"লাইরিক অসি মপু তাক্তুনা পারবদি নয়া তেকউ, মনুং-মতম চাদনা নৌশি শিও"

করিগুম্বা অরুবা লাইরিক পাবা তারবদি মী উহন্দনা কাংখল মনুংদা পাউ অসিনচিংবা।

মসিগী নুংগী অর্থদি - করিগুম্বা মী অদুনা লাইরিক পারিঙৈ মতমদা কনাগুম্বা মীনা উখ্রগা পাউ মথং মথং শন্দোকখিদুনা নিংথৌগী নাকোঙ য়ৌখিবা য়াই।

য়ৌখ্রবদি লাইরিক অদু নিংথৌনা মৈ থানবা লৌখৎখিগনি হায়বগীনি।

অহল- লমনশিংনা তোয়না হায়নবা ' তৌহৈতে, হায়হৈতে, শোকহৈতে' হায়রিবশিং অসিগী নুংগী ওইবা অর্থ শোয়দনা লৈগনি ।

" মীওইবগী সমাজদা থবক অদু তৌরুবা মতমদা মীগী মাংনবা ওইরবদি মদো 'তৌহৈতবনি ।'

কনাগুম্বা মী অমনা মী অমা চৈবা মতমদা চৈফম থোকপগী কা হেন্না হায়রবদি মদো ' হায়হৈতবনি ।'

কনাগুম্বী মপুরোইবা লৈবী নুপী অমবু পামদুনা, কল্লক্তুনা নত্তবা শাজৎ চৎকে খল্লবদি মদো 'শোকহৈতবনি ।"

শোকহৈতবা, তৌহৈতবা, হায়হৈতবা হায়বা ৱাফম অমা থম্বীরম্বা মমল নাইদবা খুদোল অমা তুংদা লাক্লিবা, লাক্কদৌবা মীরোলশিংদা তৌবীরম্বনি। মৈতৈ জাতি অসিগী কোর্বেক্তা মমল য়াম্ল- য়াম্লবা, অফ- নুংঙাই, অরোন- অথুপ কয়াগী ৱাফম থম্বীরম্মী। হিন্দু ধর্মগী মনুংদসু লুর- লুরবা ৱাফম লৈবগুম,ঐখোয়গীসু লৈতবা নত্তে ।

মহাকবি বাল্মীকিগী শৈরেং মতেক অমগী মনুংদা চাউরবা রামায়ন য়াওরি ।

" - মা- নিষাদ
কহত: মৈখুনপক্ষী
ধর্ম ত্যাগভবত: নগতি
নির্দ্দোষে অবদাং কথং কৃতবান
নারকে যুক্তং জনা তথা ।।" ( বাল্মীকি রামায়ন )

মসিগুম্না " হে মীওইবশিংও,
চক্রদি কংলাগী চৎলম্লে,
য়েৎলমগীদা য়ুমজাওগী চৎলম্লে
কংলাগী চাক্লেম্নে
তুবা কোক্তা কুলরে ।
মমিংদি অং সহ কৌএ ।" ( অহিং নুংথিল পুংলুপ পুথোকপা )

**মৈতৈ লোন্দা মপান লোনগী চৈথেং :**

ইংকুমজা ১৭২৩ লাংবন থাদা উমংলাইগী লাইশং অয়াম্বা শীদোকখি। ইং কুমজা ১৭২৬ মৈত্রবাক্কী উমং লাই মখৈ খোমগৎতুনা মোংবহনবা উমং হায়বদি মহাবলী উমংগী হৈবোং শিদবগী মখোঙদা ফুমজিনখি। হায়রিবা চহি অদুগী ইঙেন থাগী ২০নি পানবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা পাম্হৈবী, লাইয়িংথৌ সনামহী, সোরারেন, হোইদোন পোকপীনচিংবা লাই তরেৎ অমসু থুগায়খি। মদুদগী মমৈথংদা পুয়া মৈ থাবগী থবক পাঙথোকখি। মৈ থাখিবা পুয়া ১২০ নি। মতুং তারকপদা মৈতৈনা নিংথৌবু লাইয়িংথৌ হায়না কৌনবদু ওম্থোক্তুনা মহারাজা হায়না কৌনখি।

পনজরিবা থৌদোকশিং অসিনা মরম ওইদুনা মৈতৈ ময়েক্কী চাওখৎ-খোঙথাংদা অপনবা অমা ওইখি। অদুবু শাফু অদুনা মৈতৈগী চৎনরোল পুম্নমকপু পুরা মাঙহনবদি ঙমখিদে। মরমশিং অসিদগী করিগুম্বা মৈতৈগী অরুবা লাইরিক্তা অসুম্না ইনবা য়াওই। “লাইরিক অসি মপু তাক্তুনা পারবদি নয়া তেকউ, মনুং-মতম চাদনা নৌশি শিও” করিগুম্বা অরুবা লাইরিক পাবা তারবদি মী উহন্দনা কাংখল মনুংদা পাউ অসিনচিংবা। মসিগী নুংগী অর্থদি -করিগুম্বা মী অদুনা লাইরিক পারিঙৈ মতমদা কনাগুম্বা মীনা উখ্রগা পাউ মথং মথং শন্দোকখিদুনা নিংথৌগী নাকোঙ য়ৌখিবা য়াই। য়ৌখ্রবদি লাইরিক অদু নিংথৌনা মৈ থানবা লৌখৎখিগনি হায়বগীনি। মরম অসি লৈবনা লৌশিংবা মৈতৈ মায়চৌশিংনা মরৈবাক মজাতিগীদমক, তুংদা লাক্কদবশিংগীদমক উপায় অমা নত্রগা অমা শিজিন্নদুনা নিংথৌ খঙহন্দনবা হোৎনদুনা অরুবা লাইরিকশিং লোৎশিন্দুনা থম্মখিবা ঙাক্লি। কদায় ফাওবা মায়চৌশিংনা লাইরিকশিং কলহৌনবা হোৎনখিবগে হায়ববু- চীংদা লৈবাক তৌথোক্তুনা নীংথিনা য়োম্লগা ফুম্বা, অতোপ্পা লম তেখাউনচিংবদা থৈদোক্তুনা থম্বা। হায়রিবা লাইরিকশিং অয়াম্বনা গরিবনিৱাজ মহারাজগী মমাঙদগী লৈরক্লবা লাইরিক ঙাক্তনি। মরম অসিদগী নিংথৌগী তুংদা লাকপা পণ্ডিতশিংনা অরোনবদা নত্তনা ময়েক তমশিনবগী চাংসু নেন্বা লৈখিবনা অরুবা, নুংগী ৱাহম্থোক লৈবা কয়াবু ইচম চম্বা মীনা খঙবগী ৱাংমদা লৈখিবনি।

মসিনি মহাশয় শান্তদাসনা রমান্দি ধর্ম শন্দোকলকপদা মণিপুরী সমাজদা পীখিবা চৈথেং। চৈথেং অসি নিংথৌ শক্তিগী মখাদা পীরকপা ওইখিবনা সধারন প্রজাদদি শাফু কল্লা ফংখি। মৈহৌরোনগী চৎন-লোনচৎ কয়াবু মমায় লৈনবা হোৎনখিবনা ঐখোয়গী সংস্কৃতিদা শাফু অদুম্মক ফংবা তাখি।

মদুগী শাথৌনা মরম ওইদুনা ঐখোয়গী লাইরিক খুৎইদা মপান লোনগী শাফু পীরক্তুনা য়ানশিনবা হায়বদি লোনয়ান য়াওশিল্লকখি। লোনয়ান অদুনা করিগুম্বা মতাংদা ফজহনবা, করিগুম্বা মতাংদনা মশক থীহনবসু য়াওদবা নত্তে। লোনয়ান অসিনা অহানবদা ঐখোয়গী লাইশোল-তিনশোন্দা চাউনা মমি তারকখি। মৈতৈলোনগী ফজবা নীংথিজবা কয়াগী মহুৎ সংস্কৃত, হিন্দি, বঙ্গালিনা উশিন ওইরকখি। মৈতৈ লোল্লা হায়রবদসু অমুক সংস্কৃত লোন হাপচিন্দুনা ৱাহৈগী লৈতেং শিজিন্নবদা উপাই ওইনরকখি। খুদম ওইনা পনজরবদা -


“হে সনা খুদোপ য়াইওইব-ও
নঙবু লোইবা ইবুংঙো
শ্রীরাম নামুংবদি
কোরৌ নুমিৎ শকউননা
নুংশি ইবিঙঙাগী

চিন্তা লাইজা ঈখৌলাংববু
কদৌনোং পাওমেন্নরসিবনো
হায়না মীকপলবগা।"

রামায়ন সুন্দর কাণ্ড
খৃষ্ট ১৭২৫-১৮ শুবা শতাব্দী
অঙোম গোপীনা কৃত্তিবাসনা ইবা রামায়ন্দগী
মৈতৈলোন্দা হন্দোক্নুনা ফোঙবগী মতেক অমা।

মন্ত্রদা- "ওঁ হিলিং ক্লিঁ ক্লিঁ বিশ্বমভর রাম রাম বিশ্বমভর রাম স্বাহ,
গুরুগী য়াথংনি।"
"ওঁ জয় রাম রঘুরাম বায়ু পুত্র, নুংশিংকী মচানুপা নমিংদি তনু হনুমান কৌই, রাম সিতা লক্ষমন হনুমান বিজ মন্ত্র স্বাহ সিধি নিপান চাওথোকউ গুরু শিদবগী য়াথংনি।"

ঐখোয়গী লৈজবা লোন্দা হিন্দি, বঙ্গালি অমদি সংস্কৃত য়াওরকপা হায়বসি ঐখোয়গী অশোনবা নত্তে । মসি য়াওরকপগী মরু ওইবা মরমদি - ঐখোয়গী ইপা ইপুশিংনা হায়রিবা লোনশিং অসিগী জ্ঞান লৈ হায়বা তাকই । মরম অসিনা অসিগুম্বা মখলগী লোনয়ান য়াওবনা ঐখোয়গী লোন্দা নত্তবা চৈথেং থোইনা পী হায়না খনজদে ।



লাইৱা অসিদা লোনয়ানসি
মরাং কায়না য়াওই ।

**মণিপুর করম্বা কৌথিবা:**

হৌজিক ঐখোয়না খঙনরিবা 'মণিপুর' হায়বা ঐখোয়গী লৈবাক্কী মীং অসিসু হান্না কৌরম্বা মীং নত্তে। মসিদসু লোনগী ঈথিল অদুম্মক য়াওরি। মৈত্রবাক নত্রগা কংলৈপাক অসিবু কৌনরম্বা মীং কয়া অখণ্ড অহৈশিংনা ইদুনা থম্বীরম্মী।

১। ময়ায় কোইরেন, পোইরৈ নমথক শায়োনপুং
২। হয়িচক্তা- 'তিল্লিকোকতোন অহনবা'
৩। খুনুংচক্তা- 'কীরা পোংথোক্লম'
৪। লাংবচক্তা- 'তিল্লিকোক লৈকোয়রেন'
৫। কোন্নচক্তা- 'মুৱাপালি'
৬। পোইরৈ মৈতৈ কৌদ্রিঙৈদা- 'চকপা লাংবা'

৭। পোইরৈতোন খুম্ন্থোকপদগী 'পোইরৈ মৈতৈ' কৌখি।
মমৈথংদা 'মনিপুর' কৌখি।

অদুবু লুরিবা ৱাফমদি, কনাগুম্বা খরনা 'মৈতৈ' হায়বগী মহুত্তা 'মীতৈ' হায়না য়াম্না কন্না হায়বা য়াওরিবসিগী অককনবা ৱাফম হায়বদি মৈতৈ নত্রগা মীতৈ হায়বা তং তাবা অমদি থম্বনা ফগনি। ঐহাক্না থেংনজবদদি 'মৈতৈ' হায়বা ঙাক্তা ওই। মীতৈ হায়বদি থেংনজদ্রি। মরমশিং অসি লৈবনা

**'মৈত্রবাক্কী মৈহৌরোল য়ুম্বী'**

(An account of the origin of Meitrabak)

National Mission for Menuscripts, Indira Gandhi National Centre for the Arts, New Delhi-110001 না ফোঙবা লাইরিক অসিদা অসুম্না ইরিঃ "Our conceptions of Meitei Puya and personalities in ancient lore meen further investigation." (Dr.M. Kirti Singh, Padmashri)

Report on Archeological studies in Manipur Bulletin by W. Yumjao singh (1835) No. 1 page 75 তা মণিপুর কৌখিবগী মরম ইরি:

"Near nunggoibi and between Taibongthong there is a stone with super-natural power known as Mani or Precious stone on account of which the place is known as Manipur."

(নুংগোইবী মনাক তাইপোংথোংগী মরক অদুদা য়াই মনি কৌবা অমা লৈ। মনি অদু লৈ হায়বগী লম অসিবু মণিপুর হায়না খঙনখি।) অরিবা মণিপুরী সাহিত্যগী ইতিহাস- নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র ।

**মৈতৈগী ৱারীশিংদা ঐখোয়না 'চক' কী ৱাহৈ তৎতনা থেংনরি।** খুদম ওইনা

১। হয়ি চক, ২। খুনুংচক, ৩। লাংবচক

হৌজিক লাক্লিবা ৱাফমদি হায়রিবা চকশিং অসি করিনো ? হয়িচক হায়রগা চহি কয়া, খুনুংচক হায়রগা চহি কয়া লাংবচক হায়রগা চহি কয়ামুক খঙনগদৌরি ? Identity Age লাকপগা লোয়ননা ঐখোয়না, ইপা-ইপুশিংনা হায়বীরম্বা তাকপীরম্বা ৱাহৈশিংগী ৱাহন্থোক খঙদনা অসুম হায়বনদি কুইরক্লগা অখঙবা অহৈবা থিবা ৱানা থোক্লককদৌবগী ৱাফম লাক্কনি। মরম অসিনা ৱাফম অসিদা কুপ্না থিজিনবগী কান্নবা ফংগনি।

'থিরেল লায়তকী' মতুং ইন্না 'হয়িচক' কী মতমদা মৈত্রবাক্তা নিংথৌ 'কাংবা' অমসুং লৈমা 'কাঙখন্না' চহী লীশিং তরা পাল্লম্বগী ৱারী ইরি। মরম অসিনা 'হয়িচক'কী মতম অসি চহী লীশিং তরা ওইরগনি। (নিংথৌ 'কাংবা' লৈমা 'কাঙখন্না' চহি লীশিংতরা পাল্লমমে) অমরোমদা অমুক 'লমপু তুপু' লাইকম সোইতান' না চহি ১৯০০০ (লিশিং তরামাপল) পাল্লম্বগী ৱাফমসু লৈরি। মতমদুদা মণিপুরসি 'লৈতং কঙোইপুং' হায়না কৌরম্বগী ৱাফমসু লাইরিকশিংদা ইরম্না লৈরি।

**নিংথৌ কাংবা অমুসুং লৈমা কাংখল হায়রিবসিগী নুংগী ওইবা ৱাহন্থোক শোয়দনা লৈফম থোকই ।**

'কাংবা' অর্থ 'করিসু লৈতবা' হায়বদি চহি ১০,০০০( লীশীং তারা ) করসু লৈতবা ওইরম্মী । মসিনা তাকপদি ঐখোয়না খঙনরিবা মতম অসিদগী চহি লীশীং তরাদি মফম অসিদা মরিসু লৈরমদে । মতাং অসিদা কয়াদা

হৈনা ইপা ইপুশিংনা ৱারী অসি শেমগৎলল্লিবা । করিসু লৈতববু মমিং অমা থোন্দুনা ইমেজরিগী কানুংদা কয়াদা চাউরবা ৱারী অমা ওইহল্লল্লিবা । মথংদা চহি লীশীং তরামাপলগী ৱাফম অমমুক থল্বীরল্লি । মসিনা তাকপদি মৈতৈ লৈবাক অসি কুইরবা, লীরবা লমদম অমনি হায়বসিনি ।

অমুকসু খুনুংচক্তা 'লাইনিংথৌ খানা চাওবা' 'কছা কুরুমলেন লৈপুনবা' হায়নসু খঙনবনা চহি ১,৯০,০০০ (চহি লাক্ষ অমা লীশিং মরিফুতরা) পাল্লমমে হায়বগী ৱাফমসু অরিবা লাইরিকশিংদা ইরি। মসিনা ঈঙ্গীৎ পীরিবসি মৈত্রবাক অসি য়াম্না লীরবা লমদম অমনি হায়বসিনি।

মৈতৈগী ওইনা মাংলমচৎকী লাইরিকশিংদা লুর-লুরবা ৱাফম কয়া ইদুনা থল্লল্লবসু, থল্লল্লিবা ৱারোলশিংগী অর্থ য়াম্না লুবা অমসুং খন্থবা ৱাৎলবদি খঙবা ঙমদ্রগসু মান্নবা ঙমদবা খরদি অদুম্মক লৈরি- শম্না পনজবা তারবদি কনাগুম্বা খরনা মৈতৈ, কনাগুম্বা খরনা মীতৈ হায়নরি। করম্বনা চুল্লিবনো হায়বা থিজিনবগী কান্নবা লৈগনি। মসিমনা চুম্মী হায়বদি কনাগুম্বনা থৌনা ফনা হায়বা ঙল্লোই। মসিসু জাতি অসিগী অরোনবা চয়েৎনবা অমা ওইনা লৈরি। মৈতৈগী অরুবা জ্ঞান লৌশিংগী ৱা ইরিবদি পুয়াদনি। পুয়াগী অর্থদি মায়চৌশিংনা পুন্না ফম্মীন্নদুনা তুংদা থোক্লগদবা ৱাথোক-লাম্থোক কয়া মাঙজৌননা খঙহনবা, পাউতাক কয়া ইবা লাইরিক অমা ওইনা থল্লম্বা লাইরিকশিংবু পুয়া কৌই। 'পু' হায়বদি পুল্লগা থম্বা 'য়া' হায়বনা য়হিৱা (কান্নরবা ৱাশিং) হায়না ইবীরম্মী। পুশিংনা য়ানরবা ৱাবু 'পুয়া' কৌই হায়না লাইরিক্তা ইরি। মৈত্রবাক্কী ওইনা শক্লাইবা পণ্ডিতশিংনি হায়না লৌনরিবা মায়চৌশিংদি ১। মায়চৌ খোংনাংথাবা, ২। মায়চৌ শমুরৌ চিঙ্গোং, ৩। মায়চৌ গনক থেঙ্গা, ৪। মায়চৌ লাঙ্গোল লুখোই, ৫। মোইরাং লনহানবা, ৬। মায়চৌ খারম থাদোই অমসুং ৭। মায়চৌ দেবীপা। পঞ্জরিবা অহৈবশিং মশা মশাগী ওইবা পাঙ্গল, লৌশিং, মহৈ অমদি ৱামাঙ য়ানবা ঙমখিবা ঙাক্তনি।

### মৈতৈগী লাইনিং লাইশোলগী হৌরকফম :

(Origin of Meitei Rites & Rituals)

মৈতৈ লাইনিং লাইশোনগী হৌরকফমদি লাই হরাওবনা ওইগনি নীংজৈ । লাই হরাওবা হায়বসি করম্বা মতমদগী হৌরকপনো হায়বদু নৈনবা চংই । লাইনিংথৌ নোংপোক নিংথৌ অমদি লাইরেম্মা পান্থোইবী অনীগী হাক্তক্তগী লাই হরাওবা হৌখিবনি হায়না অখণ্ড- অহৈশিংনা মোত পীরিম্মী । খৃষ্টকী ৫ শুবা শতাব্দীগী অদুৱাইদা থোকখিবা অমদি ৮শুবা শতাব্দী খোংতেকচা য়োইরেনবগী সনা হাক্তক্তা অকোইজম তোমবোইনা ইখিবনি হায়না থাজনরিবা পান্থোইবী খোঙ্গুল, অসিগা মরী লৈনবা নোংপোক নিংথৌ অমদি পন্থোইবী মখোয় নী থুংনবগী হারও নুংঙাইবা ফোঙদোক্তুনা জগোই শাবগী নুংঙাইরবা লিলা অদুদগী লাই হরাওবা ওম্বরকখিবনি হায়না থাজনরি । লাই হরাওবা হায়বসিমক্তবু, মসিদা শক্লিবা ঈশৈ অয়াম্বনা লাইনিংথৌ লাইরেম্মা অনীবু শৈথাদুনা শকপা অমদি চাউখৎপা নুংঙাইবা পীনবীয়ু হায়দুনা খুরুমজবা ঙাক্তনি । অদুগুম্বা খুরুমজবগী ৱারোলশিং অদুদগী ঐখোয়গী লাইনীং লাইশোল



লাই হরাওবদা দোলাই পুবগী শক্তম

**মণিপুর ষ্টেট কলা একাদমিনা শিন্দুনা হৌখ্রবা চহী**
১৯৭৩দা পাঙথোকখিবা মণিপুরী লাই হরাওবগী ফেষ্টিভেলদা পুথোকখিবা নীংশিং চেফোঙদা থাংজিং হরাওবগী মরমদা অসুম্না ইরি।

"থবি লানংদবা থাবা চৈজেন্দবা কালেন থাগী ৩নি পানবা, নোংমাইজিং নুমিত্তা লাই হরাওবা হৌরে। ইতাদুনা লাই হৌখিয়ে, মতম অদুগী লাইপুবদি ইঝাং পুরিৎলাই পোংরেন হনবগা, নিংথৌ মতু লৈমরেন কাওনুগা অনিমক্কা লাই পুয়ে। লাইপুবগী মমাংদা লাইগী শেনপোৎ লাইপোৎ পুবা অনি, লাইগী চোং অনি থৌগল্লি, অমাইবা অমাইবী পেনা, থাং ফানবা অনি, পুংশেন য়ৈবা ফিরাল অসিনচিংবা য়াওনা লাই ঈকৌখৎপা লাকপনা মোইরাং নানবী মরিল তুরেল, থাংজিং চীংগী ইবুংঙো খুফমদগী ইফুৎনা তুরেল ওইনা চেনখিবা মফম য়ৌরে। শাবাইবী শাবাইবনা লাইগী হৌনবী ঈশিংদা কোনজন য়াচন্না মখুৎতা পায়রে। লাইমৈবনা হায়রক্কে।

'কোরৌ নোংমদোন থক্তা ঙাংঙোই হায়বা লাইনা খল্লি;
ঙাংঙোইবু লম্মহল্লো।
অপোক চনু থোংনাং য়াংমোংবী নংসু তাইগে,
কোরৌ নোংমদোন তরেৎমক্তা লৈরিবা
খোইয়ম লাইয়াম পুন্নমকসু মালেম লৈদা খুরুমবীরকও
লাইজ ইরোল নুঙ তারেৎমক্তা লৈরিবা
খোইয়ম লাইয়াম পুন্নমকসু লাইজ ইপাল লাংনা কাখৎপীরকউ হায়বগী
সনা কোনগা চনজবা, লুপা, য়াইগা চনজবনে
লুপহৌ ফারে।'

**য়াকৈরোন ইশৈদা অসুম্না ইবীরি।**
"য়াইবী পোকলেন অরুবা ঙাংঙোই লাইজিং চৈহৌগী
চীংঙু কোরৌ নোংমদোন হনবা তাখেন লাইজিং
চীংফম্বা মায়াং শগোল তোংবা পাংহন তম্পাক কোইবা
নমু মওই নিংথৌ মওই তোম্বা শারেং চীংগী চীংমৈদা
সনাগী ফম্বাল লাংদা ফম ফমরকপা লাইনিংথৌ
নুংবী শিদববু খুনেৎনা নুংনাং নাফববু খুদামবা
শম্বোং তানথোং মপু নিংথৌ শারম কাম্বা মহায়বা
য়াইবী পাললোই তানবা খোইয়ুম লিথি কোনথি
কোনমতৈনা কোনখাবা চীংঙু লিরেন কোনদি

কোনমতৈনা কোনম্বা ককরেল মারা কোনশিনবা
ঙানু খুনু কোল লোইবা য়ারৌ শাক্রুক
শারৌ হৈবু কোনতৈনা কোন শেম্বা লোইদাম শজিবুথা
কোরৌ নুমিৎ নোংমাইজিং নুমিৎতা খেনলেন পুংগোই থোংবু লেপ্পা
পানফরকপা লাইনিংথৌ নয়ুম কেগে মোইরাংনা
মেনলৈবু লৈসনাও কৌয়ে মেনলৈ লৈসনা কদম্বা কদম্বা লৈনুংশিদুবু
পামেন শয়ি থেম চাও উফৈ থক্তা মুবা খুনু ঙাংদম
হুল্লকপদা খোইয়ম উনবি পুকুনিং লৈনা নিঙ
পামবা কৈ অঙৌবা কায়াং তোং মোইগাই য়েৎ
সনা চোংলেন খান চুপফাং য়ারৌফাং লৈশং লৈঙোই খৌওন্ননা
কাংহৈ মীত্তম মরেংহৌ হুমাই কুকপ মরাং হৌনা
মোংবা ঙাংখা ময়াই খাইনা হা মদোম খুনগুল্লকপা লাইনিংথৌ
নাশানৌ তমদা লাইরেম্মা হাওরৈ খা থংবদা ব্রাঙনবী ইরিক
কোংবাল নিংথৌ চানু তুরেল লাইজা ইরাই খনবী খোংজং লৈ
মাই হনবী, ঙাংখা লমমিং চুম্বী পোইদিং নুরা হাবু কেলি লোইননা
কোংবাল নিংথৌ চানু তুরেল লাইজা ইরাই খনবী খোংজংলৈ
মাই হনবী ঙাংখা লমমি চুম্বী পোইদিং নুরা হাবু কোন লোইননা
য়াব্রা শিরংননা অয়াং লমগা হৌরকপি মালেম শেকনিং লৈখৈগা
লৈশক খোংশাবি হাওশম সেকনিংমান লৈপাক হিংগাই নম্বা
তিংকোং লাইশ্রাবিগুম মদোম য়াহিপপি লুপাগী কিরকলৈ হুইময়ুবনা
ঙাইথোক্লবিগা সনা কিয়াংলৈ হুই ময়ুমবনা ঙাইথোক্লবীগা খুগা চাংবী
লৈতানপোক তরেং কাইবা লামা কাইবা লোনা কৌবা উৎমৈরম
লৈদোংবনা শনজিংলম খুগাবনা লৈহৌ লমদগী লমগা হৌরকপি
নোংবাল লৈয়া লৈমা লমশন থানবী কাংগ্রু লৈহাও পোকপিদা
থাংমৈ ৯ থানবী লুকলেন মৈমাং ফম্বী পাৎশোৎ লমলোই তাবী
চীংশানৌ মতৈ মনাও তমকসু মোমনু শুনা থংজ লংগুম্ব
শিংজিন্ননা থৌথাবা পামেল কেক্রু মরুগুম থাংওনবা
পাংহল থারুক মেনদং লৈবু তানা খনবা লাইনিংথৌ।”


লাই ঈকৌবা চৎপগী শক্তম

**লাই হরাওবগী ঈকৌবা** হায়বা মতাং অসি য়াম্না মরু ওইবা অমনা ঐখোয়না খুবম শক্তম ওইনা লাৎচরিবা লাইগী মশক অদুদা তাইবঙ মীওইবগী মতৌগুম থব্রায় হাপপনি। অহিংবা মশক অমা ওইহনবনি। মওং অসি মৈতৈ জাতিনা অহকপা থাজবা অমগা লোয়ননা লৌই। অশেংবমকসু দর্শনগী মায়কৈদগী য়েংবা মতমদসু অদুম্মক মশক থোকপা অমনি। অনৌবা মতম অসিদা ওইরক্লিবা তেক্নোলোজিগী য়ক লাওনা চাওখৎপগী মশক ঐখোয়না উরি। অহাংবা মালংদা

পাইরিবা মশক উদবা কয়াবু মেচিনগী মতেংনা ঐখোয়দা উহল্লি, তাহল্লি। শম্না হায়জরবদা মোবাইল ফোনদা রিচার্জ হাপপা মতমদা মোবাইল ফোন অদু মুথৎতুনা নত্রগা বেট্টরি লৌথোক্তুনা মতম খরা থম্লবসু ফোন অদুনা হেক হাংদোকপা মতমদা হায়বদি পুং কয়াগী মতুংদা ওইরবসু মহাক্কী রিচার্জ অদু হেক্তমক লাক্কনি। মহাক্কী থুংঙুফম অদু লৈত্রিবা ফাওবা অহাংবদা অদুম্মক পাইদুনা লৈগনি। মসিনা তাকপদি মশক উদবা পোৎশক কয়ানা অহাংবা সুন্দ্রংদা পাইদুনা লৈ হায়বনি। মসিগা মরী লৈননা লাই হরাওবগা ইবুধৌ-ইবেন্ধৌগী থব্রায় মিয়েল অদু ঈশিংদা লৈ হায়না লৌনবগা লোয়ননা ঈশিংদা ঈকৌবগী থবক পাঙথোক্লরিবনি।



লাই হিরাওবগী পুং লাংদেন অমদি পেনা খোংবা



ইমা কোনদোন লাইরেম্বী হরাওবগী ঈকৌবা চৎপগী শক্তম (মোরে)।



থায়নগী মতম অদু নত্রে। হৌজিক্তি উমং লাইশিংগী শঙলেন নীংথিজনা শানরে। ককচিংদা লৈবা উমং লাই লাইশঙ অমগী শক্তম।



**ইমা কোনদোন লাইরেম্বী হরাওবগী মোরেদা লৈবা জাতি ফুরুপ কয়াগী মীওইশিংনা লাইগী অথেনপোৎ পুদুনা চৎপগী শত্তম**

মৈতৈ জাতিগী ইপা-ইপুশিংনা করিগুম্বা লাইরিক অমা ইবা মতমদা ইরিবা লাইরিক অদু তাইবঙ শেম্বীবা মপু (ঈশ্বর)গী মফমদা হান্না কৎথোকই।

"তাইবঙ পানবা মপুবু খুরুম্না ইজরক্কে।" অসুম্না।

খুদম অমা পঞ্জবা তারবদি 'ব্বাংব্রেল ফম্বাল কাবা' পুয়া অসি ইবা মতমদা তাইবঙ শেম্না মপুদা কৎথোকই।

"হয়াহে হয়ি খোইমোম লাইনিংথৌ
হুং শিদবা মপু ইবুংঙো
পোকলেন পোকপা সাৎলেন সাৎপা,
লৈনুং কোমসিবা লায়লেল
পোরোমথোক নাহৈবা
নমিংদি কুপতিং ফিং কৌয়ে,
চিংউ নসাদগী হুনবনি,
খোইমোম নসাদগী ওইরকপনি।
খোইমোম লাইরেম্মা মৈতৈ লৈমা,
খোইমোম নসানৌদগী সাৎপনি।
অতিংকোক সিদবা লাইনিংথৌ।
চিংঙুবা মঙা পুথোকখিয়ে।
অমা হায়বদু লায়লেন মপুনি।
মালেম লৈখারোল চুকলেন ওইগা
ফানা পারিং লাংসং হুনলিবা।
কোরৌ নোংলোন তুনা পাল্লিবা
অচৎ চৎতা লেংলী পাল্লীবা।




লাই হরাওবদা মাইবী জগোই অমদি দোলাইরেং জগোই



লাই হরাওবদা মাইবী. পেনা খোংবা, লাইবৌ জগোইগী কলাকারশিং অমদি পুং য়ৈবা

তাওজিং লৈখোক পান্দবা,
লাংওন তরা পুথোকখিয়ে।
কাওরেন সন য়াইঙং চদনবী,
অৱাং চাওখোং লাইজদা
চিংউবা লিচৎপু তম্নীখিয়ে।
চিংউ য়াৱানা লিক্লাই
থরুবু ফম্নাল সেম্নীখিয়ে।
লায়লেল মহাক্কী ইরাৎ থৌরম লেপ্লী।
ফম্নাল লাইসু লিক্লেংবী,
উমং লাইসু লিক্লেংবা,
মোংবা সঙ্গাই লাইসু লিক্লেংবী,
উমং লাইসু লিক্লেংবা,
মঙাং লুৱাং খুমন মরু,
অহুম পাগী পারম,
পীগী ইয়েক নিতাকপী।

অমাই চাসু সিন্থাবা,
খাবী চাসু তরং পাওতাকপী।
কয়াৎ কা-লেন নুংপাল,
নুমিৎ থা থৱানমিচাক
ওকপুরোই তাওওইরেং
খোইয়ুম নফমলাংদা পাইনা
সিল্লৈরোম্বনা চরৈ ঙক্তা
মালেম লৈসা পাইনা অৱা
মাইথোং লাংনা খুবাং চাংজৌ
তরা লোন্না থৌনিজরি
ৱাংব্রেল ফম্নাল কাবা পুয়াবু
মথং লেনা ইজরক্কে
থৌজাল ললকুবীয়ো।”



লাই হরাওবদা মাইবনা লাই খুরুম্বগী শক্তম: (মাইবা, নাওরেম অচৌ সিংহ)। লাই হরাওবদা অয়ুক্কী মতমদা লমদমদুগী নুপীশিংনা হৈরুক কানৈ। মখোয়না ইবুধৌ লাইনিংথৌ অমদি লাইরেম্মদা কৎচরিবা পোৎশিং অদু কৎচবা মতমদা মাইবনা লাই খুরুম্বা।

**ৰাংব্রেল ফম্বাল কাবা পুয়া** অসি অইবনা ইবা মতমদা তাইবঙ মপুগী মফমদা মহাক্কী তৌওন্বা মতিক মগুনবু শৈথাদুনা শোয়দ-ঙামদনা লাইরিক ইনবা খুরুমজদুনা চঙজবনি। মসিনা খঙহল্লিবদি ঐখোয় খ্বাইবু শেন্বী-শাবীবা মপু অমদি লৈ, মায়পাকপা অমা ওইনবা মপু মাগী মফমদা চঙজবনি।

অদুবু হৌজিক্কী অশৈবশিংনা ইবা মতমদা মহাক মশাগী মরোমদোম হায়জবা নত্তনা কনাদসু চংজবা হায়জবা খুরুমজবগী ৰাখল য়াওদবগুম উই । মসিনা খঙহল্লিবদি কলি হায়বদূ মফমসিদা লৈরে ।

নুংগী ওইবা ৰাবু ফোঙদোক্তুনা অৰাংবা থাক্তা মীওইবগী নুংদা লৈরিবা অথুপপা মাগী মফমদা মশক উবা অমগুম লৌদুনা চঙজরি।

“লৈনুং লোনজা অরিবা
লাইজা ঈশিংনা পুদচিং
মালং অয়াংবনা পুদচিং
খাম্বী মৈনা চাক্তচিং
খুমন লাইনিংথৌ খুৎসু কৈ
লৈনুং খারো খুৎসু কৈ
নোংদাল লাইরেল খুৎসু কৈ
ইপুথৌ পাখংবা খোইরেল কৈ
মৈতৈ লৈমগী নুংগী কৈ
তেংপান মপু লাইলেনগী নুংগী কৈ
থংজিংনা থাংলিং লাইনিংথৌ
সংলিংবনা খুৎসু মৈঙাং ইক্লা সাই
লিক্লাই মরু খুম্থোক্লা কৈনি।”

- লাইফমলোন হৈকৎ-লৈকৎ ইরাৎ থৌনি লীক্লম-*তোনজাও মৈদিংঙু*

মতাং অসিদা ফোঙদোক্লিবসি নুংগী ওইবা অথুপ্পা মফমবু নুংকৈ হায়না মীংথোন্দুনা মহাক্কী মফমদা থমোয় শেংনা খুরুমজবগী ৰারোলনি।

মৈতৈ লৈমবু খুরুমজবগী মচৎ অমসু ঐখোয়না অরিবা লাইরিকশিংদা থেংনরি।

“লীং লীং হেং কীং কীং
লীং লীং হিং নিং নিং
নিং নীং নেং তিং তিং
লীং লীং হীং হীং
ইং ইং লীং নিং নীং
সিং রীং রীং
হে ইবেম্মা মৈতৈ লৈমা
মৈতৈ লৈমা ফম্বাল মখাদা
লৈরোলনুং লাইজা ইরোল নুংদা লৈবসু

মালং লক্তা লৈবা খিবিকসু চংহনবীদুনা
অপুনবা শক্তম পীনবীয়ু।।
মৈতৈ লৈমা ফমবাল ৰানে, পঙ্গৌবু ফানা
ৰানে, চিং চিং চিরিক দে হি নপ
চিংঙু লাই ওইবা খোয়ুম লাই ওইবা।”

পলেম ইমা অপোকপী, ইমা লৈবাক মৈতৈ লৈম লাইরেম্বীবু খুরুমজবগী ৱারোল ইদুনা ইপা-ইপুনা থম্বীরম্বনা ঐখোয়গী লাইরোন-তিলোনগী সাহিত্য নীংথিজনা লৈবগী লাক্লিবা মীরোননা কাননবা ফংই। অদুবু লুরিবদি মৈতৈ অইবশিংনা অরিবা লোলগী অর্থ নীংথিজনা তাকপীরমদবা কয়া অমসু লৈতবা নত্তে। মরম অসিনা অপাবশিংনা খঙবদা ৱানা থোকপা লৈতবা নত্তে। কয়া অমসু লৈরি।

লোৎতুনা ফুমদুনা থম্বা কয়া অমগী নুংগী ওইবা ৱা খঙবা ঙমদবা কয়া অমসু লৈরি। খরনা অখঙ-অহৈশিংনা কুপ্না থিজিনবদগী খর মখৈদি খঙবা ঙম্বগী লমখৈদা লেপলি।

ৱাফম অসিমক ঐখোয়গী লাইরোল-তিল্লোন্দা মমি চাউনা তারি। ইমেজরিগী শক্তম কয়াসু লাইরোল-তিল্লোন দা উবা ফংই। মরু ওইনা লাই খুরুম্বগী চঙজ-ৱারোল অয়াম্বা খুরুমজরিবা ইবুধৌ-ইবেন্ধৌগী নত্রগা লাই অদুগী মগুন শকপা অমদি মহাক্কী তৌঙন্না মতীক ময়াইবু শীংথাদুনা চঙজবনি।

ৱাংব্রেল হৈকৎ-লৈকৎতা অসুন্না ইরি:

“হে লাইনিংথৌ খানা চাউবা
ৱাংব্রেল লাইজা ইমাই থৈবা
অনাল মরয়নুং খুনেম চনু ওই থম্বাল
থারৈ কুমহল্লোই লৈমলৈ
তাহনলোই হায়বগী লাইজা ঈথোং থৌখাম্বা
পাম্বা কৈবী কৈরেন য়াথোকঙৈ
লাইরেম্বী লৱাই কোয়রেন সমলাং
ফৌদু নুংবীচা মতিলঙৈ নুংসম কৌখি
নমু পোঙ থোং লোনবা লায়নিংথৌ
তুবী লাইয়াম শারোই ঙারোই
হি য়াই মহিরেন পুকৈনি
ফত্তবা পুন্নমক্কী থোংথিংবা
অফবা পুন্নমক্কী থোং হাংবা।”

- ৱাংব্রেল হৈকৎ লৈকৎ ইৱাৎ থৌনি লিক্লম - *মৈদিংঙু তোনজাও*

লাইনিংথৌ ৱাংব্রেল খুরুম্বগী মরোলনি মথক্তা পীজরিবা। লাইশোল অসিদা ফত্তবা, সমাজবু অকায়বা পীরক্কদবা পুন্নমক্কী থোল্লককফম ওইরিবা থোঙ থিংলগা অফবা ওইগদবা পুন্নমক্কী লাক্লুবগী লম্বীগী থোঙ হাংদুনা থম্লগা অফবা নুংঙাই য়াইফবা পুরকপা ওইরসনু হায়বগী ৱাখল্লোন নীংথিজনা য়াওরবা লাইশোননি।

লাইশোল-তিনশোল হায়বসিমক্তবু খুরুমজগদৌরিবা তৌওব্বা মাগী মতীক মগুন খরা শীংথাবা অসি হৌনশানি। মসি ওইনা ওইনা লাইশোল-তিনশোলগী নুংগী ওইবা ৱাহন্থোক লৈতবা নত্তে। মমাঙহৈ লাইনিংথৌ ৱাংব্রেন মতমদসু মীওইবগী সমাজ অসিদা ফগদবা, চাউখৎপা পুরক্কদবা অফবা থবক্তমক পাওথোকপা য়াম্না মরু ওইবা অমনি হায়না লৌনৈ।

লাইনিংথৌ নোংসাবা খুরুমজবগী মতাংদসু অসুম্না ইবীরমই-

"তাইবঙ কোরং নোংসাবা
উতিন উকাং নিংথৌ, উকাং লঙ্গফাবা
মরম মতোল ফমফমনবা লাইনিংথৌ
নসানৌ ইবেন্ম্না উরেন উনা লঙ্গফাবী
খোংনাং লাইজা খোম্বী
মরম মতোম ফমফচবী।"

লাইনিংথৌ লাইরেম্বা নফমলাংদা হৈরাং পুংগা থোল, লৈরাং পুংগা থোল, চরৈ ফিঙাম মৈরা তরেৎকী সেনজা কৎচরি। খৈনা মিৎয়েং তাবীরগা হৈগী হৈসক খংনা চিন্দম্বীয়ু। লৈগী লৈসক খংনা লৈচিননবীয়ু। চরৈ ফি মসক খংনা ফিজেৎনবীয়ু। অরিবনা খাদা থম অনৌবনা হেকমায় কাহনবীরো। য়েৎনা লৈবা পরৈ ওইনা হন, ওইনা লৈবা পরৈ য়েৎনা হল্লবনি। খোয়দানা খোয়চংনা লৌসিনবীরবনিনা চিঙঙু লায়গা তাইবংগা কুইনা সাংনা লৈমিননবা তনদে তায়বং চাদি থৌজাল লনকুবীরো।

মতাং অসিদা "অরিবনা খাদা থম অনৌবনা হেকমায় কাহনবীরো" হায়রিবা ৱাহৈ পরেং অসি অরিববু নমহৎলগা অনৌবা খক্তা চৎনরসি হায়বা ঙাকসু নত্তে। অনৌবা লাকপা অফবা ৱাখল, থৌনা পুন্নমক অদু অরিবগী লেঙবান্দা তোংলগা ঐখোয়গী তাইবঙগী চাউখৎনবা হোৎনরসি হায়বগী ৱাখল্লোন শোয়দনা ওইগনি। অরিবগী ৱাখল্লোল, মাংলোমদা শাংনা উবগী, মীওইবগী পুনসিবু উবগী ৱাংলবা মগুন কনানসু থৌশাদবা য়ারোই। 'য়েৎনা লৈবা পরৈ ওইনা হন, ওইনা লৈবা পরৈ য়েৎনা হল্লবনি' ৱাফম অসি ঐখোয়না মীৎয়েং অনীদা য়েংবা য়াই।

**অহানবাঃ**

মতমগী মতুং ইননা অফ-ফত্ত অনীবু পুননা তোৎশিননদুনা লৈখিবা অদুবু অমুক হন্দোক্তুনা অফবা ৱাখল্লোনগী মখাদা নুংঙাই য়াইফবা ওইনবগীদমক লৈশিনখিবা অদু হন্দোক্লসি।

**অনিশুবাঃ**

অসুম্না অসুম ওইখ্রবা অদু অমা অমা খঙদে লৈশিনখিবা অদু হল্লে হায়রগা ফত্তবশিং হুন্দোকখ্রগা অফবত্তা লৌশিন্দুনা নুংঙাই য়াইফবা ওইরসনু হায়বগী ৱাখল্লোনগা লোয়ননা ইং-তপপা ৱাখল পুক্লীং লাক্লসনু হায়বনি।

মৈতৈগী লাই খুরুম্বগী লাইশোল অয়াম্বা লাইবু লৈশি-লৈথোম্দুনা মতীক মগুন থাদুনা শোনবা ঙাক্তনি।

"Rymns are originally songs of praise addressed to a deity. The religion, more particularly songs normally strophe in from intended for congregational performance."


**ঈরাৎ থৌনীগী মরী লৈনবা লাইরিক খর পল্লবদা-**

থৌনীরোল, থৌনীরোল লম্বুবা, ঈরাৎলোন, চুপ শারোন, য়াবিরোক ঈরাৎ, য়াইরাং লাইশোন, য়াঙবী, লাইফল্লোন ঈরাৎ থৌনী লীল্লম, খুননুং ঈরাৎলোন- নচিংবা পনবা য়াই।

## লাইৱা-তীনৱা (Incantation Spell)

লাইৱা-তীনৱা মায়কৈদা য়েংলবদি পনবা য়াবা লাইরিকশিংদি উশিনলোন, মিকৌরোন, লাইহৎলোন, থাঙ লোন, থেঙ্গৌ অমদি লোইখোমলোন পনবা য়াই। পনজরিবা খরা অসিনা লোইবা নত্তে। থোইদোক্না মীয়াম্না খঙনদবা কয়া অমা লৈরি।

মৈতৈ জাতিগী ঈরাৎ থৌনীরোনগী পনখৈদা য়েংবা মতমদা মচু তানা ফজরবা, ইমেজরি ৱাংবা, ইনভাইরোনমেন্ট অমদি হেবিটেসনগী ৱাখল্লোননা ঈচেল ওইবা কয়া অমা লৈরি।



**মৈতৈ কোর্বেক্কী মশক অমা**

Habitation অমদি Environment কী মায়কৈদা য়েংবা মতমদা ঐখোয়না 'হিজন-হিরাও' থেংনৈ। মসি নত্তবা কয়া অমসু লৈরমগনি। হিজন-হিরাওগী মতাংদা খরদং পনবা তারবদি-

খৃষ্টকী মঙাশুবা চহিচাদা পানখিবা লুংৱাং নিংথৌ পুনসিবা কৌবা নিংথৌ অমগী সনা হাক্তক্তা থোকখিবা থৌদোক অমনি। থৌদোক অসিনা খঙহল্লিবদি লৈবাক অসিদা হি শীজিননবগী মমি তারমদে হায়বসিনি। লুৱাং নিংথৌ পুনসিবনা লম য়েংবা থোকলকপদা তুরেল ঈশিং চাউরম্মী। ঈশিংগী ঈচেন্দা তাওথরকপা কৌশীং-কৌরাদা ককচেং, তিল-কাঙ কয়ানা তোংদুনা তাওথরকপা অদুবু উরগা নিংথৌনা খনখিঃ করিগুম্বা উ অচৌবা অমা য়াল্লগা মনুং কুৎহল্লগা ঈশিংদা তাওথহল্লবদি মীওইবসু ঈশিং মথক্তা তাওদুনা ঈরানবা য়াগনি। মরম অসিদগী নিংথৌ লুৱাং নিংথৌ পুনসিবনা খুৎহৈবা মনাই ৱাঙমিৎসু অমসুং মনাও ৱাংমনাউ কৌদুনা ৱাকয়ৈ হি শাননবগীদমক ঈঙেল চীং কৌবা মফমদা উজাউ হৌব্রা য়েংলুনবা থাখি। লুৱাং ৱাংমিৎসু অমসুং লুৱাং মনাউ শিলহৈবা অনীনা চেংজেল, খুৎশু-খুৎলাই পুদুনা ঈঙেল চীংদা চৎখি। মখোয় অনীনা চৎপা অদুদা ঈঙেল চীংগী লোকচপ অমদা অচৌবা উনিংথৌ পাম্বী আ হৌরম্বা থেংনখি। অদুবু মৈতৈ জাতিগী চৎনবীদা অচৌবা উ অমবু পাম্বী হায়দুনা হেক্ত য়ানবা য়াদে। মৈতৈ ইপা-ইপুনা তাকপীরম্বা থৌরম খরা (মথৌ-মঙম) উ অদু য়াম্

দ্রৌঙদা পাঙথোক্কবা য়াদে। থৌরম অদুদি য়ানগদৌরিবা উ অদুগী মখোঙদা 'চেঙ য়েরুম্মচিংবা থারগা' উদু য়ানবগী পাউ তাকলমগনি।

'হয়েং কৌবা নোংজাদা হে উজাউ নঙবু য়ানবা তারে।

সনা কোনয়াই লুপা কোনয়াই থাদুনা নঙগী মমল হল্লবনি।'

অসুম্না হায়রগা শীংজংনা উরাই থারম্মী।

হায়রিবা থৌওং অসি ঙসি ফাওবদা চৎনরি। মসিগী নুংগী ওইবা ৱাহন্থোক নীংথিজনা য়াওরি। মদুদি জাতি অসিনা মীওইবখক্তা নত্তনা হৌরিবা উ, ৱা, নাপী শীংবী পুম্নমক্কসু মীওইবগী মতৌগুম থৱায় পাল্লি হায়বসি উৎলি। মরম অসিনা উ অদুবু য়ান্দ্রিদৈঙদা মহাকপু হয়েংদি য়ানবা তারে হায়দুনা হাননা পাউ তাকপনি। অদুগা পাউ পীখ্রবা মতুংদা হয়েং য়াল্লগনি হায়বগী অহীংদুদা য়ানখ্রগদবা উজাউ অদুগীদমক ঈঙেল চীংনা পঙ্খৌ অপোকপা শক্লগা উজাউদুনা হৌরিবা লোকচপ অদুনা পলেম মমাগী মশক লৌরগা অপোকপী মমানা তেংথাবা অসি ঐখোয়গী লাইরোল-তীল্লোনগা মরী য়াম্না নক্লা লৈনৈ।

"চীংঙু খোইয়ম লাইনিংথৌ
খোইয়ম য়াইবী তলহৌগা
অমমা লৈশা হাল্লকপা
য়াইবী ওংথি হুমওইনা
খেরে নুংগোল তকুপ হৌ
পুইদিং নোংথাঙ তরঙলেন
তরঙ লাইজা ঈ পোকপা
চীংঙু লিন্দাই তাউবী ইরোয়নাই
তুবী লাইরেন তাউরোইনাই
নুঙঙু শিদবা নুঙ্গঙ মহারাবা
য়াইবী নুংঙৌ পীমাবা
চীংঙু কোরৌ অয়েংবা
ৱাংবা নিংথৌ পানজুম্বা
হুপলা মপান থাবগী
হারা মউ লিংবগী
মিসেক মোংগাই মহুমনুং
পরিং লাশং হুনং
উকাক মায়থোং য়াম্না
মালেম লৈশেল্লকপা
উকাক মায়থোং য়াম্না
মালেম লৈশেল্লকপা
কোরৌ নোংহৌরকপা ইবুংঙো
কোরৌ নোংমদোন নুনাং কাউখঙকোন্দা

মালং নুংশিৎ শিদবনা
তোংলেন তম্না শীৎপদা
চীংঙু য়াব্রা নখোনজেল
লাংবন খোইবু লোন্দানবা
খোনজেল উং ময়েকথোক্লা
নপোক খোইরা য়াল্লকপা
চীংঙু ইবুংঙো নংগা
নশানৌ খোইমোম লনগুচাউবীগা
চীংঙু নতৈ ননাওনা
চীংঙু নঙগী ফম্বাল্লাং
মীরান অমনা চঙঙমদবা
পোংলাং অমনা য়ৌঙমদবা
কিয়োং লাইশঙ অসিদা
চীংঙু নতৈ ননাউনা ফমফম্নবা অসিদা
খোইমোম নঙগী নদাইরেম
নখুন খুনপুক অচঙবা
খুম্থক্তি মরাঙ হৌবা
খুনখাদি মনিল নাইবনা
তীনজা লাইমু ফত্তববু
কোরৌ নুমিৎ শীংবুমদি
হরাও শকশেম তম
থৌথোক কুমহৈবু ঈয়োং
শঙদিং কক্কে হায়রক্কে
লাইরেন মৈদিংঙুগা মদাইরেম
পোইরৈ শৈশকপা ব্রাংঙম তেংথাবনা
চীংঙু নঙগী অহিং
চীংনুং চীংখোঙ য়াকৈ উচেক্কা
অয়ুক্তনা য়েন্দামাং অঙনবদা
লফুৎ ফমজিংলাংবু থাদপম
চৈজিং য়েৎতা পায়না
চীংঙু ইবুংঙো নঙবু
হৌরো হৌরো হায়না
অহিং ইনুং চীংখোঙ য়াকৈবসুঙ
চীংঙু থৌদোন লোম্লগে হায়রক্কে।"

শৈরেং মতেক অসিদা তাইবঙ শেন্বীবা মপুবু খুরুমজদুনা মহাক্কী মতীক মগুনবু শৈথাদুনা মপাল নাইদ্রবা

থৱায় ময়াম অসিগী মথক্তা অহেনবা ওইদুনা লৈরিবা মহাক্কী তৌওম্ববু অমদি থৌজালবু নীংথিজনা শৈথারি। অয়ুক্কী য়েন্দা অঙনবদা পেনা শকপা অশৈবনা পেনা থাদা পামদুনা চীংঙু লাইনিংথৌ লাইরেম্মা অনিগী মতীক মগুনবু শৈথাদুনা য়াকাইহনরিবা তাইবঙ শেম্বীবা মপুবু খুরুমবগী ৱারোলনা মতীক লৈনা শৈথারি।

মসিগী মতুংদা পলেম মমা শকপী লোকচপনা ইরোক লাইচম লৈমা কৌবী মশানা নোংঙাল্লগদি উবা ফংলরোইদ্রবা মচা উজাউদুগী অহিং অদুদা তেংথারকপগী শৈরোন্দি-

“ পলেম মমা শাৎমাবী
উপী উরেন পোকপী
মালেম তম্পাক লৈরেনহনবী
চীংশাং নাপোম লৈমা
মালেম কাপতু ওইরেন য়াইমরু
খোইরা লেনফু মপানগী
হুইরেন মপান য়াইমরুবু ওইনা
মীলেন মপুং ফারকপী
চীংনুং নোংথাং কুপপদা
চেংলৌ শকথোং ওইরকপী
য়িরোক লাইচম লৈমা
শান্বা থাংনোং পোকপী
ফৈজা ফৈঙৌ পোকপী পলেম মমানা
পামেল ৱাংনু লমথোইবা তরা অরেম্ববু
থীকলেন থাদা কোননা পাউমেল্লকএ।
পারী তনা চাউথোইবা পামেল ৱাংথোইবা
নংবু পলেম নমা ঐনা
লহাননোং তলা নাৱা নখুঙৈ
পামেল-হৈরাঙ-চারী-নাওন হৌরকঙৈদা
শান্বা ওইয়ো থাংথোং ওইয়ো
তনমু তমহাউ ওইগনু শয়ি কুহী ওইয়ো
উচাল লেংদা ওইয়ো
ফৈজা ফৈঙৌ ওইয়ো
মিসি থাওয়াম ওইয়ো
হায়না পাউমেনববু ইবুংঙো
পলেম থৌতিকখোনবু
মাই ৱাচানদবগী মরম্মা
তনমু  তলহাউ ওই তলা ৱাংনু
লমজাউথোইবা খরোয় লুৱাংবনা কাঙমদা
য়োংনাউ শাথিবনা তনঙমদবা
তলা উনিংথৌ নাচুম্ববু

থৱায় ময়াম অসিগী মথক্তা অহেনবা ওইদুনা লৈরিবা মহাক্কী তৌওম্ববু অমদি থৌজালবু নীংথিজনা শৈথারি। অয়ুক্কী য়েন্দা অঙনবদা পেনা শকপা অশৈবনা পেনা থাদা পামদুনা চীংঙু লাইনিংথৌ লাইরেম্মা অনিগী মতীক মগুনবু শৈথাদুনা য়াকাইহনরিবা তাইবঙ শেম্বীবা মপুবু খুরুমবগী ৱারোলনা মতীক লৈনা শৈথারি।

মসিগী মতুংদা পলেম মমা শকপী লোকচপনা ইরোক লাইচম লৈমা কৌবী মশানা নোংঙাল্লগদি উবা ফংলরোইদ্রবা মচা উজাউদুগী অহিং অদুদা তেংথারকপগী শৈরোন্দি-

“ পলেম মমা শাৎমাবী  
উপী উরেন পোকপী  
মালেম তম্পাক লৈরেনহনবী  
চীংশাং নাপোম লৈমা  
মালেম কাপতু ওইরেন য়াইমরু  
খোইরা লেনফু মপানগী  
হুইরেন মপান য়াইমরুবু ওইনা  
মীলেন মপুং ফারকপী  
চীংনুং নোংথাং কুপপদা  
চেংলৌ শকথোং ওইরকপী  
য়িরোক লাইচম লৈমা  
শাম্বা থাংনোং পোকপী  
ফৈজা ফৈঙৌ পোকপী পলেম মমানা  
পামেল ৱাংনু লমথোইবা তরা অরেম্ববু  
থীকলেন থাদা কোননা পাউমেল্লকএ।  
পারী তনা চাউথোইবা পামেল ৱাংথোইবা  
নংবু পলেম নমা ঐনা  
লহাননোং তলা নাৱা নখুঙৈ  
পামেল-হৈরাঙ-চারী-নাওন হৌরকঙৈদা  
শাম্বা ওইয়ো থাংথোং ওইয়ো  
তনমু তমহাউ ওইগনু শয়ি কুহী ওইয়ো  
উচাল লেংদা ওইয়ো  
ফৈজা ফৈঙৌ ওইয়ো  
মিসি থাঙয়াম ওইয়ো  
হায়না পাউমেনববু ইবুংঙো  
পলেম থৌতিকখোনবু  
মাই ৱাচানদবগী মরম্না  
তনমু তলহাউ ওই তলা ৱাংনু  
লমজাউথোইবা খরোয় লুৱাংবনা কাঙমদা  
য়োংনাউ শাথিবনা তনঙমদবা  
তলা উনিংথৌ নাচুম্ববু

লৈনা শানওল্লক্লবা অসিদা
হয়েং কোরৌ নোঙ্গা শোয়রবদা
নুংবাল ৱাংমিৎখু লুৱাং ৱাংমনাও শিলহৈবা
নুংবান উ থিবা লুৱাং উয়েংবনা
চেংলৌ মিৎথিৎলা মিৎয়েং তেনবাল্লবগী
কোরৌ নোংলুপান অঙৌবনা
লুপা কোনগা চল,
মালেম লৈসনা অঙাঙবনা
সনা য়ায়গা চন্না চেঙঙৌ ফাহাপলা
য়েরুম কাংগা খিন্না
হৈরাং অশং য়েংনা
তলা নমল হল্লল্লে
পলেম নমা ঐনা
য়িরোক লাইচম খুদিংদা
কোয়না মিৎয়েং শানখৈববু
তলা নঙগুম্ববু শাৎতরিএ
পমেল নমা ঐদি
তলা নমান্নবা কনা য়েংনা পালহৌরসিবনো!"

মতাং অসিদা হয়েং ইনুং ঙাল্লগা য়ানখ্রগদবা উনিংথৌ অদুগী ৱাখন্না ঙাওরবী পলেম মমা, ইরোক লাইচম লৈমনা অহিংদা মচাবু য়েংলগা তেংথাবগী ৱারোল্লি। করিগুম্বা উনিংথৌ উজাউ ওইরমদ্রবা, মীনা পামলোইদবা উ মখল অমা ওইনা হৌরল্লবদি ৱাংমিৎখু ৱাংমিৎনাওনা মাবু য়েংলল্লোইদবনি, য়েংদ্রবনিনা য়াল্লরোই। হৌজিক্তি মানা মপাল মউ লীংবা অচৌবা তোমথিল ঙানবা উশক অমা ওইনা হৌরল্লবনিনা হয়েং ইনুং ঙানবদা য়ানখ্রগনি, য়াল্লবনিনা পুখ্রগনি। মরমদুনা মাগী মশক অমুক উবা ফংলরোই হায়না তেংথাবনি। তেংথারোল অসি খ্বাইদগী ফজবা অমদি নুংগী ৱাখল্লোন ৱাংবা অমনি। ইমেজরিগী নীংথিজরবা মশক অমা শেমগৎতুনা অহিংবা জীবগুম ফোঙদোকপনি। মসি ইচম-চম্বা তেংথারোল অমদি নত্তে। অসিগুম্বা মখলগী শৈথা অতাঙবনি। মৈতৈ জাতিগী লারোম্বক্তা উবা ফংবগী নুংঙাইবা ফাওরিবসি মমল নাইদবা অমা শোয়দনা ওইগনি।

ঐখোয়গী লাইরোল-তিল্লোনগী তাইবঙ অসি য়াম্না পাক-চাউই, মসি ঐখোয়গী জাতিগীত নত্তে। জাতি খুদিংমক্কী লৈরমগনি। অদুক য়াম্না থিজিল্লুবা লৈতে ঐখোয়সিগী ৱাংমদা। ঐখোয় মীয়াম্না খঙনদবা কয়া অমসু লৈরি। লম লমগী খুঙ্গংদা লৈবা মাইবা মাইবী কয়ানা ঐখোয়না ময়েক তাদুনা উরিবশিংগী ৱাংমদা শীজিননবা কয়া লৈতবা নত্তে।

লাই হরাওবগী লাইরোই নুমিৎতা মাইবনা ঔগ্রী লাইশোল ঈশৈ ওইনা শক্লে। থৌরী লীশরং ৪ লাতোন অমগী মথক্তা থল্লগা লাইরেম্মা অমসুং লাইনিংথৌ নাকল অনী খায়দোক্তুনা নুপা অমসুং নুপী মশীং চপ মানননা থৌরী পায়দুনা লেপই। থৌরী পায়রিবা নুপা নুপীশিংনা লাইরোল শোনবা লোইদ্রি ফাওবা লেংবা খোৎপা য়াদে,

থৌরী মখূৎতগী নাম্বোকপা য়াদে। মসি য়াম্না লুনা লৌনৈ। মসিনা তাকপদি পী পা অনীনা সমভোগ ওইরিবঁগী মওং মতৌ অদু ফোঙদোকপনি। ঔগীগী লোইশিল্লকপা মতাংদা অসুম্না শৈথারি -

"সনাগীদি লিনগোইগীদি
য়োয়ময়াইদি তাউদনবদি কোল্লোয়ে।
নুমিৎ ওল্লবদা, দোলাই চায়রবদা কোল্লো।
মিরেল লৈরবদা চেপনা লৈরবদা কোল্লো।
হেমপা থারবদা থাদা থারবদা কোল্লোয়ে।
লোইজিঙ লুল্লবদা চিঙজাউ হুল্লবদা কোল্লো।
য়োয়ময়াইদি তাউদনবদি থবি লৈজমখিসুনো।
কোল্লোয়ে হয়িঙৈবু কোল্লো মালেম হৌঙৈদি
লৈগা হৌঙৈদি কোল্লো। পোইরৈ শেমঙৈগী
লৈগা শেমঙৈগীবু কোল্লোয়ে। ওংলৌ তোননা লৌখিবনা কোল্লো।
পুক্লুং থাগী হৱাই থাগী
থাংঙপাক থাগীবু কোল্লো। শংলৌ লেক্লবদা
মনা লেক্লবদা কোল্লো। য়েলাং লাল্লবদা
মতা লাল্লবদা পুকনুং ওল্লববু মিতম ওল্লববু কোল্লো
মহৈ অংগো পাল্লববু কোল্লো।
শমদোন অয়াঙবনা পুক্লীংবু হৱাইরিববু কোল্লো।
মরিরেদা নেৎথৎৱাইগীবু হৌনখিয়ে কোল্লো।
ওংলৌ তোনগা লৌথিবনা কোল্লো
য়াইবী হৌরে মনুং হৌরে কোল্লো।
তিম্লাং শাওরে মখোয় শাওরে কোল্লো
শামদোন অয়াঙবগা ওংলৌতোনগা
লৌথিবগা কোল্লো হাও মুকননে
লেংফাই চললেদা কোল্লো মোংবা য়েৎলে
তাজিল য়েৎলেদা কোল্লো।
শামদোন অয়াঙববু হুন্না থুরে কোঙ্গাই থুরেদা কোল্লো।
মতু ফোয়রে মমলি ফোয়রেদা কোল্লো।
মকোয় ফোয়রে মরাঙ ফোয়রেদা কোল্লো।
খোয়নৌ মৈবু মরাং মৈবুদা কোল্লোয়ে।
লাংজেং শৎনা কোংবা শৎনদা কোল্লো।
লৈশৎচিঙদা চিঙলাংমৈদা কোল্লোয়ে।
শৱা চিঙদা তুগেনবা চিঙদা কোল্লোয়ে।
থাঙমৈহনগা মারহনগা কোল্লোয়ে।
ওঙজাবগা চিঙমাবগা কোল্লোয়ে।

মমোম্বীগা অৱাংবীগা কোল্লোয়ে লাংজল ৱাইনালিতোল
ৱাইনা কোন্নরময়ে কোল্লো মকোনথোকফিবু কোল্লোয়ে।
হংগেল কোল্লো হংগেল কোল্লো
হংগেল কোল্লো হংগেল কোল্লো।

**ৱচেৎলোননা করি হায়রিঃ**

খুন্নুং ঈরাৎলোনগী মনুংদা ৱাচেৎলোন্দা জাতি অসিগী অরোন-অথুপ লাইশোল-তিনশোলগী ৱা য়াওরি। য়াওরিবশিং জাতি অসিগীতা নত্তে, মীওইবা জাতিগী ওইগনি।

"মিৎ অনিমা, নাকোঙ অনিমা, শোরগা থানা
মঙানবু প্রান মঙা কৌয়ে। থৱায় মঙা কৌয়ে।
লোয়নবা মঙা কৌয়ে।
নুমিৎ চয়োল তরেৎমা কৌবদি
থোঙ তরেৎমবু কৌয়ে।
কোরোন মাপলনা কৌবদি
থোঙ মাপল'মনে।
উমংলাই মাপলমনে, ঐহাক কৌয়ে, ইশক কৌয়ে,
নোংপোক কৌব্রু য়াফম মরোল অহুমমা কৌয়ে,
বৃন্দাবন অহুমমা কৌয়ে।
কাল্লাফিশেৎ ওইরিবা গোবিন্দ কৌবা লাইদি অদুনে।
অদুবু নিঙলদুনা থাজদ্রবদি নোরোক ৮৪মদা তারে।
মীগী মপোক ফংজদ্রে।
মীবু চেৎনা পায়রবদি গুরুদা কাকফৈনা তৌবগুম লামখিয়ে।
অদুবু বৈকুণ্ঠ কাবা কৌয়ে।
অদুবু হেন্না বৈকুণ্ঠ অমা লৈতে।
লাই অমা লৈতে। অদুবু হেনবা অমা লৈ হায়বদি
নোংথৌ মতোন্দা য়েংও।
লায়পাক মখাদা য়েংও
লৈরোইদবনে খঙও।"

**মীওইবনা ইং তপ্পা পুনসি লোম্বা ফাওবা হিংদুনা ঈশ্বরগী খুয়া তানগে নীংলবদি ঈশ্বরবু থাজৌ,** মহাকপু থাজদ্রবদি নোরোক তাই হায়না পাউতাক পীরি।

"ঙসি কৌবদি ঐহাকনে, হয়েং কৌবদি ইমানে
হয়েংশিৎ কৌবদি ইপানি। অদুবুদুম গুরুগি ফম্বীনে।
মরম অমসু হায়গে। ঙসি কৌবদি হ নে।
হয়েং কৌবদি রনে। হয়েংশিৎ কৌবদি স নে।
অহুম অদুবু ইপা, ইমা, ঐহাক কৌয়ে।

ব্রহ্ম, বিষ্ণু মহেশ্বরসু কৌএ।
মৈতৈনা ময়, ঈশিং নোংশিৎ অহুমমা কৌএ।
নোংপোক থাংজিং কৌব্রু অহুমবুসু কৌএ।
হ না ময়া পোকএ, র না ঈশিং পোকএ।
স না নোংশিৎ পোকএ
অহুমমা ময়েক অমতনে।
তিননবা মফম খঙলবদি লিঙ্গনাম খঙবা কৌয়ে।
নিপাবু হায়পোক কৌএ।
নুপীবু হিয়াঙ থাং কৌএ।
নুপা হায়পোক অদুনা নুপী হিয়া থাংদা পোকয়ে
অদুগী হায়পোক কৌএ। নুপাববু হোইরও কৌএ।
নুপীবু হয়া কৌএ। অদুগী হয়িনা মপাল থাবা
হয়িনা মউ লিংবা কৌবদি
গর্ভগী অঙাং মরু হুনববু কৌএ।
লিঙ্গনাম কৌবদি নিংশাবু কৌএ।
থোঙ মাপল'মগী মরিন তেংএ হায়বসিবু
লিঙ্গনাম কৌএ। তেংবমক্তি করম তেংবনো হায়রবদী
মিৎতগী মিৎশাং থোকএ। নাকোঙদগী নপথী থোকএ।
নাতোন্দগী নপ থোকএ। চিন্দগী তিন থোকএ।
য়াদগী য়াথী থোকএ।
ওরাং নুমিদাং অশং অমান চখিববু ঙসি তুল্লকএ।
ঈশিং থকখিববু ময়দা লোনবগুম ঙাঙনা থোল্লকএ।
থোঙ মাপলমদা শৌরিবা অসি খৈবিকপু।
লিঙ্গনাম থোকহল্লে। নাম অদুনা লেপ্পা
হকচাংবু পুদুনা লৈরিএ।"

মীওইবগী হকচাংবু শাগৎলিবা, মসিবু হিংহল্লিবা হঙ্গৎ-হন্দা চৎপা নুংশিৎ অদুবু নিংশা হোনবা তৌদুনা মসিবু হিংহন্নবগীদমক চাখি থকখিবশিংগী মথী ওইবা কান্নদ্রবশিং হকচাংগী থোঙ মাপান্দা মখল মখলগী মমিং কৌদুনা থোকখি। মদুদগী লৈহৌরিবা মচি ওইবা পোৎশক অদুনা ঈরম-নাওরম শাগৎতুনা তোংশা মথোৎ কাইদনা থম্মী। নিংশাশোরবু লিঙ্গনাম হায়না কৌরি। নিংশাশোর হোন্দোক হোনজিন তৌবনা হকচাংগী চাবা তুমহনবগী থবক তৌরি। ডাইজেষ্টিব সিষ্টেমবু থোকহল্লিবা কয়াৎসি মা মাগী মথৌ পাঙথোকপবুসু তাকপীরি।

"নম্বুন্দগি (য়াওরওদগী) শঙাইনা মচী-কেক্রু থোক্তরি।
তোকপদগী ঙমুনা খোইচু তোলোং চিন্দরি।
কোংবদগী ঙখানা পুলাং ফনেক লাক্তরি।
শুক্রা মপান শাদরি।
য়াংকোক্লা মহয় য়ান্দরি।"

লৈশাবী অমা ওইবগী মপৃঙ ফাবা ওইদরিববু প্রমান পাম্থে তৌদুনা নুংদা ফুমদুনা থম্লগা খঙহল্লি। মপুঙ ফারকপগী কোক্লেন শম্লাং শমদুনা শম্মুল পুনবা য়াদরিবা, খাগী থোঙবু ঙাক্লবা শম হৌদরিবা অমদি নুপী ওইবীগী থাগী খোঙকাপ লাক্তরিববু খঙহল্লি। ব্রাফম অসিদা অমুক 'হৈচাং মখোই তোঙদরি' হায়বা অমসু শিজিননদুনা থাইন ঈপোমলাংদববু খঙহল্লি।

শগোল তোংবা কাইরাম্বা নঙবু তোংবা য়াঙদবা' কৌবদি নুপী নপা অনী ফমদিননবা য়াঙবা লৈতে হায়না ফোঙদোক্লি। থাইনগী পাউতাক পাউখোঙ অমদি লাইশোল-তিনশোল অমগা অমগা মরী লৈনবা উবা ফংই।

নুমিৎ তাখিবা অমদি থোক্লকপবু থাদুনা অসুম্না ইরি। 'নুপাবু নোংপোক কৌএ। নুপীবু পাম্থোইবী কৌএ। নুপাবু শিংঙলেন কৌএ। নুপীবু লৈরাং কৌএ। নোক্লফমনা পোইরৈতোন কৌএ। পোইরৈতোন কৌবদি নুমিৎ থোক্লকপবু কৌএ। লাইখুরেম্বী হায়বদি নুমিৎ তাখিববু কৌএ।

মমাংহৈদা মচা পোকপদি লব্রাইদা, সেক্রাক্তা পোকলম্মী হায়বা অদু হৌজিক্তদা নাখৈ শেংলক্লি। মদুদি লফুনা লব্রাইদা থারো শাৎলগা মহৈনা লফোই পাল্লকই। চুচাকনা থেগাংদা হায়বদি সেক্রাক্তা পোক্লি।

**ঈরাৎ থৌনীগী মতাংদাঃ**

ঈরাৎ থৌনী হায়বসি মমাঙহৈদগী চৎনরকপা অদু হৌজিকসু অদুম্মক চৎনরি। থাজনবীগী মতুং ইন্না মখল মখাগী ঈরাৎ-থৌনী পাঙথোক্লরি। শম্না পনজরবদা কনাগুম্বা মী অমা হোসপিটালদা ওপরেসন তৌবা তারবদি ওপরেসন নুমিৎ অদুদা অনাবনা ওপরেসন কাদা চঙখিবগা অনাবা অদুগী ইমুং-মনুংগী মী অমনা ওপরেসন কাগী মমাঙদা ঈশ্বরগী মফমদা অহাও-অথুম কৎতুনা, ধুপ থাওমৈ থাই। মসিনা খঙহল্লিবদি ডাক্তরনা অনাবদুবু ওপরেসন পাঙথোকপা মতমদা অশোয়-অঙাম য়াওদনা মায় পাক্লা পাঙথোকহননবগীদমক তাইবঙ মপু মাগী মফমদা খুরুমজবনি। মায়কৈ অসোমদা য়েংলুবা মতমদা ঈরাৎ থৌনী হায়বসি তাইবঙ মীওইবগা থাদোক্লবা য়াদবা অমা ওইদুনা লাক্লি অমসুং ওইরি।

"ঈশিংনা ঙাঙনা লপকাং, লৈনাংনা মরোকুম্বা থোক্লা
চেল্লবা, অতিয়াদা চুমথাঙ অঙৌবা খল্লবা, হুইনা
লৈপাক হোৎনা কপ্লবা, লাই ফত্তবনা খুল্লক চঙলবা অসিগী
ফনবা ঈরাত্তি খোংমুংনা চেনবা মফমদা ঈরাৎকদবনে।
পোৎয়াওদি লুতুংদগী শম্নে, লব্রাইদগী শম্নে, লেনফুদগী শম্নে,
নাকোঙ অনিমদগী এলনে, মিৎ অনিমদগী এলনে, অসি খৈবিক্লা
পোৎয়াও ওইয়ু। লাদি লাতোননা ওইয়ু। লৈপাক মনুংদা
কামশিল্লু। মদুদগী লৈবাক খরা পুরক্তুনা চাওবরি পুঙদা
মাইপাংনা 'র' লৈমরেল শিদবীদা উৎলো। চিথেক অমদা
চাইনা উৎলো, নুপী নুপা খৈবিকসুং খেনিং চোংনিঙগদবনে
অদুগা খাম শাঙদা নমায় খোং অয়ুংবা অদুম ওন্দুনা
নখোঙ অহুল্লক থিল্লো শয়েঙ পাম্বোম তিংও।
ময়েক অহুম শোল্লো।
'পা, পা, পা হায়না কল্লা কৌদুনা উফোঙপাত্তা

খোঙ হাল্লকও। অদুগা লমচিক্তা চীংঙ্খে ঙাইনা লৈও।”

**লমগী উচেক্লা য়ুমদা চঙদুনা ময়োম ময়োম খেকপগী ঈরাৎঃ**

‘ফু অহনবা অমগী মনুংদা লফোই লফাং অমা, লৈ চন্দোল, হৈরুক পানা হাপ্তুনা নারক্তা হুন্দোকও।’

লাইৱাদি- ‘মং মিং মি মি মি, মো মো মো’ হায়না তরারক শোন্দুনা য়ৈথায়রুও।

উচিনা উতিলগা লোই তান্নবগী ঈরাৎতি ফৌ মরম ১২গী য়াম্না উচি অমা শাও। লফু চংবী মরুনা উতিল অমা শাও অদুগা লাতোন অমদা থমও। চেঙ থোইদিং, লৈ চন্দোল, হৈরুক পানা, থাওমৈ।

লাইৱাদি- ‘ৱা, রি, রে, রো, লা, লি, লে র’ অহুল্লক শোনগদবনে।

**শবিনা য়ুমদা চঙবগীঃ**

ফি অঙৌবা অমবু য়াওগদবনে। উরম তরেৎকী শিঙ, নাপী মরম তরেৎকী উৎ, ফৌ মরম তরেৎকী য়াম, য়াই মরম তরেৎনে, মসিনা শবি অমা শাও। হৈ, লৈ পানা ক্বা য়াওনা অদুগা ময়ায়দা থাঙনা ককও। মকক অমদি মখা পাংনা হুন্দোকউ। মকক অমদি লৈপাক্তা ফুমও।

লাইৱাদি- ‘উৎ উঙ, ভু ভা স্বহায় নমঃ’

অসুম হায়না থাঙনা তরেৎলক য়ান্না শোল্লো। থাঙ অদু নুমিত্তা কৎলু।

**য়েননা য়ুথক মরিদা খোংদরবগীঃ**

য়ুমশকৈশগী অহিংদা লাইশঙ ওইরবসু ফয় ওইরবসুং অমগী মনুংদা ৱাই তৈদুনা য়াম্না লাইৱা মাপল ইগদবনে। চেঙ মপুম তরানিপাল লাতোন অমদা থমও। লৈ চন্দোল ধুপ থাওমৈ হৈরুক পানা, সনা, লুপা, পুহান য়াওগদবনে।

লাইৱাদি- ‘ওঁ ক্বাকহিং কুপ কুপ স্বাহায় নমঃ’ তরেৎলক শোল্লো।

**ক্বাক্লা মতম নাইদনা লৈখাক লৈখাক খোংলবগী ঈরাৎঃ**

চেঙ মরম তরানিপালগী য়াম্না লিন অমা শাও। তিংথৌনা মুনি মরি শাদুনা লিন অদুবু মঙক্তা কিশিনবিয়ো। হৈরুক থাওমৈ য়াওনা থাঙজগী অয়ুক্তা লাৎও।

লাইৱাদি- ‘ওঁ শ্র স্বাহায় বি মহায় নমঃ’। শোন্দুনা মৈরম পাংবদা থৌরম তৌও।

**লাইরেননা উদা কাবা, লম্বীদা চৎপগী ঈরাত্তিঃ**

শগোলশেলগী নোংয়াইদা পাৎ ইরান তাবগী মনাক্তা হৌবা উগী মখাদা তেরা অঙৌবা কুরাও, হৈমাং তেংনৌ, হৈপোং, মঙামা অসিবু ফক্তনা লফু মথক্তা থমও।

লাইৱাদি- ‘ওঁ গুমভী গুমরা খ্রায়া স্বাহায় নমঃ’ তরেৎলক শোল্লু।

মৈবুল অমা উ অদুদা খিন্দুনা মুৎলো।

**ক্বাক্লা ময়োম ময়োম পাইনা খোংলবগীঃ**

চিংজেং অহোবদা নাপী মরম তরেৎকী মরুনা হুন্দুনা লাইৱা শোল্লো।

লাইৱাদি- ‘হিং হা, উংউ হায়’। তরেৎলক শোল্লু।

**তুরেন্দা ঈ-না চেনবগীঃ**

ময়া কাবা মরম মাপল, ফি অঙাংবা অমা, চন্দোল অঙাংবা অমদি লৈ অঙাংবা তুখুন মাপলগী ঈশিং, ষনবী মাপলগী মখোম, চুহী, খোইহি, ঘী, হৈরুক পানা য়াওনা তুরেন্দা ঈরাৎকদবনি।

লাইৰাদি- ওঁ হা রং খেঃ স্বাহায় নমঃ। য়াং য়িং তরং' হায়না মাপল্লক শোন্দুনা ঈশিং হৈদোকও।

**হুইনা য়ুমথক্তা কারবদি মপু অদু শিএ**। ফনবা ঈরাৎতি য়ুমগী মপোক নুমিৎতা পাঙথোক্কদবনে।

পোৎচংদিঃ শেল মাপল, চেঙ, এরুম, লৈনা, লাংথ্রৈ, ফৌদাঙ, য়োৎ খুনেৎ, শেল খুনেৎ, ফমফি মরাক তাইবা অমা, থাখল অমা, চফু অনি, তাইরেননা পুংফাইনা কোকও। য়ুমচি মরিগী ই পরৈ, থাওমৈ, যাত্রাগী থাওমৈ, তৌগী লোং য়ুমজিন মপাদা থমদুনা লাৎলু।

লাইৰাদি- লাইরেল লোল শোন্থ। য়ুমথক্তা পুঙখল লোন শোল্লু। য়ুমাঙাদা খুনুংলোন শোল্লু। অতাঙ নাহৈ শোল্লু ফবনে। শঙ্গোম অনৌবগা, ঈশিংগা য়াননদুনা য়ুমদু চাইথোকউ। ফত্তবা খৈবিক কোকপনে।

**শজি শঙাইনা য়ুমদা চঙবগীঃ**

লফুৎ অমা, ফমফি অমা, য়োৎ খুনেৎ অনি শেল তরেৎ শুমায়দা লা উপ্পা থাও। লুক্লেন তরেৎ শেমউ। চেঙ, এরুম, হৈ, লৈ, পানা ক্বা। শয়ি মনা তরেৎনা লাই ওইয়ু। লৈচেঙনা চেঙ ওইয়ু। নুঙথৌনা এরুম ওইয়ু। তরেৎমদা খিল্লু।

লাইৰাদি- 'হে শরোয় তরেৎমও, খাক লাওবা, খাক শারাওবা পেং লাওবা, পেং শারাওবা লৈশি লাংথাবও, মিৎ ত্রেংবা ওংতোং শাওইবা, লমচা সিংতোং লাংতোং পাইচাও নখোয় তরেৎমা মনাইবু অকনবা ময়াম্বা মপুনা চানবা মতাও মপিচাবু থোইবা হেনবা কুবিরমও।' হায়না শোল্লগা লোইরগা পোৎ মপান্দা হুন্দোকও।

**মকুনা য়ুমদা চঙবগীঃ**

মুংফি অমা (ফমফি), চেঙ, এরুম, হৈ-লৈ, পানা, ক্বা অসিনা শাংদোবগীনে। মকু মহাক্কীদি কৌজেঙ, হারৌ, ঙাখা, ঙচিং, চেঙ, এরুম, হৈ-লৈ, পানা ক্বা, মকু য়াননবা (খায়নবা) শাখায় থাঙ অমা, য়োৎ খুনেৎ অনি। লফুৎ অমা কোনয়াই পুনা। তুম (চফু) অমদা লৈ খরা হাপও, খরায় মনা মরি পানবা অমা শাদোংবগী তুম অমা, খরায় অমা, মুংফি অমা থাও। চেঙ, এরুম, হৈ-লৈ, পানা ক্বা মকুদি শাদোংবগী মমাঙদা থাও।

লাইশোন্দি- 'হে মকুও, নমিংবু কুহিং কৌবও নহান্নোংদা নঙবু লাইগী য়ুমদা চঙও হায়না তমদে। য়োয়মোংবনা শাবা য়ুমদা কদৌবা চঙবনো' হায়না মকু মহাকপু থাঙনা খায়পোক খায়দুনা লফু থাদুনা খায়য়ো। অমনা উপ্পা অমনা লোংনা য়ুমজিন মপাদা ফুমও।
মচাক্তি মমাঙদা থাও।

শাদোংবগী লাইশোন্দি-

'হে লাইনিংথৌও উচেক মকুবু শাদোংলিবা।
লৈবাক নিংথৌ লৈতরিঙৈগী নঙগী শাদোং
রোৎনা ঙাওরে, ঙাওহনবিগনো' হায়না শোল্লো।

**ক্বাক্লা য়ুমদা চঙবগী থৌনিঃ**

য়োৎ কিরাক মরি, শেন মরি, খরায় অনি, তুম অনি, চেঙপাক কবোক, চুহি, শঙ্গোম, লফোই, হৈ, লৈ,শাতুম, চেঙ, এরুম, কশোক, খাখা, চচিং চুম মথক্ত থাও।

লাইশোন্দিঃ 'হে মনিও ক্বাকপু থৌশিবও, নঙগী চাকচা ফমফম তন্নীরবনে। ক্বাক নঙদি কদৌবা য়োয়মোংবনা শাবা য়ুমদা চঙবনো। লাইগী য়ুমনে চঙফরোইএ হায়বগী ৱারক্লবনে।' লাইশোন অসি শোন্দুনা থাঙনা খাইবোক খায়দোকও। অমনা উপ্না, অমনা লোংনা ফুমও। লাইচিরমদা মচক্তি মমাংদা থারমও। অফবা কুবীরম্মো হায়য়ু। য়ুমদু অনম অহা কোকই। ক্বাক ফাহৌদ্রবদি লৈতান্না শাওও।

**ক্বাক্লা মতম নাইদনা লৈখাক লৈখাক খোংলবগী ঈরাৎঃ**

চেঙ মরম তরানিপালগী য়াম্না লিন অমা শাও। তিংথৌনা মনি মরি শাদুনা লিন অদুবু মঙক্তা কিশিনপিয়ো। হৈরুক থাওমৈ য়াওনা থাঙজগী অয়ুক্তা লাৎও।

লাইৱাদিঃ 'ওঁ শ্রী স্বাহায় বি স্বহায় নামঃ।'

য়ুমগী মৈরম পাংবদা তৌও। নামুংবা ফত্তবা কোকএ।

**কৌজেঙনা ময়োম ময়োম পাইনা খোংলবগী ঈরাৎঃ**

কৌজেঙ মরম তরেৎ ফাদুনা অৱাংলম অমা, মখারম অমা, নোংপোকলম অমা, নোংচুপলম অমা, নোংথৌদা অমা, লৈখাদা অমা, তাইবঙপান অসিদা অমা থাদোকও।

পোৎচঙদিঃ ফৌরম খলাক তরেৎ, লৈরম তরেৎ, চন্দোন মনম নুংশিবা য়াওনা নোংমাইজিং নুমিৎ নুমিৎয়ুংবদা লাৎলও।

লাইৱাদিঃ 'হা হা হুঁ, স্বাহায় নমঃ' তরেৎলক শোল্লু।

**উরোক্লা য়ুমদা তোংবগী ঈরাৎঃ**

'য়োৎ ফিরাক মরি, শেল খুনেৎ মরি, চেঙ, এরুম, হৈ-লৈ, পানা থ্বা, লফোই লফাং মরি, ফি পোন্দেন অমা, কবোক, উখা, খজিং কুমজেং, কোকফাই, এরুম হৈ লৈ হাপউ লফুৎ অমা থাও, য়োৎ, ফি, শেল। উচেক্তি য়াংকোক অমদা উপপা থমউ।

লাইশোন্দি- 'লাইরেন ঙাংঙোই য়োইমোংবা। য়োইজিং হৈওম হৈবও। তম্পাক লোনগোয় লাঙ্গোয় শেম্বা, শারেং পুংমায়খা খাইজ মিতম্বও। নঙনা তম্বিবা য়ুম অসিদা উরোক উমাইনা খরঙনা লা, হৈনা, উমাইবীনা, তোংফদেনে, নঙনা কোকথোক চামথোকপিরমও। ফত্তবা খৈবিক্লা খা পাংনা হোইথবিখো। ননাইশিং ইমুং অসিবু অফবা, নুংঙাইবা পুনসি নুংশাংনা পানববু লনকুবিয়ু হায়না শোল্লু। উরোক উচেকশিংদসু তাইরেননা পুংফাইনা খিক্তোকউ। য়ামনা নত্রগা লৈতাননা উচেক শাও।

**মকুনা য়ুমদা তোংলবগী ঈরাৎ ঃ**

নোংপোক্তা তোংবদি মাং তাকয়ে। মৈরমদি ৱাথোকএ। খাদি য়ুন্নু শিয়ে। শঙ্গোঙদি মীনা পোৎ হুরাল্লে। নোংচুপ্তি নুপীসুং লনশুং ফংএ। কৌব্রু তোংবদি য়াম্না নুংঙাইএ। অৱাংদি নিংথৌনা চাল্লে। চীঙ্খৈদি লন ফংয়ে।

উশিন্দি এরুমনে ফৌদংনে, য়োৎ খুনেৎ অনি, শেল খুনেৎ অনি, কোলয়াই, পু অনি, ফিরান অনি,

লৈসেন তরেৎ, নোংসেন তরেৎ। লফোই লফাং চঙ থোকপা, পৈশা, পানা থ্বা। য়াম্না মকু অমা শাও। ফাহৌরবদি মকু মশানা তৌ। কুরাওগী ফানতুপ অমা, শাখায় থাঙ অমা। সুমাঙ ময়াইদা লাইফম শেমও।

লাইশোন্দি- 'হে গুরু উচেক মকুবু ফৌশিল্লকগা লাইও ননাইনা নঙবু মাইখাং থাক খোংজবনে। ফত্তবা খৈবিকপু খা পাংনা হোইদোকপিয়ু। অফবা, নুংঙাইবা, পুনসিবা পিবিয়ু।'

মকু অদুদি কুরাওগী ফান্দুপ্তা থাঙ্গৎতুনা থাঙনা খায়য়ু। লম্বী ময়ায়দা কোম তৌরগা মচেৎ অমনা উপ্পা, অমনা লোংনা ফমও। নাহাইফু অমদা ঈশিং থননা হাপ্পুনা তাইরেন্না পুংফাইনা খিক্তোকও। অনম অহা কোকই।

**য়ুমগী ইশাইফু, চেঙফু, পুখম তেঙ্গোৎ, কোর্ফু কোর্ফালনচিংবনা খোংলবমখৈগী ফনবা ঈরাৎ থৌনি ঃ**

- ফৌ মখল তরেৎকী চেঙ খুৎনা খোকপা। সনা লুপা অসেংবগী কোলয়াই পুমা ইশাইফু মনুংদা হাপউ। চেঙ, এরুম থাও। চেঙফু ওইরগনা চেঙফু মখোঙদা থাও। খোংলিবা অয়াম্বা লাইরেন্মা নামুংবীদা (লৈমরেন্দা) থাও।

পোৎয়াওদি কৈথেল অহুম্মগী নমোক (কবোক্লা) নামুংবীগী মমাংদা থাও। চেঙফুগীদি মখোঙদা থাও।

লাইশোন্দি- "খুইয়ি খুইয়ি চু চা নে নে" হায়না শোল্লো।

ইশিনফম মমাঙদা শোনবদি-

'কশা নিংথৌ লাইরেন্মা, নামুংবীও। নঙনা অফবা নুংঙাইবা, অয়াম্বা চানবা কুবিও।

**ইমুংদা লৈশৌ শৌবা, ফুঙ্গাদা থুম্লা শৌবা অনিমক্তি থৌনি মান্নে।**

সনা লুপাগী কোনয়াই পুমা, য়োৎ খুনেৎ, শেল খুনেৎ অনি ফিরাক অমা। চেঙ, এরুম, পানা ক্বা, লৈশং, লফোই লফাং চঙ থোকপা, হৈ, লৈ, উত্তওগী খরায় অমা, মথক্তা লা থাও। চেঙ, এরুম, হৈ, লৈ পানা ক্বা হাপও।

লাইশোন্দি- 'কসা নিংথৌ লাইরেমাও, তাওজা শম পোক্তবীও। পোক্লেন থানাইদবীও, মোইনু-থুম ওইবীও। লৈনুংচিরি পিরিৎনু মাইরেঙ হৌবী নঙনা ননাইবু য়োকপিগে হায়না লাকপিরে। ননাইবু চাক লন কুবিরমও।' শৌরিবা থুম অদু থোংদুনা চাও।

লৈশৌগী লাইশোন্দি-

"লৈরঙলেন অপোকপা নমিংদি লৈচিকশা কৌএ। নঙগী চাকচাদি অসিনে, লৈকিংলেন কৌএ। চঙফরোইয়ে। লৈতারেন নামুংবা নঙ তাথোকও। লৈপুরেল নঙ পুথোকও।"

পোৎচংদি- হৈরুক অমা, পানা অমা, থাদুনা খুরুমজৌ।

"হে লৈশৌ নঙসু নিংথৌ অমনি। ঐসু য়ুম অসিগী নিংথৌনি। য়ুম অমদা নিংথৌ অনি পানবা চুমদে। গুরুনা নঙবু তাইবঙ মীগী য়ুম য়োইমোংবনা শাবা য়ুমদা চঙউ লৈয়ু তমদে। ইখোল চিথেক্তা, লমহাঙদা, উখোঙদা লৈয়ু হায়না তম্বনি। নঙ খঙদ্রমাল্লে। গুরুনা তাকপা মফমদা ঐ থিনবীগে চৎসি লাও। অদুগা ইমুং অসি নহাক্লা নুংঙাই য়াইফনা পান্নবা অৰাৎ অপা লৈতবা হায়না শৌকৎপিরমও, লন কুবিরমউ।" লুক অমদা শৌরিবা লৈশৌগী লৈতুম অমা লৈশৌগা লোইননা পেক্তুনা পুথোল্লগা লমহাংদা নত্রগা ইংখোল চিথেক্তা উখোঙদা 'সে নঙগী লৈফম্লি , গুরুগী য়াথংনি' হায়না শিন্নরমউ।

ইপা ইপুনা থম্বীরল্লিবা লৈশৌগী মরম অসি নৈনবা মতমদা ঐখোয়গী পুক্লীংদা ফাওরিবদি লৈশৌ হায়বসি উনা শাবা য়ুম নত্রগা শঙ্গোয়দা খরা চোৎ চোৎ লাওবা হায়বদি ঈনিল লৈবদা মরু ওইনা লৈগল্লি। অসুম্না লৈগন্দুনসু লৈশৌবু মীৰা ঙাংনবা য়াবা, মাগী মতীক মগুনবু নাদা তাবীবা থৰাই পানবা জীব অমনি হায়না লৌদুনা, উ, উগী

মতুং ইন্না চাগনবা লৈশৌবু থেমদুনা নৌদুনা তাইবঙ মীগী য়ুমদা লৈহন্দনবগী মওং অমা শিনবীরম্বা অসি নুংগী ৱা য়াম্না য়াওবা অমনি। অসিদসু নত্তে, শা, ঙা, উচেক ৱায়া পুম্নমক্কীসু মতাং মতাংগী ওইনা মরম চাবা ৱাফম লৈরি। পুম্নমক অসি ইচম-চন্বা অমনি লৌবা য়ারোই।

মতাং অসিদা লৈখিদ্রবা নাওরেম অমুয়াইমা সিংহ, পণ্ডিত অচীবগী খুদোল য়াম্না চাওই। পণ্ডিত অসিনা থম্বীরম্বা খুনুং ঈরাৎলোন হায়রিবা লাইরিক অসিদা মখল মখাগী ঈরাৎলোন কয়া য়াওরি। মসিবু ঐখোয়না তরাইনা লৌবা য়ারোই। মণিপুরী সংস্কৃতিগী য়াম্না মরু ওইবা মচাক অমনি। সংস্কৃতি (কলচর) হায়বসি জাতি অমগী হৌরকওঁদগী চৎনরকপা, চাওখৎ থৌরাং, শেমগৎ-শাগৎপদা য়াওরকপা হিংনরোলগী মচাক অমনি।

**লাইদা, মীদা অনম অহা লৈ হায়বা খঙনবা।**

অমাইবা অমাইবীনা মৈবাদা, য়েনখোংদা ফাওরবদি মদুবু কোক্লবা ঈরাৎ থৌনি।
পোৎচঙঃ এল অনি, নত্রগা এরুম অনি, য়োৎ ফিরাক অনি, শেল খুনেৎ অনি লাতোন অমদা ফমফি থাও, য়োৎ শেল থাও। হৈরাং শিংপাক মেৎলো। লুক্লেন তরেৎ শেমও। ঈরাৎ পুজা ঈশিং শোকও। য়ুরা হন্দোক-হঞ্জিন ঈশিং হৈও। এন্দি মমাঙদা থাও।

লাইশোন্দি-

“কৌবরেল শরোয় থাংজিং
শরোয় মার্জিঙ শারোয়
নোংপোক শারোয়,
নোংচুপ শারোয়,
শারোয় অপায়বা শাহৌবা য়ুথৌরাবও,
নশারাংনে ৱাংখিংবা
নমু ৱাংলৈ ৱাংখিরাও,
নমু হেবুংথৌ হেবেন্মদি কানা তান্নগে।
পুনসি নুংশাংগে।” হায়না শোনগদবনে।

মতম অমদা মৈত্রবাক অসিদা মী য়াম্না তাবা নত্তবনা, মীশীং য়ামদবনা লম য়াম্না পাক-চাওনা লৈবনা য়ুমদা শা চঙবা থোকহনন্নীংদবা মওং কয়া থোকপা হায়বসি ওইথোক্লোইদবা নত্তে। অদুগুম্বা মতম অদুদা ফত্তবা, পামদবা থৌদোক থোক্লকপদা মদুগী অৱাবা কোক্লবগী উপাই লাইনীং লাইশোন নত্তনা লম্বী লৈরমদে। মরম অসিনা চৎনরোল অসি তঙাই ফদনা ইনবা তাখি। মসি মৈতৈ জাতিগীতা নত্তে, হৌজিক্কী মতমদা চাওখৎলে হায়না লৌনরিবা লৈবাক কয়াগীসু লৈতবা নত্তে। অসিগুম্বা মখলগী সংস্কৃতি লৈবনা জাতি অসিগী কলা সংস্কৃতিগী পুকয়সু ৱাংনা লৈ হায়বা উৎলি।

**সনামহি খুরুম্বগীঃ**

লাইনিংথৌ সনামহি মৈতৈ জাতিগী য়ুমথোঙ খুদিংদা লাৎনরিবা লাইনি। মমাঙহৈদা চীংগী লমশিংদা সনামহি লাৎনরম্বগী ৱারী লৈরি। খৃঃ ১৭০৯-১৭৪৮ দা পানখিবা মণিপুরগী নিংথৌ মহারাজ গরিবনিৱাজগী মতমদা খৃঃ ১৭১৬তা শ্রীহত্ত জিলাগী নরসিংহ টিল্লাদা লৈরম্বা শান্তদাস কৌবা নুপা অমা লাক্লুনা মনিপুরদা গৌর ধর্ম্ম শক্লে দাকখি। নিংথৌগী য়াথংদগী মনিপুরগী মীকোক খুদিংনা হিন্দু ধর্ম্ম লৌদুনা গৌর সমপ্রদায়গী লীক্লমদা চৎলবসু

মৈতৈগী য়ুমথোং খুদীংদা লাইনিংথৌ সনামহিদি অদুম য়ুমগী মনুংদা লাৎনরকই অমসুং লাৎনরি। মরম অসিনা সনামহি পুজাগী মরমদা লাইওইখ্রবা পণ্ডিতশিংনা ইদুনা থম্বীরম্বা লাইরোল খঙবদা কান্নগনি নীংঙ্জৈ।

লাইশোন্দি-

'হয়া হে, হে লাইয়িংথৌ অসুম্বও নংবু য়ুমগী মনুংদা
তীল সিদবা ওইনা কুলনা লৈরে। নহাকপু সনা ফুদোংবগুম্বও,
নশকপু সনা অহিংবগুম্বও, নচুবু থাওমৈগুম্বও। ননম্মু লফুরিককী মনমগুম্বও।
হারি নিংনাং খোইমু নোংশারিক্কী খোনজেলগুম্বও। লাইনিংথৌ নমিংদি
'হুম পিৎ তা হ হেকৌএ।' নমিং অসিবু খঙলবদি
খোইরেন শাইগুম পাথুম্বনে।"

ঈরাৎতিঃ

তিংথৌ মতোন তরেৎ, লফোই ওম্বোৎ অহুম
য়াওনা মাই নোংপোক ওন্না খুরুমও। থা খুদিঙ তৌও।
ইঙা থাদা নুমিৎ শগোলশেল, ইরাইদা তৌও।

লাইশোন্দিঃ

লাইয়িংথৌ মৈ তরঙ, ঈশিং তরঙ, নুংশিৎ তরং
তরং অহুমমবু নংগী খুৎথুমদা চঙলে। নহাকসু
সনথোঙ কৌয়ে। হ,র,স, হিং হিং খিং খিং কৌএ।

**সনামহি পুজা তৌবগী-**

"হে গুরু লাইনিংথৌ সনা নিংথিবও। নহাক নিংথৌ সনা নিঙথিবা।
তাইবং পানবগী য়ুমখুদীংমক্কী নিংথৌসু গুরু নঙনা ওইরিবনি।
নয়ুম মোংবা নরানয়ায় অসিদা
লৈরিবা ননাই নচা নশু পুম্নমক্কী থব্রায় হাম্বোইহনগনু,
মিরেন হামচৎনহনবিগনু।
অয়ুক মতম চানা কোনথাবিয়ু। নুমিদাং মতম চানা
কোনশিনবীয়ু। উরুম চেঙ হোঙবা চেঙজা পোৎখিনবা
থৌদু য়ুমলেপপা চাপোক কাদং শিন। নাউদু খোংফান নোংনা।
শুক্তা সোইদামা। নুংঙাই য়াইবী মরাং কায়না পুনসি নুংশাংনা
পানববু লন কুবিয়ু হে গুরু।
(অসি হায়না শক শোন্দুনা কুমগী হৈ-লৈ অনৌ অপেৎ ধুপ থাওমৈ কত্তুনা খুরুমজৌ।)

**ঈশিং চাইবা য়ুরাংবা**

হে গুরু লাইনিংথৌ থোংনাং ঈশিং চাইবা, লীশিং তরা চাইবা।
নপা মৈদিংঙু সেনগী কবোম্বনা পোকপা। পলেম নমা য়োয়বু
থিঙবা ঙমবিনা মোংবা য়ূমলেননুংদা, নাউবেঙব্রা, নাউবেঙদে।
শঙ্গাই কোলোয় নুংলান চাদা নাউবেঙগদ্রা, নাউবেঙদবা।

কংলা থোল তরেত্তা নাউবেঙগব্রা নাউবেঙদবা। য়োইরেন সঙলানুংদা নাউবেঙগব্রা নাউবেঙদবা। লাংশঙ সঙলা মৈদা নাউবেঙগব্রা নাউবেঙদবা। শাসঙ মরিন ফাৎনা নাউবেঙখিএ। তোংজেং কুয়ায় নুংগী চুঙ্গোয় থাঙসাং শুনা নাউবেঙখিএ। লাইজা ঈদা কুম্না নমিংবু ঈখাই চাইবও কৌয়ে। লাইরেন্মা হেলোই তরেৎমনা ইরুমান্দেংঙময়ে হায়বগী ঈরাৎ চাইবা কৌয়ে। খোইয়ম লীসিংচাইবও। কারেন যনমাবা। তেকপী ওক লিংবীবও। য়াংলৈ তাউবা হুই তমলিবও। মচেঙ কাইরৈ তনপোকপও। কাওরেন যনপোক তল্লিবা। খোইয়ুম কৌবরেন সলাম্বা নঙবু ননাইনা লুক্লেন পান্বা হানা থুপসেং মাইখঙজগে হায়বগী খোইয়ুম নঙবু ঙসি কোরও নুমিৎমদা করম লাংও। সিঙলেন লৈরাঞ্জরকএ। চান্লৌ লাঃ লানজরকএ লাইনিংথৌ লীসিঙ চাইবও। ইরাং চাইবও হায়না থেমখৎও। লাতোন ৭ তরেৎনা খুনেৎনও। নাহোংসানা থাদা কোন্না পুখৎলকও। ঈরানসেন অনি অদুনা ঈশিং তরেৎলক চাইও। লাংথ্রৈ মতোন তরেৎনা থেমখৎও। শরিক খিঙও। কবোক্লা লমলোইও। শুমাঙদা কংলয় চা ওকউ। ঙানু খোঙগান থাদুনা হৈকৎ লৈকৎও। থুংলগা লাইফি মথক্তা থমও। মৈবা চিংও।

লাইশোন্দিঃ-

"হাওরৈ মৈও, হৈকোয় মৈও। থুমচেং মৈও।
পনচোৎ মৈও। পিয়াইনুনা ব্রাঈরৌ মৈও।
পিসিন্নুনা শমলৌ মৈও।
চীঙখোং পোইরৈতোন্না খুন্থোক মৈও
ব্রাইরৌবিনা ব্রাইরৌও মৈও। শল্লৈবীনা শল্লৌ মৈও।
লাইনিংথৌও মৈবিনাও"
হায়না শোন্দুনা মৈবা চিংও।
অনম অহা কোকও। হৈকৎ লৈকৎলো।
শরেন হিংনা কৎও। মৈবা য়েংও।
মৈথাঙ অহুমলক লৌও। চপানফু থোংও।
শরৌ শিং, থুম, থাকও। য়ুথা তরেৎলক হা,ও। চাক অমুনবা হা,ও।
খুরুম্মা পোৎ লোকও ফিনা লাইথোনসিল্লো।

লাইশোন্দি-

'শনমি, নাইমি, ফিদপ, ফিদাই,

কোরী শেঙ্গাও, পুখম নাতি। য়োৎপু
তম্মু সনা লুপা, মনি তমদা। তরেৎ সেনখাই
থন, নোইনু থুমকোক হাঙদবা কোয়রেন
হাপচথনবা। কাওরেন শনগোল থনবা
তায়ম নাইকোন থনপবু লনকুবিয়ু।"

**সনামহি খুরুম্বাঃ (অনা-অয়েক্কী)**

"গুরু লাইনিংথৌ সনা নিংথিবা যনথোং অপানবা।
কোরও অৱাংদা লৈরগা কোরও হনবা কৌবশুং ইবুংঙো নঙনি।
লমদা লৈরগা লম্মা তুমাবসু ইবুংঙো নঙনে।
লাইনিংথৌ লয়বক মাইবা খুরাই তাঙবা। নিংথৌ মাইবা
চিরাই তাঙবসু ইবুংঙো নঙনে। নমিংদি শলাং কৌবনি।
ননাইনা গুরুগী থৌদা চৎচবা অসিদা ননাই অনাবা
অসিবু তীলকোক লাইকোপিয়ু হয়না লৈশি লৈথোন্দুনা
হান্না সনামহিদা খুরুম্লগা চপান্নচিংবা ঈরাৎ থৌনি তৌরুগনি।
হল্লক্লগসু লাইনিংথৌদা গুরু ননাইনা
চীংঙু নপাউখোল চৎচরুরে অনাবসি অৱা পোথাবা
অনা হিথাংবিয়ু, অনা থরৈ হন্দোকপিয়ু।" হায়না খুরুমগনি।

**ইমা লয়মরেন খুরুম্লবাঃ (অনা-অয়েক্কী)**

"হে গুরু ইমা লয়মরেন শিদবী নতু তুবুম খুদিঙদা
হেরা মনিক থিল্লিবী নয়া য়ারেন খোংজি খুদিঙদা
সনানা হাজং য়ৈরিবী, কুচুনা সনা অহিংবগী কুচুনে।
নমিংদি সনা কোন্দ্রেঙ তনৌবী কৌএ। হ,র,শ, ইবেম্মা
ননাইগী ইন্দ্রি কায়াৎ মাপলমদা লৈরিবা। তীনথুং
লায়থুং, অৱা অনা পুন্নমক কোকপিয়ু। হায়না লৈসি
লৈথোন্দুনা হয়, লৈ অথুম-অহাউ, হৈরুক পানা, খোইরু
থাওমৈ কত্তুনা খুরুমজৌও। অৱা-অনা কোকপনে।

হে ইমা লয়মরেন শিদবী, অয়ুক লিকলা তাক্তবী,
নুমিদাং লিক্লা কংদবী। লৈমরেন ইশায় হৈতবী,
লয়মরেন অপোকপী তরেৎমা, লাইরেম্মা অপোইবী তরেৎমা।"

**লাইৱাদি-**

"ওঁ দরৈফা, ওঁ দরৈফা, ওঁ দরৈহন, দরৈফা,
ওঁ দরৈখোং, দরৈখোং। দরৈহন, দরৈহন, দরৈহন।"

লাইৱা অসি শোন্দুনা হৈরুক পানা ধুপ থাওমৈ কৎনিঙমখৈ কৎতুনা খুরুমজৌ।”
হে গুরু তন্ফা লয়মরেন শিদবী নরাগী লৈমরেন।
নরেঙগী পান্থোইবী। নাতোন নোংথাঙ লয়মা
ফুরেপ লয়মা লু চাওবী, নাকথা লৈমা পাউদোয়বী।
লালোই য়ুমখৈ ঙাকপী। মোংমা য়ুমতাং শাংবী।
শলাই খুনমাবী। নয়া নত্তে, হৈনা শানওন য়ান্বী।
হে গুরু, অসুম্মা শক শোন্দুনা খুরুমজৌ।

**মাঙওননা হায়বা ৱাফমশিংঃ**

- অতুবা উনা য়ুংখৎলক্লবদি শা লান চাওনা থোকএ।
অঙাংনা ময়া হৌনা পোল্লবদি লৈপাক মীয়াম য়েংথিনএ।
অশাওবা হৈতবী য়াথং মেংলবী নুপীদো লাইরেন্মগী মশক্কে।
অৱাংলোমদা থৌৱানমিচাক ম্রমৈ পানবা থোল্লবদি নিংথৌ ফম শিল্লে।
অৱাং থোকপা অসিদি নোংপোক্তা থোকখিবগী মতুং চহি অহুম
অমসুং অসিদা থোকপগী ৱানি।

**নোং চুনবা নোংলাওঃ**

নোয়নু থুমলৈমা সুংদুনা লৈরিঙৈগী মতমদা লাইরেন্বী
লাংওন শান্নখিবা লমদমশিংগী কোলোয় মিহুল তমখি।
লাইরেন্বী তরেৎনা নোক-খেনা শান্নখিবা চিং কাদুনা
মায়কৈ য়েংখিবা মফম অদুবু খেবচিং কৌনখি।
লাইগী মতুং ইন্দুনা চৎলি হায়বগী লাইরম কৌখি।
লাইগী মতমদা কুমগী নোংচুদবনা লায়জা ঈশিং লৈত্রবা মতমদা
লাইরেন্বী তরেৎনসু হিকুবী য়াইকুবী লমহেনবী হিপোকপী
য়াইপোকপী য়াইসনানা তোপ্পা লৈবা চিংবু কাদুনা কুমগী নোং কৌখিয়ে।

“নোং নোং চুথরো
হনুবী হনুবা তাওথরো
ৱাংজিং তুরেল থুমহৎলো।”
লাইরেন্বী তরেৎনা অসুম্মা চিংদা কাদুনা নোংলাওখিয়ে।

**মহৈগী লাইরেম্বী খুরম্বগী মিংখৈঃ**

“অজিনুং নংগী নমিংদি অঙিনু কৌএ
মথানু নংগী নমিংদি মথানু কৌএ
লৈইনু নংগী নমিংদি সিদুমনু কৌএ।
লীং লীং হেং ফীং ফীং

লীং লীং হিং ফীং ফীং
নিং লীং হিং নিং নিং
নিং লীং নেং তিং তিং
লীং লীং লীং হীং হীং ইং ইং
নীং নীং সি য়ীং রীং ।”

হে ইবেমা মৈতৈ লৈমা। মৈতৈ লৈমা ফম্বাল মখাদা কোনবু তাখিবা তাফরোই।
ফম্বাল কাখপীয়ু। কোলোইদি চিংখৈ চনু ইখোং লৈমা কৌয়ে।
মিৎসনা ফজিল্লু সো মিংহি চিংউ মী তুমরাবা চংঙু ঙক
থুম্না চংউ মৈতৈ লৈমা ইমা। কোরৌ মালেম লৈরোলনুং লাইজা
ইরোল নুংদা লৈবসু মালং লক্তা লৈবা খিবিক চংহনবিদুনা
অপুনবা শক্তম পীনবিরো। মৈতৈ লৈমা ফম্বাল ৱানে
পম্লৌবু কানা ৱানে চিংচিং চিরিক দে নপ চিংউ লাই ওইবা
খোয়ুম লাই পুম্নমক পুল্লবনে।

**তেংপানবা মপু ইবুংঙো খুরুম্নবাঃ**

“হুঁ শিদবা মপু ইবুংঙো
সালেল শাৎপা পোক্লেন পোংপা
লৈবুং কোমসিবা লাইলেন পোরেমথোক নানৈবা
নমিংদি কুপচিং ফিং কৌএ।
পম্লৌগী মীংলেন মীংখৈতনা
অৱা অনা খিবিক কোকচরগে।
থৌজাল লনকুবিরম্মো।
হা উং হয়েং।”

মৈতৈ জাতিগী পুৱারিদা ইমোইনু ইমা লাইরেম্বী থানবা য়াদবা অমা ওইরি। থানবা য়াদবা ইমা লাইরেম্বী অসিগী লাংওন ৭নি হায়না অখণ্ড অহৈশিংনা তাকপী।

১। ফৌকৈনুংদা লৈরগা ফৌওইবী
২। চেংফুনুংদা লৈরগা চেংলৈমা
৩। ঙা লুবাক নুংদা লৈরগা ঙা লৈমা
৪। থাওলক্তা লৈরগা থাওরৈমা
৫। থুম পাকনুংদা লৈরগা থুমলৈমা
৬। সেনগাওনুংদা লৈরগা সেনলৈমা
৭। সংলৌলক্তা লৈরগা য়েনসাং নাপি মরোই মপাং।

অসুম্না ইমোইনুগী লাংওন্দা লাইরেম্বী ৭কী লাংওন লৌরি। লাংওন তরেৎসি ইমোইনুগী লাংওন্নে। মহাকপু

কাউদনা পুজা তৌরবদি ৱাৎত-পাদবা ওই হায়না তাকপীরি।

**ইমোইনু হৌদোকপগী লাইৱাঃ**

"হয়াহে হয়ি সিদবা,
ইবেনথৌ ইমোইনু হৌরো হৌরো।
লাইনিংথৌদি লাইরুও,
ইবেনথৌ ইমোইনু অহোং অচাওবী
ঙসি কোরৌদি নসু চালাম্বনা ইবেনথৌ
নংবু সামু নমদা পো, ইরানয়াইদা
পুজরগে হিরি তোংদম ফান্দুনা
ইবেনথৌ ইমোইনুনা হৌ হৌ লাওনা হোয়বীয়ু।
পলেম পিয়াইনুগী য়াথংনে ইবেনথৌগী
ৱাহৈনে তুবী নগোং কাংবীগনু
চিংউ লিক্লম কাইদে হৌ হৌ হৌ।

মৈতৈ জাতিনা চং, সি, চং, সি, চং হায়বা ৱাহৈ অসিগী অহৌবগী মওংদা অসুম্না ইবা থেংনৈঃ

চংসি, চংসি, চং হায়রিবা মৈতৈগী ঈৱাৎ-থৌনি কয়াদা য়াওবা পোৎলম মরুওইনা লফোই য়াওবা পোৎচংগী ৱাহৈ অসি কনানা হৌদোকলম্বনো হায়বদুগী মতাংদা অসুম্না হায়বীরম্বা থেংনজৈ।

'চিংউ লাই অহুমগী লাংওন শীংথাবা মতীক চাই।
মঙাং, চং লুৱাং সি, খুমন চং লৈমরেন সিদবীনি নুরালেম্বী চং
অসুম্না চিংউ লাই মঙাগী মশক লেপ্পুনা অথেমপোৎ শেম্বদা চং তাবা হায়না শেম্বনি।"

**সনামহি লাইমিংঃ**

"খুমন ইবুংঙো লাইনিংথৌ
সনামহি ফুহিং চি পীপারেল।
হুম্নিগী মিংলেন্না পম্মৌ ফংই
হুম্নিগী অঙাং হায়নসু খংনৈ
সম্মোং অপানবা
মোংবা হনবদা নোংপোক অপানবা
কংলৈদনা খুমন হাইনা
লাক্লগা ইপুথৌ পাখংবগী
য়েৎ থাং ওই থাং থৌগল্লিবা
হে খুমন লাইনিংথৌ।"

**মৈ ঈরাৎ থৌনিগী মতাংদাঃ**

অঙাং নাহুৎপগী মশম কোকপগী মৈ ঈরাৎপগী লাইব্রা-
"সনা য়াইদি লাইনিংথৌ য়াই মনিক পম্ভোগী মচা অহন
নেং নেং রি রি হুঁ লৈমলেন সিদবী।
অঞ্জি মরু সিদবনা লুনা থিয়ে লাইনা কৌয়ে
মৈ ফ্রুং ফ্রুং চাক্লে মৈখু নুংদা কারে
হন্বী হন্বা হন্বা হন্বী সিরো কংঙো তুম্মো।
হে হুঁ পা ইবুংঙো লাইয়িংথৌ তরা ফিজোননা
নাওকোন্নরিবা তরা য়াকোননা সিং কৌরে
কৌরিবনে লাক্তবা য়াদে লাও র স হ লাই ওইরে।"

**মৈ কৌবঃ**

"ঙসি মঙাং কৌবা ইবুংঙো মৈ কৌবা লাই নহাক্তি
নমায় মরি পাল্লে। থাংজিং মৈনি মার্জিং মৈনি
ব্রাংব্রেন মৈনি কৌব্রু মৈনি মরিমক পুনবিরো।
নরৈ তরেৎ পাল্লি হি খোম্বী মৈনি তরেৎমক শুপ্পা পুনবীরো।
য়েক তরেৎকী মৈ, মঙাং মৈ লুব্রাং মৈ
খুমন মৈ অঙোম মৈ সরা লৈশাংথেম মৈ মোইরাং মৈ
খা ঙানবা মৈ তরেৎমক সুনা পুনবীরো।"

**মৈ মখল মাপলগী মিংখৈঃ**

'মৈ মখল মাপল লাইবুংথৌ মাপল সংলেন মাপল
উমংলাই মাপল য়ুমফম মাপল খুৎসু থাং
মাপল সুনা পুনবিরো। হা উং হয়েং।'

**নুপা নুপী লুহোংবা লৈপুন শেম্বগী লাইব্রাঃ**

"হৈরাংনে তাওজিংনে মসুংনে
সিঙেননে লৈরাংনে তাইজিকে
হে কৌবদি নুপানে, লৈ কৌবদি নুপীনে।
থাবু সিঙেন কৌয়ে। নুমিৎপু লৈরাং কৌয়ে
নুমিৎ চৈশিং তরেৎমদা লাকপা
হৈরোম সিঙেল হৈরাং লৈরাং অনীবু
য়াইবি লৈপুন পুনবিরবনে য়েক সলাই অনা তাইনরে।
হা উং হ য়েং।"

**লুহোংলবী, লুহোংলবা নুপা নুপীদা থৌজাল লাইৱাঃ**

“হে চিংউ খোইয়ুম লাইয়িংথৌ
নহাক্না সিন্থোং ওইনা থন্নীরম্বা
ইপা ইপু অপোকপা মথং মথং চৎনরকপা
খোইয়ুম লাইগী খুৎসেম্মু কাইদনা পাগী পারম থি
পুগী পুরম থিদুনা থাজ ললকুবিরবনে।
ঙসি কোরৌ নুমিত্তা ইকুনা
ইমোম চনু লৈমা লৈরাং লৈকৎচগে
লৌশিং নৱা ওইবিনি পারি ইবুংঙো
ইমোম ইবেম্মা নখোয় অনীমক্না
পাইমা খোইচংনা তিল্লাং খোইতানা
য়াইফ থোইনা পুনসি নুংসাংনা সুক্তা সোইদনা
ইপা ইপু অপোকপা খোইয়ুম লাইগী থৌগনবা
পুক্লিং চেৎনা পাল্লো
হা উং হ য়েং।”

নুপাগী খুৎনা মথক থাদুনা লংজা ৭না নুপা মমানা লৈপুন পুনবিগনি। লৈপুনগী মথক্তা কুজপোৎ থাঙৎকনি। অসুম্না মৈতৈ ইপা-ইপুশিংনা শাবি শানৌ অনীবু পুনসি লৈপুন শেম্মী। মসিগী মতুংদা মথক্কী থৌজাল মীঙ্খেরোল অসি শোনগনি।

**মৈতৈগী সিকুমলোনঃ**

মহারাজ গরিবনিৱাজ মৈদিংঙু পামহৈবা (খৃঃ ১৭০৯-১৭৪৮) পানবা মতমদা শ্রীহট্ট জিলাগী নরসিংহ জিল্লাদা লৈবা শান্তদাস কৌবা রামান্দি ধর্ম্ম শন্দোকপা নুপা অমা ইং ১৭১৬তা মনিপুরদা লাকখি। মহাক্না মহারাজ গরিবনিৱাজবু য়াহন্দুনা মৈতৈ লৈবাক্তা রামান্দি ধর্ম্ম শন্দোক্নুনা মৈতৈগী হান্না চৎনরম্বা কয়াদা অহোংবা অমা চাউনা লাকখি। লাইনিং-লাইশোল পুন্নমক্তা অওনবা অমা পুরকখি। মহারাজ গরিবনিৱাজদি শান্তদাস লাক্লিঙৈগী মমাংদা গঙ্গাধর কৌবা ব্রাহ্মন অমদগী সাক্ষ্য ধর্ম্ম লৌখিবগী ৱাফম ইতিহাসনা প্রমান ওইরি।

গৌরিয়া সম্প্রদাইনা পুরকখিবা অওনবা কয়ানা মরম ওইদুনা ঐখোয়গীসু হান্না লৈজরম্মী হায়বসিগী মরমদা থিজিনবা অমসুং মসিগী নৈন-চেরোল পুথোকপগী তঙাই ফদবা মতম অদু হৌজিক ওইরবনি।

মৈতৈগী অসি-অনাগী লাইনীং লাইশোন অসি য়াম্না মরু ওইবা অমনি লৌবা য়াই। অসিবগী মথৌ-মঙম পাওথোকপগী মতাংদা তোঞ্জাও মৈদিংঙুনা পুথোকপা ‘সিংগুল্লোন ঈরাৎ থৌনিরোলদা অসুম্না ইরি।

**ফম্মাং খোংসান থৌনিরোলঃ**

ফম্মাংদা থৱাই য়াইবিগা হকচাংগা খাইনরমদাইদা শমু হকচাংবু নাহৈরোন্না ঈরু সাদোংবিগনি। লাইয়িংথৌদা ফিরোই অহনবা কৎকনি। মেংক্রুক থাউমৈ কৎকনি। নকসা থিনবিগনি লাইপক্তা। লালন লমদাং মিংখৈ তাকপিগনি। য়ুমগী মেন উরেপ পাবা উখোংদা অমাইবনা তাংবল ফিদা থাগনি।

**লালনা লমদাং লিক্লমঃ**

তাইবং মপুগী পাওতাক পাওজেল লাক্লে। ৰাবা ফৈরেন লাওবা ফম্মাং চীং খুনু মিৎসনা তাম লুরুক লুরুক চীংদি য়াইবি মঙামকপু কারক্লে। খা-খোং লাইখোং ময়োং খোং হৌরক্লে। তিল্লিরেন খায়িরেন হৌরক্লে। মালং তরা হৌরক্লে। কোক্তা চিংলুখম তল্লক্লে। য়াওরৈবী খোং তম্না কারক্লে। তাক্লা খোং য়ৌরে। খাগী মৈরম তরানিথোই হৌরে। সম্বোং চিংগী চিং মৈতেক চাখা চীংখৈ চীংদা থৌৰাই য়াইবি মঙানা সনা লিক্লু তুং লৈমরেন খুনগুমগনি। য়াইবিরেন সিদবা খোংসালগনি। অশি থোঙ হাংগনি। হৈনম লৈনম ফংগনি। অশি খোইরি কৈথেন কাগনি শিংজু চাগনি। খম্লুং অমমা খোংলেন ইপাংপু হো-না নৌ ওইরো না হি ওই সোনা হিরানগনি, খম্লুং লম্বী চৎকনি। চীংশাং লোকচপ ইরম মঙা ফংবগী ময়াই খায়না চৎকনি। তরুং লাইফম য়েৎওইনা লাংকোন নিংথৌ লোক য়ৌগনি। থৰ ইগী পোৎথাফম মৈগী মসাইকোন হাংগনি। খম্লুং কাংখোঙ পায়গনি। হয়ি হয়া অনীবু উজগনি। মিৎ কুপ্তনা য়েংগনি। মিৎকী পিরাং কৎকনি। য়াইফ থৌজালবিগনি।

**নোংকারোন মিংখৈঃ**

"থাজলেংন থাজৎপদা শিন্নখি
থাজৎপনা ওকপুরোইদা শিন্নখি
ওকপুরোইনা তাওহিংলেলদা শিন্নখি
তাওহিংলেননা থাবদা শিন্নখি
থাবানা শজিক্তা শিন্নখি
শজিক্লা নুমিৎতা শিন্নখি
নুমিৎনা শেংবিরগা থাদা শিন্নখি।
থানা মপুগী লৈকোন্দা পুশিনবিরে
হয়ি মাগী মকাইফমদা লৈরাং লৈনম ওইনা তিনজখি।
হয়া হে হয়ি শিদবো।"

মথক্কী মিংখৈ অসি তাকপীরগা লালন লমদাং ওইহনগনি। মখোঙনা মাঙ থারগা ফুঙগা লাইরু য়েৎওইননা কোয়রগা মী মরিনা পায়রগা অমাইবনা খোইদা সেন অসৈ তেরান সক্লা খোংসানগনি, লময়াই কাই থিল্লক্কনি।

লাইশোন:

"চিংউ খোইয়ুম লাইয়িংথৌ
মালেম তাইবং পানবা মপুগী
সনা মফম লাংদা লৈকা য়াথোকশঙদা
হয়া হে হয়ি শিদবা।"

**মপান লৈকা য়াথোকশঙ হায়বদি:**

চুকচিৰা মরি য়ূংবা লৈকুশঙ য়েৎনা লৈদুনা অমা নত্ৰগা অহুল্লক কোয়রগা অৰাংদগী খেশঙনা শঙগী মনুংদা লোংনা চঙলক্কনি। কোক্লা অৰাং পাংনা ওনগনি। লৈগা লাগা তাইনা অমন য়াতারগা অমাইবনা অশিবা মীগী মমিং হায়রগা মালেম ইমাগী মতম্বাক্তা শিন্নরমগনি।

ৱাহৈদি:

"ঙসি চাউবা চাউবীগী থৱায় য়াইবীদি
তাইবঙপানবা মপুগী লৈরাং লৈনম ফংদুনা
থৱায় মিরেনবু তান ফংখ্রে ।
তাইবঙ হকচাংদি মালেম ইমাগী তম্পাক্তা শিন্নরে ।"

**সুমাং লৈকৎ থৌনিরোল:**

"মপান লৈকা য়াথোকশঙদা অমন শিংকুম য়াতাবা অসি
লৈনুং থরো লৈহনবী চান লৈনুং থরো লাই হাৎলে
খুবী নুংথোঙ চীংগী  লি লি নাওশঙ চাদি খম্নুং তাংগ্রৌ
শনশেনবনা মখুৎশুনা চৈবী তেমথেংলে ।
হা উং হা য়েং ।"

"কংলৈ লমহনগী  লাইদি ঙানু পুংখোংবা
মোনোং থাংশাবনা মনুং থর চৈফু লৈয়ে
নাকচেকপনা চকপ ফুরৌয়ে চিংরন চরালাইদি
চিংজিন নারন পাংগনবা পাইমা মনিংসেন
ফুরম নোম ফুরুম তাংবদি থাঙলেন মখুৎশুনা
থৱায় মঙামকপু অদু নোগীসু খম্নুং সৱা তাননবগী
লোইদামগী থাবান পানবা কোরৌ নুমিৎকী
য়াইফ পুংফম অসিদা য়েক সলাইদা পোকচরম্বা
নদাইরেমগী অমন অসিং শিদবদা কৎচরি ।"

চয়োল অমগী মনুংদা লৈরিবা নুমিৎ ৭ নিগী মরমদা নাওরেম অমুয়াইমা সিংহ, পণ্ডিত অচৌবাগী ৱাচেৎলোন কৌবা লাইরিক্তা অসুম্না ইরি ।

" লংমাইজিংদি মিৎ য়েৎনে ।
নিংথৌকাবদি মিৎ ওইনে ।
লয়পাকপোকপদি নাকোঙ য়েৎনে ।
য়ুমশকৈশদি নাকোঙ ওইনে ।
শগোলশেনদি শ্বর য়েৎনে ।
ইরাইদি শ্বর ওইনে ।
থাখজদি য়ানে ।"

লাইরিক ময়েক তাদনা লৈরক-  খুল্লক্তা শোন্নবা লাইৱা খরা :( লৈখিদ্রবা ওজা য়েংখোম তোমৈদগী )

**থাংলোন:**

হুং নুং হঙ্গাইরেন নংনা কায়রো,

নুংবিরেন নংনা তুম্মো ৱাংৱেনগী য়াথংনি,শেৎ কায়রো শেগাক

কায়রো, খায়বোক খায়রো ।

**থুগায়নবা:** "ফক,তুপ,পৎ,শেৎ, শ্বাই,

ক্লীং রে শ্রোক,খ্রেক, খ্রেক হায় শেৎ ।"

**পান্নবা:** "হুং শেৎ, শরা শেৎ ফৎ : পান্দনবা: ফৎ শেৎ শরা শেৎ হুং ।"

**নোংমৈনা পান্দনবা:**

"হুং ফুআ ফুআ ( লমলেমদা লেপ্পু নেংমৈনা পালোই )"

ঐখোয়গী অহল- লমনশিংনা অনা- অয়েক য়াওরকপা মতমদা ( মতমদুদদি ডাক্তরগী হীদান লাংথক মরাং কায়না লৈরমদবনা ) শোন্নরম্বা অনাবা ফনবা লাইৱা ।

" হে ইবুধৌ, লৈনুং মোরি য়োৎশুংবা, খুনু তেক তেক থাংজবা

য়োৎ পোকপা খল্লাংবা কদেং য়োৎনিং য়োৎপু তেক্লগা

কদেং য়োৎনিং শম্বীবা,থাংলেন ময়া তারগা

থাংলেন ময়া তোপ্পীবা,

য়োৎপু চগেম শাইবগুম শাইরিবা,

নুংবু থুম তুপ্পগুম তুপ্লিবা ইবুঙো,

নহাক্না ননাইগী হকচাংদা য়েৎলিবা

নারিবা পূন্নমক অসি কোকহনবীয়ু ।"

**করিগুম্বা থবক শু**- চৎপদা থেংদুনা, তুদুনা তেকপা খোৎপা য়াওরকপা মতমদা তেক্লিবা নারিবা অদু ফনবা লাইৱা ।

" পাখংবা তোংনা তৎলগা লাইরেন তোংনা শম্মী,

লাইরেন তোংনা তৎলগা তুবী তোংনা শম্মী,

তুবী তোং লাইরেন তোং শমৱানে গুরুগী য়াথংনি ।

তিংনা লু পোকই, লুনা তোং পোকই

তোংনা উন পোকই, উন্না তু পোকই,

তুনা তিন পোকই,

তিন্না তিল পোকই,

ননাইগী লুদা তোংদা তেক্লিবা, নারিবা পূন্নমক

ফরো, তাইশিন্নরো, শমজিন্নরো, গুরুগী য়াথংনি ।"

**কনাগুম্বা অমগী যূমদা হুরানবা চংলবদি:**

হুরানবা অদু মপান থোক্তুনা চেনখিদনবা, হুরানবা মপান থোকখিদনবা অথুপ্পা লাইৱা:

" ঋীং,ক্লিং, পিলং, খায়রে শ্বাহ হংগ গেহং গোহং।"

পোৎচং: তুলশী অমুবগী মঞ্জুরি নিপাল হেল্লগা, মঞ্জুরি খুদিংদা মন্ত্র অসি নিপাল্লক নিপাল্লক শোল্লগা ঈশিং য়াউম অমা তেঙ্গোৎতা থাথরগা মায়কৈ মরি, শুংদাই নিপালদা চাইথোকউ । মতমদি বিশাখা নুমিত্তা, থাংজ তাবদা পাঙথোকউ । মতমদি- নুংথিল, নুমিদাং ইয়া য়াই ।

মসিদা করিগুম্বা হুরানবা অদু ফাজিনখ্রবদি থাদোক্লবা লাইৱা পাঙথোক্ত্রিমখে হুরানবা চৎখিবা ঙম্লোই ।

**থাদোকনবা লাইৱা:**

" ক্লীং ধর্ম "

হায়দুনা উনা অমা খুল্লু অদুগা

" ক্লীং ধর্ম, ক্লীং শ্বাহ " হায়দুনা ঈশিংনা মী অদুদা

চাইথোকপীয়ু । করিগুম্বা মসি পাঙথোক্ত্রবদি মীদু অৱাবা তাগনি ।

ঐখোয় মৈতৈগীতা নত্তনা জাখিদিংমক্কী থাজনবীগী মনুংদা, মী অমদা মী অমনা কল্লক- য়েংথীবা লৈরগা মীদুগী ফত্তনবা থবক তৌশিনবা হায়বদি ' পোৎশেম ' শেমজিনবা তৌই হায়না থাজনৈ । মসি অথুপ্পা অমনি । মাইবা, মাইবীনা মসিবু মথৌ হাপ্তুনা হেন্না কনশিন্না থাজহল্লি । তশেংনমক মসি লৈবরা নত্রগা লৈতবরা হায়বগী মশীং নাইদনা নৈনরবসু, লৈতে হায়বগী থাজবা লৈরবসু, মা মানা অৱাবা তরক্লবা মতমদা হেন্না থাজবগী মথৌ হাপ্লবগুম ঐখোয়না উরি । নোংমা ঐহাক্কা মরুপ অমগুম তিন্নজবা, লোয়নজবা ওজা অমনা ঐঙোন্দা হায়খি : য়েরুম অমা লৈরু, মদু ঐগী খুবাক্তা থল্লগা য়ুংখৎহনগে । ঐনা য়েরুম অমা লৈরুই । মহাক্না য়েরুম অদু মহাক্কী য়েৎথংবা খুবাক্তা থল্লগা য়ুংখৎহন্নবা হোৎনৈ ।

" হৈচচচচ- - - গুরুগী য়াথংনি হৌগৎলু "

মখাদি মরোল মুন্না তাদে । মানা ঙংবগা খেকপগা তৌই । য়েংবদা য়েরুম অদু তপ্না তপ্না য়ুংখৎলকপগুম উখি । খুৎকী চলাক্না খঙদে । মখা তানা মহাক্না অমুক হায়রকই । খোংদ্রুম মরী অদুনা, মরী চৎলিবা মনাক্তা মহাক্কী খুৎ থম্বদা য়েৎশিল্লকনি । অচুম্বনা করিনো, মহাক্কী লাইৱানা করিনো, লম্মুক্লে । ঐনদি হায়জখি : ওইরোইদৌবদা । লাইৱা মন্ত্রশিং অদু মরোল লৌফম খঙনা শোনবা তাবদা নোক্লীংবসু ফাওই । অদুবু মাইবা অদুনদি ওস্থোক্না থৱায় য়াওনা শোল্লি ।

মরকসিদা চৈনা নাপ ওনবগী চানবরা, ফাগীরা খঙদবা অমগা লৈরি । চৈ নাপ অদু মশানা ওনজবনি,অমুক্না শাংই হায়, অমুক্না তেল্লি হায় ।

**থোংজাওদা মাইবা** অমা লৈরম্মী । মহকসি অঙাওবা য়েংই হায়নৈ । মহাক্না য়েংখিবা অঙাওবা ফনা য়াম্ন া ফখ্রে হায়নৈ । ইং কুমজা, ২০০০গী অদুৱাইদা ওইগনি । মাইবদু উন্নবা চৎখি, ঐখোয়গী নক্লবা মরী- মতা অমগী য়েংনবা । অঙকপনি, অঙাওবা য়েংবগী ডাক্তর মরাং কায়না লৈরবা মতমসিদা মাইবগী লাইৱানা, মদু শোল্লগা অঙাওবা ফবা ! মসিবু থাজরিবা, মসিবু থাজদবা ! ৱাখল অনীমক লম্মুক্লে । মাইবদু উন্নরে । ৱারী শান্নরে । মতুংদা মহাক্না চে মচেৎ অমদা নীংথিজনা থুপচিল্লগা পীরকখি । হায়রকখি: চে অসি মীদুগী কাংথোল মখোঙনা নম্দুনা থমউ । মীদু শুকচৎ চৎথোক্লোই । ঙাওবসু ফখ্রগনি । অদুদগী ঐখোয় হল্লক্লে । ঐনা চিংনমনখ্রদুনা অমদি মহাক্না

ইরবদু করিনো খঙনীংবদগী হাংদোক্কুনা য়েংখি । ঐখোয় মৈতৈগী মন্ত্র ওইরমদৌবোই খল্লুমনি, অদুবু ওইরমদ্রে । হিন্দুগী থাজনবী অমগী মখাদা য়াম্না মমল লৈবা ' মহামৃত্যুঞ্জয়' ওইরমখি । হিন্দুগী মহামৃত্যুঞ্জয় হায়বসিমক্তবু লশ্নী কয়াদা য়াইফনবা শীজিন্নৈ ।

মহামৃত্যুঞ্জয় মন্ত্রনা এক্সিডেন্ট থোকপদগী কনবা ঙম্মী, লায়েংবা ঙমদ্রবা লাইনাশিংদগী লাইকোকপা ঙম্মী হায়বসি মন্ত্র অসিবু মশক মুন্না খঙবা ওজাশিংনা তাকপী । মদুনা মরম ওইরম্বসু য়াই থোংজাওগী ওজাদুনা মহামৃত্যুঞ্জয় পীরক্লিবা ।

'পোৎশেম যদু' হায়না চৎনরিবা অসি অওইবা ওইরবসু, ওইদবা ওইরবসু, তরাইনা লৌবমক্তি ইয়া য়াদবগুম্বা অমা ওইরি । ঐখোয়গী মাঙদা, ঐখোয়না লৈজরুবা য়েরুম অনী অহুমদু থম্লে । মদুগী মনুংদগী অমা মাইবদুনা লৌখৎলগা অনাবগী মশাদা নাম্থে অনী অহুল্লক । মাইবনা হায় পোৎশেম লৌথোক্লবনি । হৌজিক য়েরুমসি থুগাইরগা য়েংসি । য়েরুম থুগায়, মনুংদা শম তাশিল্লগা য়াওরম্মী । মসি পোৎশেমগী ৱারীনি । অনাবা ফরগনি হায়রল্লগা, মতিক চাবা দক্কিনা লৌরগা মাইবা চৎখি । অনাবদি মশাগী মশা ওইদুনা লৈহৌই । অঙকপা চৎনবীনি, ডাক্তর চৎতে, লায়েংনবা থৌরাং তৌদে, মাইবা মাইবী তান্নে ।

**পোৎশেম চংবদা লৌথোক্লবা লাইৱা:**

" ওঁ ক্লীং শ্লীং সেৎ সেৎ গুরুগী য়াথংনি ।"

মথক্তা পঞ্জখিবগুম্না মন্ত্রসিগা লোয়ননা পাঙথোক্কদবা লৈরি ।

**'মিকৌরোল'**(১) হায়বা অসিদি য়ামনমক অর্থ লৈবা ৱাফম অমনি । কনাগুম্বা কনাগুম্বীনা নারবদি, অনাবা অদুনা লুরবদি হায়বদি শিবা ওইথোকপা য়াবা লৈরবদি ঐখোয়গী ইপা ইপুশিংনা চৎরম্বা ৱাফম্নি । মসিবু থৱায় মি কৌবা হায়নসু খঙনৈ । করিগুম্বা থৌদোক হায়বদি এক্সিডেন্ট থোক্লবদি, থোক্লিবা মফমদুদা চৎলগা থৱায় মি কৌবগী থবক পাঙথোক্লে । মরমদি খঙহৌদবা থৌদোক থোকপা মতমদা থোক্লিবা মীদুদা অকি- অখং খরদি পোকখিবা মশানা তাবনি । মদুদা, হায়বদি থৌদোক থোক্লিবা মফম অদুদা ঐখোয়গী থৱায় মি চায়থোক্কুনা লৈবগী থাজনবী অমা লৈতবা নত্তে । অদুগুম্বা মশক উদবা পোৎশক অদু খোমজিন তাশিনবগী থবক মৈরা থান্দুনা, ঙমজবা হৈ, লৈ কৎতুনা খুরুমনৈ । মসি নাকন অমরোমদা য়াম্না অর্থ লৈবা ৱাফম অমা ওইনা লৌবা য়াই । মসিনা চায়থোকখিবা, অকি- অখংনা পাখৎহনখিবা, পুক্লিং ৱাখলবু খরা ইংথ- তপথহনবগী ৱাখল অমা ফাওহল্লি ।

মরোলদি:

" হো খাবুং হো লাইবুং ইরৈবুং লৈমা মিংনাইদবী
নিংথৌ কাংবা তেরো নহনফমদা হল্লকও,
নতেফমদা তেরকও, শজিক মতুং ইল্লকও থাবা মমৈ ৱাইরকও
থৱায় মঙামক মিগা থানা তরুকমক থৱায় হামফরোই
ফোইনফরোই মিরেল হামচৎনফরোই, মিরেল লাকও চঙলকও
মিরেল তোংবারাবা কোলচংও ।
কাইরৈ য়েনবু চিক চিক হায়না কৌবা নত্তে, মী...নঙগী থৱায় নংবু কৌবনে ।
তেকপী ওকপু তোই হায়দুনা কৌবা নত্তে থৱায় নংবু তোই হায়না কৌবনে ।
কাওরেন নংবু কোন হায়না কৌবা নত্তে, থৱায় নংবু কোন কোন হায়না কৌবনে ।

হে...নংবু পোকপা পলেম নমানা ফৈরাথক্তা ফম খোল্লাং মায়য়োক্লসি হায়দুনা কৌরিয়ে ।
লকা চাকারোক থিংজারোক ওইনা লুপাগী শোজৈ হাংগে, য়েৎনা সনাগী শোজৈ হাংগে হায়রে
( অহুক্কক ) কো কো কো, কুক কুক কুক ।"

পোৎচংদি: ফি মরাক তাইবা অমা, হৈরুক পানা, লাংথ্রৈ. লং অহিংবা য়াওনা অহিং অথেংবদা পাওথোক্কদবনে । ঈরাৎ থৌনিফমদগী খাঙেনফম য়ৌনা লং অহিংবনা তিংঙো লং অদুদা লং মিরি শিৎনা লাক্কনি, মী মহাক্কী থৱায় তন্দল ওইনা ওইনা লাক্কনি, তন্দল অদো থৱায়নি খঙও ।

**মিকৌরোল (২):**

" হে থৱায় মঙামক মিগা থারগা তরুকমক লোয়নবগা তরেৎ নহাকপু কৌবনে ।
লামৈ থানবী কৌবসু তোই তোই হায়না কৌই । লামৈ থানবী কৌবা নত্তে...
নংগী থৱায়বু কৌবনে ।
য়াংলৈ তাওবা হুইবু কৌবা নত্তে...নংগী থৱায়বু কৌবনে হোই হোই
কাইরৈ য়েনবু কৌবা নত্তে কু কু কু থৱায় নংবু কৌশিল্লবনে
হো না হোইজিল্লবনে, রোনা লোইশিল্লবনে, শোনা শোজৈ লোল্লবনে
হৌজিক লেংফদা নংবু ফারবনে ।"

মৈতৈগী লাইরোল- তিল্লোন অসি ইচম চম্বা অমনি হায়না লৌবা য়াদে । লাইরোল তিল্লোনগী ৱাহৈশিংগী নুংগী ওইবা ৱা অদুম্মক লৈতবা নত্তে । লাইরোল - তিল্লোনবু হকচিন্না থাজবা কনাগুম্বনা মায়কৈ কয়াদা শিজিন্নৈ । লাইৱা- তিনৱা শিজিন্নবদা 'সিদ্ধ' পানবা নত্রগা পান্দবা লৈ হায়নরি । মসি লৈতবসু নত্তে । অফবা লম্বীদা শিজিন্নবা পান্বশিংনা মসি শিজিন্নদে । ফত্তবা লম্বীদা শিজিন্নবা মীগী মশীংনা হেল্লি । মতাং অসিদা ঐখোয়গী ৱাখন্দা ফাওরিবদি ' মসি ঐখোয়গী কলচরনি ' কলচর হায়বসি লৈতবা য়াদে । মীওইবা হিংবদসু কলচর চঙই । শিবদসু কলচর চঙই । অমরোমদা লাইৱা- তিনৱা হায়বসি সাহিত্যগী মচল অমসু ওইরি । অসিগুম্বা মচল কয়ানা পুল্লবা লাইৱা- তিনৱানি । মসিগী মনুংদা ' সনামহি খুরুম্বা, লৈমরেল খুরুম্বনচিংবদি য়াম্না মরু ওইবা অমা ওইরি । খ্বাইদগী অরুবা ৱাফম অমা লৈরকখিবসি লাইৱা- তিনৱাবু লোৎশিন্দুনা থম্বা, করিগুম্বা অরোন- অথুপ্পদা শিজিন্নবদি অফবা ওইরোই । ঐখোয় পুন্না খঙমিন্নবা চঙই । অফবা লৌমিন্নবা চঙই ।

লমদম অসিদা বৈষ্ণব সম্প্রদাইগী ঈথিল চঙলক্লিঙৈ মমাঙদগী লমদম অসিগী ওইবা মশাগী চৎনরোল লাইশেল- তিনশোল লৈজরম্বনা অমদি ঐখোয়গী ওইবা মশক ঙাক্তুনা থল্লম্বনা লাক্লিবা মীরোলশিংনা মসিগী মশক অমা উবা ফংলিবনি । ইচম চম্বা ৱাখল্লোনগী মনুংদদি লাইশোল তিনশোলগী নুংগী ওইবা ৱাঙুলোন অথুপ্পা পুথোকপদা ৱানা থোক্কনি । বৈষ্ণব সম্প্রদাইগী ঈথিল ফংলবা মতুংদা ওইরকখিবা মণিপুরী লোনগা বঙ্গালি লোনগা য়ানশিন্নবগী মওং অদুনা হান্না লৈজরম্বা মওংদা অকনবা শাফু পীখি । লোনয়ানগী কল্লবা শাফুনা হান্না লৈজবা ৱাহৈশিংদা ৱাতোপ অমা হাপচিল্লকই । ৱাতোপ য়াওরকপগী ফজবা, মশক মাংহনবা কয়া লৈতবা নত্তে । অদুবু লোনয়ান য়াওবনা ফজবগী মতিক হেনগৎহনবা কয়াসু লৈতবা নত্তে । ৱাফম অমদা অনীরক হনজিন্না হায়জরবসু ৱাহৈ পরেং অদুগী মগুন্দি হনথদবা কয়াসু লৈতবা নত্তে ।

লোনয়ান য়াওদবা ৱাহৈ পরেং:

" হে অনম্বা অম্বী নপা হাক্তক নপু হাক্তক

ঐনা শেংবনি ৱাক শেৎ শেৎ হে অনম্বা অনম্বী ।"( লোনয়ান য়াওদবা )

(লোনয়ান য়াওবদা ): "ওঁ শ্রীমান লা হৃৎ ওঁ কালিকা হৃৎ

ওঁ ভুকা ভুকা হৃৎ মন্ন মনু মন্ন মনু মন্ন মপু মন্ন শানু- শান্ন

শান্ন নিজ মি মনু প্রভু রামচন্দ্রগী য়াথংনে ।"

( বিধি: হৈজাং মনা তরেৎতা শোল্লগা মোনপাক মখাদা থম্মো, নত্রগা অনাবগী ফম্মাংদা ...

ইরগা থম্মো ফত্তবা হাওদিৱা পূমনমক চংবা ঙমদে )

**ভুত প্রেত, যাদূ মন্ত্র চঙদনবনি হায়বা:**

" হুমা য়াংমো খুমা য়াংসো সনামহি চোই

পিতানতো সচিবা মন্ত্র যন্ত্র ক্লীং শ্লীং য়েং সাং

পকেতে পতয়েং অসপো শ্বাহ ।"

কনাগুম্বা থাজজবা খরনা মথক্কী ৱাহৈশিং অসি মহাক্না য়ূমদগী মপান থোকপা, থবক্লচিংবা চৎলমদাইদা শোল্লগা চৎনৈ।

অমরোমদা অমুক থৎন- চৈনবা, মীগা মরৈ শাংদানগনবা মীওইশিংনা শিজিন্নবা ৱাহৈ খরা । মসিবু থাং- তা চঙদনবা মন্ত্র ওইনা লৌনৈ ।

(১) " থাং নংগী মমিংদি উতাংপু কৌই ।

নপাগী মমিংদি উতোংপু কৌএ ।

থাং নংবু শেম্বদি ইরাইগা থাংজগা শেম্বনে ।

ইরাইগী মমিংদি সুকসা তনবা কৌএ ।

থাংজদি সুককান কৌএ ।

নপুদি লৈবাকনে, নবেন্দি ইসিংনে ।"

( ৱারী অসি হায়রগা লৈবাক খরা, ঈশিং খরদা শোন্দুনা য়োৎলো, থাং চঙদবনে খঙও ।)

**থাং চঙদবা, মীনা পায়বা খুৎলায় তাহনবা:**

২) " ওঁ কুঁহ কুঁহ সুং সুং ক্লীং শ্রিং শ্রীং " হায়না শোল্লো খোঙ থিন্দুনা লাউরো । মন্ত্র অসিদি থাঙ চঙদে । মৈ, ঈশিং, নুংশিৎ চঙবা ঙমদে । মীনা পায়বা খুলাই মখুত্তগী তাবনে খঙও ।

৩) " অং রিং ক্রোং ক্ষোঁ চা হৃৎ ফৎ " অসি হায়দুনা খুবাক অহুম্লক খুদুনা লাউবদা মখুত্তগী থাঙ তাবনে খঙও ।

৪) " ওঁ ফুৱা " লমলেমদা লেপ্লদা নোংমৈনা পান্দবনে । ( ওজা শিতোল সিংহ, ককচিং )

মথক্কী মন্ত্রশিং অসি চুম্বা চুমদবা লেপ্লা লুই । মরমদি অহল- লমনশিংনা মী অমদগী অমদা মথং মথং শিন্দুনা নত্রগা চিনফা পুদুনা লাকই । ইবা হৈতবদগী, বনান চুম্না খঙদবদগী চিনহায়দা চুল্লবসু, ময়েক তারকপা

মতমদদি অরানবা য়াওরকই । মরম অসিনা হায়রিবশিং অসিগী তং তাবা অচুম্বদু হৌজিক লেপ্পদা লুনা থোকই । লোইনমক লানগনি হায়বদি নত্তে । করিগুম্বদা শিজিন্নরিবা ৱাহৈশিংগী মশক খঙঙমদবসু য়াওদবা নত্তে ।

লৈখিদ্রবা নট সংকীর্তনগী শৈশকপা, রাইটর্স এসোসিয়েসন,ককচিং ' নট ভুষন' উপাধি পীদুনা ইকাই খুম্নখ্রবা, ওজা, য়েংখোম তোম্মৈ সিংহ, ওজা অসিনা শীজিন্নরম্বা- ' দেবী অকর্সন'নি হায়রি।

" ওঁ ব্রীঁ কালিহে ।
ব্রীঁ পতাল্লে মহাকালি
সুন্দর মাতা হল্লে রোরে কালি
ফল্লনা দিলাস বলি
এই শথ লোরে শ্বর্গ দেবগন তোর মারৌ
শাক্তি হে কালি মাদেবী ইবেন্মা
নহাক্লা নহা... অসিগী মথৱায়
দেবীনা চিংদুনা পুবীরকউ ।"

( পোৎচং: চফু অহিংবা অমা, খুনু অমুবা অমা, হৈরুক ৩, পানা তাঙ্গা ৩, খোইরু থাউমৈ, ধুপ থাউমৈ, সিন্দুর, মুর্তি অমা য়েক্কনি, তুলশি মনা ১০৮গী মনা খুদিংদা মন্ত্র অসি শোনগনি ।)

মন্ত্র অসি বঙ্গালি লোন্না অয়ামবা ওই, মমৈদা মৈতৈলোন তারকপনি । কদায় ফাওবা চুল্লিবগে হায়বা ওমদে । মন্ত্র অসি শোন্দুনা মথৌ মঙম পাঙথোক্লগা কনাগুম্বী অমগী থৱায় কৌবদা শিজিন্নবনি হায়না তাকপীরি ।

**মথংদা অমুক নুপী ফাননবা লাইৱানি হায়বা:**

তুম্লমদাইদা ফমুংদা লোংনা হিপ্লগা খঞ্জরিবী, পামজরিবী নুপী অদুবু পুক্নীংদা চিংশিন্দুনা খনগনি । অদুগা লাইশোল অসি শোনগনি ।

" ... নংগী মীৎনহাগী মমিংদি মুহিমা অমুবী কৌই ।
খোইনী নংগী নমিংদি মুহিলা অমুবী কৌই ।
ঐনা নংবু নুংশিনা ফারবনি ।
মোইরাংগা থাংজিংগা থংনরে,
থৌরী কোঙ্গোয় য়াইওইবনা কংলা মপুংয়াইদা পুল্লবনে,
য়ানবা য়াইনা ফারবনে, পুন্নবা য়াইনা পুল্লবনে,
য়ানবা য়াইনা য়ানরবনে ।"

" তেবা নিংথৌ নবুক নখোয় তেয়ু ।
শুম্বা নিংথৌ নখোয় নরিল শুম্লবনি ।
মীতে ৱানি, লৈবুং হিংজন ৱানি,
নংবু ঐনা ফারবনে ।" ( ওজা তোম্মৈ, ককচিং ময়াই লৈকাই )

**নুপী ফানবা লাইব্রা- তিনব্রা:**

মসিগী মতাংদা করিগুম্বা খরদি হায়দবা য়াদে । মরমদি- অসুম্বা লৈ, অসুম্বা চৎনৈ হায়দুনা অফ- ফত্ত খণ্ডনা হেক্তা চাংয়েং তৌবদি অরানবা ওইগনি । ভারতকী দর্শন শাস্ত্রদা নুপী নুপা য়ূম্বান্নবগী মপাল মরা তানবগীদমক্তা বাস্যায়নগী কাম শাস্ত্রদা হায়রি :

পীরিবা, নৈনরিবা ব্রাফমশিং অসি কনাগুম্বনা অরানবা ব্রাখল্লোমদা পুদুনা কনাগী মফমদা নত্তবা মীৎয়েং,ব্রাখল খল্লবদি মদু পাপকী মশক্কি ।

মরম অসিনা মৈতৈ জাতিগী লাইনীং লাইশোলগী অথুপ্পা অসি মরম চাদনা হেক্তা শিজিন্নবা য়ারমদৌ মান্দে । মথক্কী ব্রাফম অসিগী মখা তারকপা ওইনা ওজা অসিনা অমুকসু তাকপীরি:

মীঙ্গৌরোল:


“ ঐঁ হো খাবুম, হো লাইবুং লৈমা ভানু,
নিংথৌ কাংবা মশুমাং লোইরিবা
ফম্বাল চানা ক্কাগোক মনুংদা হলক্লো ।
...নংগী থব্রায় মঙামকপু ঐনা কৌরবনে,
অরিকপী,অরাংবী, অঙৌবী,অমুবী, অঙাংবী
থব্রায় মঙামকপু কুমকও ফাননবা য়াইনা ফারবনে,
পুন্ননবা য়াইনা পুল্লবনে ।”

করিগুম্বা কৌবা মতমদা জীব লাকপা মতমদা:

“ শ্রী অঙ্গো তনঙ্গো তনং তনঙ্গো ধনং ধনঙ্গো
থব্রায় মঙামকপু কৌরবনি।” অসি হায়দুনা ক্কাগোক মখুম খুমজিনগনি ।

পাঙথোক্কদবা থৌরম:

( থোঙ্গান্দা বর্তি অমা, তুলশিবুংদা বর্তি অমা, থোঙজিন্দা বর্তি অমা, চফু অমদা মিং ইরগা কৌগদবনি । মদুদা মী অতোপ্পা অমনা মচি অমদা ফমুগা য়েংহল্লু । অরংবা মঙাল অমা ওইনা পাইশিল্লক্লবদি কৌবা তোক্লো, উচেক ওইনা পাইশিল্লক্লবদি, শাইজিন্দা পাইশিনখ্রবদি কেগাম অমনা কুপশিল্লো । নোংমা পানবদা নত্রগা মঙানি পানবদা লাকএ খঙঙো ।)



অসিগুম্বা ফানবা, পুন্নবা মরম য়ামখ্রে । মখাদা অমুকসু থব্রায় ফানবনি হায়দুনা মন্ত্র অমসু পুথোকপীরক্কি।

“ ওঁ জীবাত্মা পরামাত্মা কে হংস...
নংগী থব্রায় মঙামক ফারবনে
গুরুগী য়াথংনি ।”

মথক্কী লাইৰাশিং অসিদা উবা ফংলিবদি ৰাহে় অয়াম্বনা সংস্কৃত অমদি বঙ্গালি লোন্না ওইরি । লাইৰাশিং অসিবু শিজিন্নরন্না মাইবা, মাইবীশিং থোইনা লোলশিং অসি খঙবগী মমি তাদে । ওজা অমদগী ওজা অমদা চীন্থাং পুথাংনরকপনা ইবগী নত্রগা খোম্থোক্কী অশোনবা লৈবদগী মমৈথংদা অরানবা অচুম্বা হায়ফম খঙদবা ওইরকই । অদুমক্সু চৎপদি চৎনরি । মরম অসিনা লোলগী, বনালগী ৰাফম্লোমদা নৈনজদ্রে ।

করিগুম্বা থবক অমা পাঙথোকপদা থুক্কৎতনবা, পাখৎতনবনি হায়বগী লাইরোল:

"ক্লীং কৃষ্ণ গোপিচোনোম বনভায়য়ো এক হায়বা নাম শ্বাহ ।"

"শ্রীরাম লক্ষ্মন শ্বাহ, গরুগী য়াথংনি ।"

ঐখোয়না ৰারী কয়ামুক তারে মদুদি লম শাংনা চৎপা মতমদা ইপুদুদি, ওজাদুদি লম চিংশিনবা হৈ । মরম অদুনা মহাক্কা লোয়ননা লম শাংনা চৎলবদি য়ৌখিবা খঙহৌদে । তশেংনমক লম চিংশিন্নবা লাইৰা লৈবজাৎলা, নত্রগা মশানা শাংদুনা লৈরবা লমবু করম্না চিংশিল্লিবনো ? মসি খন্ননিঙাই ওইবা ৰাফম অমনি । ৰারী লীবা হৈবা মীশক অমনা লমশাং চৎলকপা মতমদা মহাক্কা নুঙাইরবা ৰারী অমী লীদুনা চৎলবদি ৰারী তাবগী নুংঙাইবা অদুনা অৰাবা খঙদনা চৎপনা লমথুংফম য়ৌখিবা খঙহৌদবা অদোমদদি ওইগদবা মান্দে । মরমদি লম চিংশিন্নবা লাইৰানি হায়রবনিনা । পীরিবা অথুপ্পশিং অমনা লোইদে । মান্নবা মওংদা মখল মখলগী লাইৰা লৈরি ।

লম চিংশিন্নবনি হায়বা মন্ত্র:

"বাইনুলে কুললে তবৎয়াদ এ জা জা<br>
তাইয়প তাহে ইনা তেন্না ইব্রাইম কসিম<br>
গুরুগী য়াথংনি ।"

অসিদসু নত্তে, কয়া অমা লৈরি । লৈরিবশিংগী মনুংদা পাঙ্গল কন্নবনি হায়দুনা অমসু থম্বীরল্লি । পাঙ্গল ঙাইহাক্কী ওইনা কন্ননবা হায়বা ৰাফমসিদি ঐখোয়না সিনেমাদা করিগুম্বা হীদাক অমা কাপশিল্লগা মপাঙ্গল খঙকন কনখৎপগী মওং কয়া উদুনা লৈরি । পোৎ চৈ থাংবা, থোনগৎতুনা পুবা, করিগুম্বা অমা য়ুংশিন্দুনা লৈবদা মদু ফুকপনচিংবদা শিজিন্নবনি হায়বা, মসিবু বীজ শক্তিনি হায়বীরি :

"ওঁ হিলিং ক্লীং ক্লীং বিশম্ভর রাম রাম<br>
বিশম্ভর রাম শ্বাহ, গুরুগী য়াথংনি ।"

**পোৎশেম যাদু** মমাংদসু পনজখ্রে । অমুকসু মখা তানা লৈরল্লি । মসিনা য়ুমগী মনুংদা চঙদনবনি হায়না তাকপীরি । পোৎশেম যদু হায়বসি অমরোমদা ফত্তবা নুংশিৎকা থেংনবনি হায়না লৌবসু য়াই । য়ুমগী মনুংদা চংদনবনি হায়রবদি মদু শোয়দনা ফত্তবা নুংশিৎ ওইগনি ।

"হোলকা রোত্র নানা হংস ।"

মন্ত্র অসি শোন্দুনা থোঙ পুম্নমক থিংউ । পোৎশেম যাদু চংদবনে ।

হায়নবা লৈ মদুদি মদুগী মীদুনা ঙাংলবদি, করি যাদু মন্ত্র পুবনো খঙদে, মী মখৈসি হেক্তা শুম্বনি । হায়রিবশিংদুদা হেক্তা য়াবনি । অসুম্না মীয়াম তিনবা সভা চঙবদা, মীয়াম্না মহাকপু নুংশিনবা, মহাক্কী ৰা তানীংনবা হায়দনা ৰাফম অমসু লৈরল্লি ।

" খা লৈশ্রাম সনা হুম থাংজিংদা ফমফল্লিবা
নমিংদি সনা হুমজিং লেন কৌই ।
ক্লীং স্বাহ ।"

খুদোন্বীদা শোল্লগা চুপও । মীয়াম শুম্বনে হায়না তাকপীরি ।

ৱাফম অমসু লৈরি মদুদি ঐখোয়না ঙা চাবদা খৌনাউদা ঙা মরু তনখিবা নত্রগা পনখিবা মতমদা কনাগুম্বা অমনা করিগুম্বা ৱাহৈ খরা হায়রগা খৌনাউদা নাম্থবদা হেক্তা ফবা লৈ । মসিদি তশেংনা ঐখোয়না উনরবা খঙনরবা ৱাফম অমা ওইরিবনি । মসিদ নত্তনা পোম্বা তঙবদসু মন্ত্র শোল্লগা নানবদা ফখিবা কয়াসু লৈতবা নত্তে । ঐখোয়না থেংনৈ মদুদি ' নুংশিৎ চঙবা' হায়বা অমা । কনাগুম্বা, কনাগুম্বী অমা উরুবদগী অঙাং পংকপ্তা কপখিবা । থেম্বা লাকপা য়াদনা পংকপ্তা কপ্পা । থাজগদ্রা থাজরোইদ্রা হায়বদুদি মী মীদুগী মখা পোল্লি । অসুম্না থেম্বা লাকপা য়াদনা কপ্পসি মাইবা লাক্লগা মখূবাক্তা করি করিনো খর হায়রগা অঙাংদুগী মমায়দা নাম্থবদা মিত্রংগী মতৌগুম অঙাংদু খুদক্তা কপ্পা তোকখিবা থেঙ্খাং কয়াদা থেংনজখ্রে । শারৈ হৌবগী মতাংদসু মসিগা চপ মান্ননা থোকখিবা থেংনজখ্রে ।

মতাং অসিদা লাকচরিবনা মীৎ উদবদা শোল্লগা নাম্থবদা ফৈ হায়বা মন্ত্র :

" ক্লীং ক্লোং হং অংলং চং কৌইএ শেকনিং কৌবনি ।"

করিগুম্বা থবক অমা পাঙথোকপদা, তৌবদা মদুগী মহৈ ফংই, কান্নবা ফংই হায়না থাজনবা লাইৱা, ওজা তোম্মৈদগী । মসিবু ওজা অসিনা ' মাজিং মীংখৈ ' হায়না তাকপীরম্মী ।

" ওঁ হাই চিংপা ফা হিং
ওঁ উই ক্লাংচিঙ থাং
খুং ওঁ হি ক্রক ফাহিং ক্রক কং ফাওঁ নিয়ক কঁ
সংদে হিংদে মার্জিং মীংখৈনি, গুরুগী য়াথংনি ।"

**কনাগুম্বা মী অমনা খূৎলাই পায়রবা** অদুগা নহাক্লা পায়দ্রবা অদু ওইরবদি মহাক্লা পায়রিবা খূৎলাই লৌনবা অমদি মখূৎতগী তাহন্নবনি হায়বা। থায়না শা- লানগী মতমদা শীজিন্নরম্বগীনি হায়না ওজাশিংনা তাকপীরম্মী ।

**১। মীনা পায়বা খূৎলাই লৈবাক্তা তাহন্নবা ।**

" ক্লীং হাৎভে হাৎভে রাম হভে রাম হাৎভে
কৃষ্ণ হভে কৃষ্ণ হাৎভে লক্ষ্মন হভে লক্ষ্মন হাৎভে
নরসিংহ হাৎভে নরসিংহ হাৎভে ক্লীং নরসিহ স্বাহ ।"

২। মন্ত্রনা খূলাই লৌনবনি হায়বা

" ওঁ কালি হ্রীঁ ওঁ থৎ শ্রীৎ হো দেবী
ওঁ ভ্রা ভ্রমরী কালিকা ঈ ফিরিৎ,
গুরুগী য়াথংনি ।"

( মন্ত্র অসি শোনবা মতমদা মীদুগী মীৎতা চুমথাং খনবগী মতৌগুম উহনগনি । মতমদুদা মীদুগী খূৎলাই হেক্তা লৌবা য়াগনি ।)

ঐখোয়না মী মাংবা ঙন্নগী ৱারী কয়ামুক তরে । হায়নবা লৈ মদুদি মণিপুরগী যুবরাজ টিকেন্দ্রজিৎ মাংবা ঙন্মী হায়না । অদুগা হৌজিক ৱাফম অদু থেংনররে । মখাগী মন্ত্র অসি মথৌ মঙম পাঙথোক্তুনা শোনবা মতমদা চাওরাক্লা পুং ৩ লোমদি মাংবা ঙন্মী হায়বা । ৱাহৈদি:

" হে গুরু
তাইবঙ মালং হায়বা অসে শেন্নীবা গুরুনা
চয়োল তরেৎ হায়বা অসিসু শেল্লন্নবনি
চয়োল তরেৎ অসিগী মনুংদা
গুরুনা ছায়া অমমম হোংবা অদু
ঙসি নোংমাইজিং কৌবা নুমিৎ অসিদি
গুরুগী ছায়া মাংবা নুমিৎনিদো
নমিংসু ছায়া ছায়া
মন্ত্রসু গুরুগী চরন্দা কৎচরবনে
থাংশাং অসিসু কাইনিয়ো লেংলসে ।
ওঁ শ্লীং হর,হর,হর,হর, হর ক্লীং
জগৎ মহি শেৎ কায়যু
ওঁ হ্রীং ভস্ম সম অঙ্গ হকচাংদা তোংদা শিংলীদা
ব্রহ্মগী থোঙ ১০৮ দা লৈরিবা মিহুল পুন্নমক ফারবনে
ওঁ ক্লীং ঙ্ক্রং ঙ্ক্রং ঙ্ক্রং ঙ্ক্রং তুন্মো মাংঙো ছায়া মহি
গুরুগী য়াথংনি শোয়বা য়াদে
হো শেৎ কায়যু, নুঙ তুন্নগুম তুন্মো তুন্মো ।"

( মন্ত্র অসি তরেৎলক খূবাক্তা শোল্লগা কোক্তুগী খ্বাং ফাওবা তরেৎলক নাম্থৌ, শিখাসু তরেৎলক শোন্দুনা পূল্লু । পুং অহুম মখৈদি মী ওহন্দবা ঙন্ননে । শোনবা মতমদা মী তাহনবা য়াদে । মীনা তাখ্রবদি সিদ্ধ পান্দে । ৱাফম অসি কাউদনা থবক্তু চৎলমদাইগী মতমদা পুক্লীং লাকশিন্দুনা নীংথিজনা পুজা তৌদুনা চৎলো, মীনা উদবনে ।)

**অনা- অয়েক মতমদা** খোইদৌ মিহুন কাংবদা মন্ত্র অসি শোল্লগা খোইদৌদা অহুমলক নাম্থরবদি খোইদৌ মিহুল কাংবা ফৈ হায়বা । মসিদি হৌজিক হৌজিক ঐখোয়গী খুল্লক ইরক্তা অদুম চৎনরি । ডাক্তরখানাদা লায়েংবদা ডাক্তরনা যূমদা পুথরগা পোথাহল্লো হায়দুনা পুথরগা মাইবা কৌদুনা য়েংবা মতমদা, মীদুনা তাইবঙ মালং শেৎনগদৌবগী তৎতনা মিহুল কাংলকপা মতমদা মন্ত্র অসি শোন্নে ।

" চিবান্না কোনথাংনি, শোরনা শুক্লি
খোইদৌনা শুন্নলনি তিং তিং তিং, হাইথরো গুরুগী য়াথংনি ।"

**অনাবা ফৈ,** অনাবা কোকই হায়বা মন্ত্র । অসিগুম্না মন্ত্রসিদি মশীং য়াম্না লৈখ্রে ।

" ওঁ দৎ সো, দৎ সো, সো রো রো স্বাহ ।"

অনাবা কন্না হৌরকপা মতমদা ঈশিং খুয়া অমদা শোন্দুনা পীথক্লবদি অনাবদু খুদক্তা ফৈ হায়রি ।

**লাই মথি ফোংবা** হায়বসিদি মাইবা মাইবীদা দশা য়েংলুবা মতমদা তৎতনা ফাওরিবা ৱাফম অমনি। ইংখোলগী লাই মথি ফোংই, লাই ঙাওই, অনা অয়েক্তসু মসিমঙাই, মথৌ মঙম তৌথোকউ হায়বনচিংবা। ৱাফম অদু লৈবা মতমদা শোনগদবনি, পোৎশেম যাদুসু কোকই হায়বা।

" কিওঁ ব্রহ্মন্দ নমিংদি নেংখা লৈপু কৌই।
নোংখা লৈমা কয়ানা লৈমা হায়না কৌই।
মীয়ৎতা কেয়াৎতা আশিনবীয়ু, ও র সোর
থোকখ্রো।"

**মহিরেল লাইৱানি** হায়বা:

মন্ত্র অসি শোল্লবদি ভুত প্রেত, যদু মায়া পূম্নমক চঙদে, চঙবা ঙমদে হায়রি। মন্ত্র অসি ইরগা যন্ত্রদা হাপ্তুনা শিবা য়াই, কান্নবা ফংগনি হায়রি।

মরোলদি: " হুমা য়াংঙো খুমা য়াংসো
সনা মহি চোই পিতানতো
সচিবা যন্ত্র মন্ত্র ক্লীং শ্লীং
য়েং শ্রাং বাকেতো পতয়েং অসকো হ।"

**কনাগুম্বা অমনা কনাগুম্বা অমবু মাঙহন্নবা** হোৎনবা হায়বসি তাইবঙপান অসিদা চৎনদুনা লাকই। চৎনদুনা লৈখিগনি। মরু ওইনা মসি ইমুং মনুং, মরুপ মপাং নিঙাই শংদানবগী, লৌরী যুম্ফমগী, নুপী মুন্নবগী। নুপী ওইবীনা মপুরোইবনা মহাকপু থৌশাবিরক্লবা, নুপী অমা কোয়খিবগী। করিসু নত্তবদা মরৈ য়েৎনবগী, শাওনবগী অসিগুম্বা মতমদতা মীগী মাংনবা থবক তৌই। মসি মীওইবগী হৌনশানি। অদুবু অফবা, মীগী ফনবা খনবা মীওইশিংনা মসি খক তৌদে। মা মাগী ধর্মনি হায়না খন্দোকই। অদুগা লৌরং লমন পাম্বশিংনা চাননমক চঙশিন্দুনা মাইবা মাইবী তানদুনা থবক অসি পাঙথোক্লবা হোৎনৈ।

**মীবু মাঙহন্নবা লাইৱাদি:**

" পুরৈরোম্বনা হয়িং পোকই
হয়িংনা হল পোকই, হলনা খিক পোকই
... নঙ তুম্মো, তৎলো।"
( খোঙ্গুল অহুলক লম তৈথোকপা, মীদু অফবা ওইরোই হায়রি।)

**মৈ কৌনবা লাইৱানি** হায়বা:

" হে লাইনিংথৌ গুরুম শিদবদগী খাইদোরকপদা কোনয়াই কোনচিল তুথোকপা
পা খংলে পাখংবা লৈনুং কোজি তুকপা কোনশিলয়েল কৌবা লাই
খুনুং চক্তা খুনুং লোনজা অরিবা কৌবা লাই
কোন্নচক্তা নোংদা লাইরেল পাখংবা কৌবা লাই
হে খাম্বী মৈত্রেং অরাবা, খোইয়ুম শিদবা হো শিদবা
কোনসনা মপুরেল ইবুংঙো নংবু কোরৌদা লৈরবসু লৈথক
মালেমদা লৈরবসু ঈরাৎ ফম্বাল লাং

অসিদা য়াঙ্গোই খোংশানবীরকউ ইবুঙো,
হা উং হা য়েং কুবীরো ।
ইবংঙো নংগী লৈয়েং লৈতোন্দা
চেং থোইদিং কৎচরি হা উং হা য়েং কুবীয়ো ।”

**১) নুপীনা য়ানবা, নুপী ফানবা লাইৰানি হায়বা:**

মীওইবা পুন্সিগী তাংকক খুদিংমক্তা ৱারী লীখুন ওইরিবসি নুপী নুপাগী ৱাফমনি । মীয়াম্মা তানরিবসি নুপীবু নুপানা তান্নবগী ৱারী ঙাক্তনা অয়াম্বনি । নুপীনা নুপা তান্নবগী ৱাদি পঙয়াম য়ামদে । মরম অসিনা নুপাশিংনা নুপীনা মখোয়বু য়াবীনবা উপাই অমা নত্ৰগা অমদি শোয়দনা তৌই । অদুগুম্না মায়কৈদগী ৱাফম অসি লাকই । মহৌশানা নুপানা মংজবা মঙ হায়বসিমক্তবু নুংশিজবী, ফজবী, মতৌ লৈবী নুপীবু মহাক্কী ওইগে হায়সিনা ওইগল্লি। মরম অসিনা অদুগুম্বী নুপী অদুনা মঙোন্দা য়াবীরক্কবা মতমদা য়াবীনবগীদমক মখল মখাগী ওইবা য়াবা থবক পায়খৎলি । পায়খৎলিবা অদুম্না থবকশিং অদুদি জেসা উপাই তৌদুনা নুপী অদুবু মহাক্কী ওইবনি ।

**লাইৰা:**

“... নঙবু পোকপা নপাদি চকপী লাইচুম হায়না কৌই,
নঙবু পোকপী নমাদি অক্রয়না সতি প্ৰতিমা পোকইয়ে
নমিংদি সনা মনিক খোম্বী কৌইয়ে
নঙগী থৱায় মঙামক মিগা থানা তরকমক
ফারবনে পুল্লবনে লাও লাও লাও ।”

( তৌগদবা থৌওংদি:- ইশাদগী ঈ খরা লৌরগা মীদুগী মমিং ভুজ পত্র মনাদা ইরগা কাব্রং লংলা তরেৎনা য়োম্লগা খোইহীদা নত্ৰগা হঙ্গাম থাওদা থাথদুনা নুমিৎ তরেৎনি লৈমরেল মমাংদা থমউ । )

**২) অনীশুবদসু অসুম্না হায়বা:**

“ ...নঙগী মমিংদি লিক লিক য়োম কৌই
লিক য়োমশং কৌএ
তিল মিং হল্লো হল্লো
য়াইবী তোংব্র কোন কোন গুরুগী য়াথংনি ।”

( তৌগদবা থৌওংদি:- নোংমা পানবদা খোঙ খূয়াগী উফুল লৌরগা মপান থোকচিল্লগা মারবোল ওইনা তারো অদুগা য়োংমু লমশিগী শরূগা ফুরিৎখাউদা খিংউ । মীদু খঙশিন্নদনা তূম্না য়ারোই ।)

**মঙদা নুপীনা য়াগনি য়ারোই হায়বা য়েংনবনি হায়বা:**


মঙ হায়বা অসি হিংলিবা মীওই অমগী পুন্সিদা শোইদনমক লৈরগদবা ৱাফম অমনি । মঙগী ৱাফম অসিদা কা হেন্না থাজদবা মীওইসু লৈতবা নত্তে । অদুম ওইদুনসু মঙদি মীওইবনা মঙদবা য়াদে । কনাগুম্বশিংনা হায়বদা মঙ হায়বসি মী মীদুনা থেংনরুবা, মঙোন্দা থোকখিবা থৌদোক- ৱাথোক্কা য়াম্নমক মরী লৈনবদৌনা হায় । অদুবু মঙগী অঙকপা লৈতবসু নত্তে । মঙদা নুংঙাইরম্লবদি তাইবঙদসু ৱাখল পুক্লিং নুংঙাইবা ফাওই । মঙদা ৱারম্লবদি তাইবঙদসু করি থোক্লগবা হায়দুনা ৱাই । পুক্লিংদা নীংকোক নীংকোক তৌদুনা লৈ । মঙগী অঙকপা খরসু লৈতবা নত্তে ।

মদুদি পুন্সিদা অমুক্তসু থেংনখিদ্রিবা, অমুক্তসু উথিদ্রিবা মী,পোৎ চৈ উবা, থেংনবা, উনবসু লৈ । অদুগা নোংমগী খোঙচৎ অসিগী মনুংদা হয়েং করি থোক্লগদবা হায়বদু মঙদা হান্না তাকপগুম্বা অমসু লৈতবা নত্তে । কনাগুম্বা মাইবা মাইবীদি নত্তবা, অদুগা মহাক্কী মঙদা তাকলম্বনি হায়দুনা তাক্লমল্লিবা ৱাফম অদু শিজিন্নবসু লৈ । মদুবু ঐখোয়না ‘মঙতাক’ হায়না খঙনৈ ।

মরম অসিনা ঐখোয়গী অরোন- অথুপ ৱাফমসিগী মনুংদা মঙগী ৱাফম অমা য়াওরম্বসি য়াম্না ৱাংবা অমনি হায়না লৌবদা লাল্লোই ।

“ মিরেল মিখা চোই চোই
শজিক য়েংলৌ শন তরুবী
তম্ফা নহা থোরেক্কে ( চাওবগা চাওবীগা শান্নরিয়ে, শান্নরেনে
হিক সনা খাং সনা হুক ছায়া লৌদুনা শান্নরবনি চাওবী।)
নঙগী থৱায় মঙামক মি মি মি, রো, রো, রো
কুক কুক কুক ।”

পামজবী নুপী অদুনা মঙোন্দা য়ানীংব্রা য়ানীংদব্রা হায়বা য়েংনবনি হায়বসিগী মনুংদা করম্বা মওংদা মঙদা ফাওরগনা য়ানীংবনি, করম্বা মওংদা ফাওরগনা য়ানীংদবনি হায়বসি খঙগনি হায়বগী ৱাফমদি পল্লমদে । মসিনা তাকপদি মঙদুদা মী মীদুগী ৱাখনদা ফাওরিবা অমদি ফাওখিবা অদুনা ওইগনি হায়বসিনি । মঙগী ৱাফমসিগী মনুংদা মী মশাদুগীত নত্তনা মহাক্কী ইমুং মনুংগী মীওই ফাওবগী অফবা ফত্তবগী খুদম চাংদম পীবা মঙসু লৈ । ৱাতাক অসি ফত্তবা থৌদোক অমগী মরমদা ওইরবসু মাঙজৌননা খঙহনবগী কান্নবা লৈতবা নত্তে ।



ওজা সন্দমনিনা ( তাং ১৬- ৯- ১৯৭৫ ইং,) লাংবন থাগী ১১নি পানবা লৈবাকপোকপা)হায়বীরম্মী চাবা থকপদা পোৎশেম যাদু চংদনবনি হায়না । চাবা থকপদা পোৎশেম যদু চঙদনবনি হায়রিবা অসিদি

মায়কৈ কয়াদা অচুম্বা য়াওই । মদুদি চাবা থকপা চেকশিনগদবনি হায়বসিনি । কনাগুম্বা মী অমনা করিগুম্বা পোৎ অমা পীবদা খুদক্তা হেক্তা চাবীরোইদৌবনি । মরমদি মদু অফবা সরম্বা য়াই নত্রগা ফত্তবা পোৎশু ওইরম্বা য়াই ।

"     মী মনিক মহা মনিক রো মনিক কু হিং ।"

( মন্ত্র অসি পোৎতু চারমদাইদা শোন্দুনা চাও, পোৎশেম যদু অমদি ফত্তবা চঙদবনি ।)

**মী শুক্ষৎনবনি হায়বা:**

"ওঁ থানা আনা"

( মন্ত্র অসি থোইদিং অমুবগী থাও অশেংবগা শুনু অহিংবগা তোৎনরগা ১০৮ লক শোল্লগা লাইবক্তা নম্মো মীসু শাসু শুক্ষৎপনি ।)

**নুপীগীদমক তূম্লমদাইদা শোন্নবনি হায়বা:**

"... ইবেম্মা নওগী মীৎনহগী মমিংদি মুহিমা অমুবী কৌই ।
থোইনৌ নওগী মমিংদি মুহিলা অমুবী কৌই, নওবু ঐনা ফারবনি ।
মোইরাংগা থাংজিংগা থংনরে
থৌরী কোঙ্গোই য়াইওইবনা কংলা মপুংয়াইদা থাররে
ফানবা য়াইনা ফারবনে,পুন্নবা য়াইনা ফুল্লবনে,
য়ানবা য়াইনা থারবনে, ...ইবেম্মা নওবু ঐনা ফারবনে ।
শ্লীং শ্লীং শ্লীং, কৃষ্ণ কৃষ্ণ কৃষ্ণ, ক্লীং ক্লীং ক্লীং
শ্রীরাধে শ্রীরাধে শ্রীরাধে
ইবেম্মা নওগী থব্রায় মঙামক মিগা থানা তরুকমক
মি মি লো লো কু কু
ঐনা কৌরবনি, ঐনা ফারবনি ।" ( ওজা লালহরি )

**অনাবদা ফত্তবা লাই তিল য়েংননবনি হায়বা:**

লাংথ্রে মপোপ তরেৎ চংগনি । অহানবদা লাংথ্রে মতোন অমা মনম নমহনগনি । লেমহৌরিবা লাংথ্রে মতোন তরুক্কী মনুংদগী অমা লৌখৎলগা হ র স শোন্দুনা "মী মনু, শা মনু, ঙা মনু, লৈপাক মনু, নোংথৌ মনু, ঈশিং মনু, লাই মনু লৈরম্বা পূম্নমক হিকথরো, মা মা মাথরো গুরুগী য়াথংনি ।" মঙাং গুরুদা কৎলগা মনম নমইবা লুৱাং গুরুগীনা স র হ । খুমন গুরুগীনা র হ স নি ।

(যদু ওইরগনা খাগনি, শিল্লগনা খূৎশেম, অফকপা ওইরগনা পোৎশেম, লাইগীনা লৈ মনম নমগনি, তিল লাই ওইরবদি মনম লৈররোই ।)

**পুক্লীং তেন কাপ্পদা অৱাবা তাই হায়রিবা:** ( ওজা নরহরি সিংহগী)

লাইনিংথৌ মমাংদা আসন অমা থাগনি । হৈরুক অহুম, পানা অহুম, ঘী নত্ত্রগা থাওগী বর্তি , তাঙ্গ অহাংবা অহুম থাগনি । হৈরুক পানা, বর্তি থম্বগী মওংদি:- ( ১ )

| | | | |
|---|---|---|---|
| বর্তি | আসন | বর্তি | বর্তি |
| হৈরুক ১, পানা ১ | | হৈরুক ১, পানা ১ | হৈরুক ১ পানা ১ |

| হ | | র | স |
|---|---|---|---|
| মঞ্জুরী | | মঞ্জুরী | মঞ্জুরী |
| মঞ্জুরী ১গী | মঞ্জরী ২গী | মঞ্জুরী ৩ গী | মঞ্জুরী |

কায়দনা রাজাদা কৎকনি । খুরুম্বা লোইরগা বর্তি মুথৎকনি । অমুক হন্না অহানবদগী মথং মনাও কায়দনা মনীং মমাং ওন্ননা মথং মনাও কায়দনা বর্তি য়ুংগনি অদুগা কৈ চুখৎকনি । ইশাগী ফমফম খরা থৈদোক্তুনা ফমগনি । অদুগা মঞ্জুরী ৩ শুবদগী স র হ হায়না মতোন মপাদা ওম্পোক্কনি । অনীশুবদা র হ স হায়গনি । ১ বদা হ র স হায়না কৎলগা ঐনা খুরুম্বা মতমদা পুক্লীং তেন অদু নীংলিবা মফমদা চৎখ্রে হায়না হায়না নীংগনি । মতুংদা মিনিট ২,৩ দং চৎথোকউ । অদুগা অমুক হনজিন্দুনা মঞ্জুরী ৩ অদু লাতোন মচা অমদা মায়ওন তিন্ননা মরীরক থোকন্‌ থেক্লগা য়োমশিন্দুনা অশেংবা মফমদা হুন্দোক্কনি । হনবা মতমদা মীশক হায়ররোই, লাইশক পল্লরোই । তেন থারিবা মীদুনা শক্তি লৈরল্লবদি লাই থারক্তুনা পোৎতু লৌথোকহনবা য়াই । মদু ঙমদনবা চেংহী চফু মখাদা থল্লবদি করিমত্তনা ঙম্বা লৈতে । লাই খুরম্বা লোইরগা পোৎতু তাইরেন থেঙ্গুনা লাইমাওদা য়ৈয়ু, মীদু ৱাগনি ।

২) " সনামহি মমিংদি থেব সরিৎলোই কৌই ।
সনামহি মমিংদি থেব তৌদোন তোংবা কেঁই ।
লোয়নবা সনামহি কৌই ।
সনামহি অপোইবা কৌই ।
সনামহি পুরম্বা কৌই ।
সনামহি কোরৌনবা কৌই ।
সনামহি মনিকম্বকাম্বা কৌই ।
সনামহি মহা মনিক খোম্বা কৌই ।
সনামহি অপোক অশাৎ কৌই ।
নখোয় ৯ মক্কী মনুংদা নচা ৯ পোকই ।
নখোয়গী নচা নগুশিংদো হরিনাম থৌরী ওইরে ।
ক্লীং রাধিকাগী নাম্লা থেরী কোঙ্গোই ওইদুনা
পূম্নমক ফাদুনা গুরুগী ফানখোঙ চুপ্পা পুনবীরো ।"

( লাইনিংথৌ মমাংদা হৈরুক পানা, খোইরু থাউমৈ, তুলশী মনা ১৮, থাংজদা তুম্বা য়োৎপী ১, তাইরেল থেঙ্গুনা লফোই অমদা য়ৈশিনগনি । তুলশী মনা খুদিংদা শোন্দুনা কৎকনি । য়োৎপী অদুদা মন্ত্রসি শোন্দুনা লৈবাক্তা মীদুগী থবাক্তা য়ৈবনি খন্দুনা য়ৈরো । লাই হনখিগনি । নুমিৎ ৭নি শোন্দুনা য়ৈও । নুমিৎ শুদ্রিঙৈদা চঙজরক্লবদি কনবীও ।)

৩) " নুংতেকনি নুংশমনি হৈবুংলোক থুমুক্তা কৈ শিংখৈ য়াংখৈবা নয়া কৈ চিংখু লোকখুরিবা চা নংবু ঐনা তম্লবনে । মিকহা খুলুক্তা নয়া কৈ সিন্দম য়েনতম্বা নুমিৎ থাগা থাবানে খোইবু লময়াংলসিনে কৈফোইথা ।"

( থাংজ নুমিত্তা উতংগী ৱা য়ানবা ইরাই নুমিত্তা বারতন তৌগদবনি । ৱা য়াল্লবা মতুংদা পানা ক্কা দক্ষিনা তৌরগা ৱাদু খায়দোক্লগা লিরুং তেন শারগা তেনগী মচিন্দা লং অঙাংবা অমুবা য়েৎলু অদুগা কাপ্পু । মৃতুনি খঙউ।)

৪) **লাইহন্নি হায়বা:**

" খাগেম্বগী মপারী নোংবান চনুনা পোকপা লিথৌ শঙাক পঙাকতোন হে কলি কৌবা ইবুংঙো হৌরকপসু নহাক্লি, লোইশিনবসু নহাক্লি হো ফুং ফৎ হুই ঙুং ঙুং ।"

( হিদাকফু থিন্নবা ঙারেংজৈ মতোন্দা শোল্লো । লফোই অমদা থিল্লো, মীদূ শিগনি খংও । খোইরু থাউমৈ, হৈরুক ১, পানা ১ য়াওগদবনি ।)

**চেকশিন ৱাহায়:**

***মরোলসি চুম্মগী লৈ হায়জবনি । চাংয়েং তৌবীরুনু । তৌগে হায়নসু খনবীগনু । ফত্তবা ফল ফংগনিয়ে ।***

**ওজা চতুরনা হায়বদা- হাৎপা, ককপা, থমাইবা, লাং থাকপা ঙমদে হায়বা:**

" ওঁ ইন্দু বিন্দু হংসনাম স্বাহ । ক্লীং স্বাহ, হুক স্বাহ ।"

(মীদুগা মায়োক্লবা মতমদা শোনগদবা । চতুর হায়বা নুপা অসি মীয়াম্না যাদু মন্ত্র অমদি থাঙ- তেন, ফুন- চৈনবদা মমিং লৈবা ওজা অমা ওইরম্মী )

**কাপ্লকপা, তৌশিনবীরকপা হনখি হায়বা:**

" ওঁ ইন্দু বিন্দু হংসনাম স্বাহ,
মিত্রোংনে মী তরা পূম্নমকপু পুম মমা হাৎলো
গুরুনা হায়রম্বনি, গুরুগী য়াথংনি ।"

(ৱাহৈ অসি হায়দুনা মায়কৈ মরীদা কামথোকউ । মদুবু তৌরকপা মীদুদা মদোম হনজিনজখিনি ।)

**সনামহী থৌজাল ফংনবা লাইৱা:**

" হুমা য়াংঙো খুমা য়াংঙো
সনামহী চোই চোই পিতাস্তো
সচিনা মন্ত্র মন্ত্র ক্লীং স্লীং য়েং শ্রক
পাকেতো পাতয়েং আসপোহা ।"

( মন্ত্র অসি শোন্দুনা সনামহী খুরুমজগনি । পোৎচংদি, লফোই উথক্তা মুনবা নত্রগা অমৃত কোলা, খোইহী অশেংবা, শঙ্গোম চুমদবা, আসন ফি অঙৌবা অমা, চুঙৌগী চহী খুদক্তা শুম্বা, হৈরুক অহুম, পানা অহুম, থাউমৈ অহুম, উচানগী নত্রগা ঘীগী বীর্ত, করপুর অমদি জা চন্দন ।)- ( অনাবা লায়েংবা ওইরবদি অনাবনা পোৎ লাংগনি । সনামহী খুরুমজরগা লাইমাংদা পালান্দাবী য়েক্কুনা মনুংদা অনজি য়েক্লগা মিং ইদুনা নুমিৎ হুম্নি শান্নবদা অমনাবা ফগনি অমদি ফগনি ফরোই য়েংবা ঙমগনি । লোয়ননা অনাবদু ফগনি ফরোই তালক্কনি । ফগদবা লৈরবদি মশাগী কুচু ওল্লক্কনি । কুচু পানবা ঈ থাংবা ওইরক্কনি । ফরোইদবা লৈরবদি কুচু মকশিনবা, মশা হেন্না শোম্থবনচিংবগী খুদম ফংগনি ।)

**অনাবা কল্লবা মতমদা থোঙারেল( অশিবগী লাই,**
**(যম মহারাজ) তান্নবনি হায়বা:**

“ হে গুরু লাইনিংথৌ অপানবা
কোক্তা সনা ফিগে থোল্লিবা
হে গুরু খ্বাংদা লুপাগী ফিগে থোল্লিবা
হে গুরু অয়ুক্কী য়াথোকপা মতমদা
ফিজি ফিনানা হুম্মুরে
গুরুনা মমাংথক্তা হায়খিবা য়াথং মতুং ইন্না
চেংফুদগী চেং মুৎ ২ গুরু অহুমগী
মঙাং লুৱাং খুমন মচিনঙ্গাক পীজৌ
গুরুগী য়াথং মতুং ইন্না
ননাইবু তিনকোকপীরো লাইকোকপীরো
হল্লো গুরুগী য়াথংনি ।
হে থোঙারেল নংগী নচিনজাক পীরবনি হল্লো ।”

**১) মিহুন থক্কৎতনবনি হায়বা:**

“ মিরেল তোম্বা মিরেল লাবা মিরেল তুমুরাবা
থক্কৎলগনু তথকপা তরং খোই পুক্কুংদা
খৌশাবা মিরেল হুক ফিজি হুক ওক্কবনি ।”

মিহুন থক্কৎতনবগী ৱাফম অসিগী অচুম্বা খরদি অদুম লৈগনি । পাখৎপা থক্কৎপা হায়বসিমক্তু পুক্কীং ইংথনা জ্ঞান তাদ্রবদি থক্কৎপা মশানা তাই । মরম অসিনা ইশানা জ্ঞান তারবদি হায়বদি মন্ত্র অসি শোনগনি খঙলবদি কৈদসু মিহুন থক্কৎপগী ৱা লৈগনি নীংদে ।

২) “ ঈহৌনি নংনা থেহৌরিবদু
ঈরুম্বী নংনা লুম্লিবদু
ঈখৈনিংথৌনা খৈরবনি, ইফানিংথৌনা ফারবনি
হুং গুরু অহুমগী য়াথংনি
তেরো মিহুন থক্কৎপা শোনফ ফরো ।
নুমিৎনা ইমিৎনি
খুয়ানা ইয়ানি
ঐনা থক্লিবা অসি
খুমিৎ খুয়া অনিনা য়ারবনি
ফারবনি গুরুগী য়াথংনি ।”

**মী চৎথোক্তনবনি হায়বা:**

কনাগুম্বা য়ুমদা কয়া লৈনীংবা ফাওদবা মীওই কয়ামুক লৈ । অদুগুম্বা মীশক অদু য়ুমদগী কয়া হেন্না চৎথোক্তনবনি হায়দুনা থম্বরল্লিবা ।

“ মী হিং হোং হোং তরংবা
মনিক নত্তে নঙবু নম্ফা ফারবনি ।”

সনামহী কাচিন্দা মীদুগী খুয়াগী উফুল লৌরগা ফুম্বা ফৈ, মী মপান কা হেন্না থোক্লোই হায়রি ।

**গাড়ী খাম্বা ঙমগনি হায়বা:**

“ ওঁ অফাবী অফাবী বীজ মন্ত্র
অফাবী অফাবী মুহী অফাবী অফাবী
ফারো পুল্লো ক্রক ক্রক
গুরুগী য়াথংনি ।”

( গাড়ীগী কাংখোঙ মরমদা খোঙফম অহুম থিল্লো, মায় ওনশিল্লো অদুগা মায় ওন্থোক্তুনা চিংঙো গাড়ীদু লেপকনি । )

**মিকৌরোল:**

( মিতম অনী শারগা কৌগদৌরিবা মী অদুগী শা অমা শরো, শিংমুৎ মতাং ৭ পানবা অমা ময়ায়দা খায়দোল্লগা মতাং ৪ শুবদা তোংহল্লো অদুগা মখাগী মন্ত্র অসি শোল্লু । পোৎচংদি ফি খুদৈ মচা অমা, হৈরুক পানা, খোইরু থাউমৈ, শেল দক্ষিনা ১ । মখাগী মন্ত্র অসি খুদোম্নীদা শোন্দুনা মীদু কৌ )

“ ওহে ক্লপুসে কপুতাল কপুৱাঙম
কাকুনি কামা ইচানি কমলো
সে কপু কাসে কপুৱাঙম কপুলাং
শাই ঐং কপু লাংখাইপা ।”
ই...শু.. কান্বা চিংশিনবা ।

**অপোম- অতংদা শোন্নবনি হায়বা:**

“ হে খুদোম্নী নংগী নমিংদি তুম হিংচাবীন
তুম্মো হাই গুরুগী য়াথংনি ।”

( ওইগী খুদোম্নীদা শোল্লগা পোল্লিবা মফমদুদা নাল্লু, অপোম্পা ফবনে ।)

**খোইরায় ফনবনি হায়বা:**

“ ওঁ দ্রীং দ্রীং দ্রীং দ্রোং দ্রোং দ্রোং
মন্ত্র উধার পতি ই.. শু..
মহাদেব মথা খাও
হল্লো হায় গুরুগী য়াথংনি ।
ওঁ হায় মীনা লাই তাল্লে

লাই চেল্লে মী হিংঙে লাই শিরে
মী হিংঙে লাই শিরে
হল্লো গুরুগী য়াথংনি ।"
( হায়রিবা মন্ত্র অসি পোল্লিবা মফমদুদা ফু ফু কাল্লগা শোনগদবনে । )

**থোঙাক অশিথেল মকোয় নুংওনচীং করিনো:**

মীওইবনা শিরবা মতুংদা থৱায়না চৎখিবগী লমদাং অদুবু শিকুম লমদাং কৌয়ে । খরা চৎলে হায়রগা তূরেল তুখায় লাল্লকক্লে । ইরাই লুখাই তম্না লাকয়ে । খোংহাম পাৎ য়ৌরক্লে । খোং হামলে, ফিশূরোক্তা ফি শুরে । ফি চাল্লে হায়রগা মকোই নুংওন চীংদা কাদনা হৈরুরোক্তা হৈরু লৌথোক্লে । চয়োম লোক্তা চয়োম থোক্কুনা তরা চয়োম চারে । অদু লোইরগা চেংহী উতি লুজরে । চরৈ ফিঙৌ ফৌরে । তাইবংপান লমদাংবু হন্না য়েংলগা তাইবংপানবু উরগা নুংওল্লে হায়বগী নুংওনচীং কৌয়ে । থৱায়না লাংনবু চিংনা হায়বগী লাংজিং হায়না কৌয়ে ।

**থৱায় নুংওল্লি হায়বদি করিগীনো:**

তাইবং লমদাং উবদা মশাবু থালফম লমজাও মৈখু খুরম্না খাম্বী মৈশা লাংববু উরবদা নুংওল্লে । থৱায় ঐবু হনজনবা য়াদরে । থালফমদা মৈখু খুখরে । খাম্বী মৈশা লাংয়ে । মৈবী তাঙ্গোই পাইরক্লে । পারী লৈহৌবা মমোম থল্লম্না মচা মশু লৈহৌববু নিংশিংনা পুক্লীং নুংওল্লি হায়বগী নুংওন চীং কৌবনে । থৱায়না কোয়না চৎলে হায়বগী মকোয় কৌয়ে । থোঙাক অশিথেল কৌবদি কদৌনোংগীনো হায়রবদি অশিবগী থৱায়বু থেল্লে হায়বগী থোঙাক অশিথেল কৌয়ে । মরম অসিনা থোঙাক অশিথেল মকোয় নুংওনচীং কৌবনে ।

ৱাফম অসি হিন্দুগীসু মীওইবনা শিরবা মতুংদা থৱায়না করি ওইহৌবা হায়বগী চাউরবা ৱাফম লৈরি । What Becomes of the Soul After Death হায়বা ৱারী লৈরি । লাইরিক অদুদসু মীওইবনা শিরবা মতুংদা থৱায়না করি ওইহৌবনচিংবা মচা খায়না ইদুনা লৈরি । বেদ পুরানগী ৱাংলবা ৱাফম নৈনরি । মতাং অসিদা মৈতৈ জাতিগী ৱাফম অসি নৈনরম্নসি তুংদা লাক্লিবা মীওইশিংদা হক্কা কান্নবা ওইগনি । মতাং অসিদা কনাগুম্না খরদি শিরবাতুংদা থৱায়গী খোঙচৎ অসি থাজদে । শিখ্রগা লোইরে হায়না খনবীবা মীসু লৈতবা নত্তে । অদুবু মীওইবা শিবনা লোইদে হায়বসি মীশি চাদনা য়াম্না ৱানা শিখিবগী তুংদা তম্লবনচিংবা থোকপা লৈবদগী শিবনা অরোইবা নত্তে হায়বসি ময়েক শেংহল্লি । ৱারী অসি জাতি সিগীঙাক নত্তে । নোংচুপ জাতি ইংলিসরোমগীসু অসিগুম্না মখলগী ৱারী কয়ামুক লৈবা থেংনৈ ।

করিগুম্না খুদোংথীবা থৌদোক অমা থোক্লবা মতুংদা মদুগী মথৌ মঙম পাঙথোকপগী ৱারী কয়ামুক লাইরিক্তা ইদুনা লৈরি । লৈরিবা ৱারী পূম্নমক মীওইবগী থৱায়গী ৱারীগা মরী লোইনবা লৈনৈ ।

**ইমা লৈবাক খুরুম্বগী:** লোনয়ান য়াওদবা ( মৈদিংঙু তোঞ্জাও, ৱাংজিং )

" নোংপোক হৈদি হৈমাংনি
নোংচুপ হৈদি হৈনিংনি
মখা হৈদি হৈখানি
অৱাং হৈদি হৈজাংনি
ময়ায় হৈদি হৈরী হৈয়াইনি

ফম্বাল হৈদি হৈনৌনি
ময়েক্লা ইপানি
লোন্না ইবানি
ইরৈপাক্লা মালেম ইমানি
কেরৌনা পন্থৌনি ।
মেরা থাবু ১৫নি পানবগী মমাংদা
ফিজং ৭ খন্দুনা মৈতৈ লৈমবু খল্লি
কংলা মেন তোংবা কাউফদে
মৈতৈ পোকপী পলেমও
চহি চাশীং চিন্থাং য়ৈনা খুরুমজরিয়ে ।”

**থাংজি খুরুম্বগী:**

“ হে থাংজিং কোয়রেল লাই
নশানৌ ইবেম্মা কোয়রেল লৈমগা
কেগে মোইরাং খুন্দাঙৈ
খূৎশু খূৎলাই মকৈনি
শিল্লৈমগী লাথুপফম
তুবী লাইয়াম শরোই ঙারোই মতিনঙৈ
পাঙল তম্পাক কোয়বা
চিংলেন নাপোম অতোংবদা ফমফম্না
লোক্তাক্লা মিংশেল ওইবা লম
লোক্তাক ইশায় নাপল ফাংবা লম
লাইনিংথৌ ইবুংঙোগী নফম্লাংদা
হৈরাং পুরগা থোল
লৈরাং পুংগা থোল
চরৈ ফিঙাম মৈরা তরেৎকী
শেনজা কৎচরিয়ে ।

শারোই ঙারোই মশীং শুরে
খৈনা মীৎয়েং তাবীরগা
হৈগী হৈশক খঙনা চিন্দমবীয়ু
লৈগী লৈশক খঙনা লৈচিনবীয়ু
চরৈ ফিঙাম মশক খঙনা ফিজেৎপীয়ু ।

অরিবনা খাদা থম
অনৌবনা হেকমাই কাহনবীরো

য়েৎনা লৈবা পরৈ ওইনা হন
ওইনা লৈবা পরৈ য়েৎনা হন
পুন্সি নুংশাংবা থৌজাল লনকুবীয়ো ।”

**হেলোই খুরুম্বগী: (ওজা মৈদিংঙু তোঞ্জাও, ব্রাংজিং )**

ঐখোয়গী ইরক্তা তৎতনা থোকপমক নত্রবসু ইথা থাজদবা মতমদা হেক হেক থোকপা থৌদোক্লি হেলোই ওক্লবা হায়বসি । খরা নহা ওইবা মী অমা মাঙখ্রবদি, থিফম খঙদ্রবদি মদো হেলোই ওক্লবা ওইরমগনি হায়না থাজনৈ । থাজবা অদুগী মনুংদা হেলোইনা থাদোকপীরক্লবা হায়দুনা মোইবুঙ খোংদুনা মীয়াম চঙদুনা থিনৈ । মোইবুঙ হায়বা যন্ত্রসিগী অঙকপা খোঞ্জেল লৈবনা খোঞ্জেল অদু তাবদা হেলোইনা মীদু ফাজিন্দুনা থম্বা ঙমদে হায়নৈ । মসিদি ঐখোয়গী মাংদা কয়ারক থোকখ্রবা থৌওংনি । হেলোই হায়বসি করিনো, তশেংনা লৈবা জাৎলা নত্রগা ঐখোয়না ভাবনা শাজিনবা ওইরিবরা হায়বসিমসু নৈনবা চঙই । মতাং অসিদা ঐখোয় পুন্না খঙমিন্নবা য়াবা ব্রাফম অমদি ‘ সংসারসিদা লৈতবা পোৎশক অমগী মমিং খক লৈরোই । পোৎশক অদু লৈবনা মমিং লৈরিবনি । মমিং লৈতনা লৈবা পোৎশক অমত্তসু খক থেংনরোই ।’

হেলোইগী মরমদা হায়নবা কয়ামুক লৈ । হেলোই হায়বসি নুপীনি । মরম অদুনা খরা নহা ওইবা নুপা পাম্বদগী মহাক্লা মীদু ফাজিন্দুনা থম্বনি । হেলোইনা ফাজিল্লিঙৈ মনুংদা মীদুদা হেলোইনা করি থবক তৌবনো হায়বদুদি কনাসু খঙনদে । শুপ্নগী মীদো হেলোইনা পুবা ওইরমগনি হায়বতনি ঙাংনরিবা । তশেংনা হেলোইনা পুখিবনি হায়বদুদি থৌনা ফনা খক হায়বা ঙম্লদে ।

হেলোই হায়বসি ব্রাখল ককঙাওনদুনা জ্ঞান ময়েং তারিবা মীশক অদুগী ভাব্না শাবা নুপীগী মুর্তি অমনি । মহাক্কী তৌবা ঙম্বগী শক্তি অদুদি মীশক অদুগী ভাবশা অদুগী মখা পোল্লি । ভাবনা শাবা মুর্তি ওইবনা মশক মতৌ ফজবী অমদি শোয়দনা ওইগনি । মরমদি লাইয়েকপা মীশক অমনা মহাক্কী ব্রাখলনা শাদুনা নুপী অমগী শক্তম য়েকপা মতমদা মশক মতৌ ফজবী নুপীখক্তমক য়েকই । মসিগা পাঙ্খক্লি হেলোইসু । শকহেনবী, চুং ফিরাল চাবী নুপী অমনি হেলোই । মরম অসিনা মহাকপু উবা মতমদা নুপা কনাসু ঙাওদবা ঙম্লোই । মঙোন্দা ঙাওরবনিনা মহাক্লা চৎশি হায়বা মফমদা চৎপা তাবনি । হেলোই ওক্লরিবা মীশক অদুগী ভাবকী হৈ শিংবসু লৈতবা নত্তে । মহাক্লা শাগৎচরিবা ব্রাখলগী দলান অদু মী থেংনরবদি কায়খিনি হায়দুনা মীনা খঙলোই উরোইদবা মফমদা লোৎতুনা লৈগনি । মরু ওইনা মোংশোং, উরক ব্রারক্তা মী উদনবা লোৎকনি ।

হেলোইগী ওইথোকপা য়াবশিংগী মনুংদা, করিগুম্বা মফম অমদা কনাগুম্বী নহা ওইরিবী নুপী অমা মীশি চাদনা য়াম্না ব্রানা শিখিবা ( মীনা হাৎখিবা) । মহাক শিবগী মথৌ মঙম পাঙথোকখিদবা ( কনাসু খঙদবনা ) । অদুগুম্বা মফম অদুদা মতম থেংলক্লবা, মীচিক মীরাওখোল তারক্লবা মতমদা, নুপী অদুগী থব্রায়না মীগী মশক লৌদুনা মহাক্কী নীংঙমদবা, অব্রাবা অদু তাঙনা লাকপা মীওইশিংদা উৎলি । মহাক্লা উৎপগী মরমদি অব্রাবা কোকপীনবনি । অদুগুম্বা মুর্তি অদু উরগা কিগনবশিংনা ভুত থোক্লে হায়দুনা পাখৎকনি । অমরোমদা অমুক ব্রাখল ময়েং তাবশিংনা হেলোইনি হায়দুনা মনাক নক্লা চঙশিনগনি । মদুদা মুর্তি অদুনা মহাকপু কৌদুনা পুখিগনি । মদুদা অপাম্বনা ঙাওরবা মীশক অদুনা তশেংনমক নুপী ওইরবোই নীংদুনা নুপীদুনা হায়রিমখৈ য়াদুনা লৈগনি ।

**হেলোই খুরুম্লবগী:**

“ খুল্লৈমা লাইরেম্মা
থারৈমা লাইরোমা
চিংলৈমা লাইরেম্মা

হিরৈমা লাইরেন্মা
য়াইরৈমা লাইরেন্মা
লনলৈমা লাইরেন্মা
য়াইসনা লাইরেন্মা
ইমোইনু লাংওনবা
যূমজাও লাইরেন্মা
তরেৎকী নফমলাংদা
হৈরাং পুরগা থোল
লৈরাং পুংগা থোল
চরৈ ফিঙাম মৈরা তরেৎকী
শেনজা কৎচরিয়ে
খৈনা মীৎয়েং তাবীরগা
হৈশক খঙনা চিন্দমবীয়ু
লৈশক খঙনা লৈচিনবীয়ু
চরৈ ফি মশক খঙনা ফিজেৎপীয়ু ।”

অরিবনা খাদা থম
অনৌবনা হেকমায় কাহনবীরো
য়েৎনা লৈবা পরৈ ওইনা হন
ওইনা লৈবা পরৈ য়েৎনা হল্লবনে
য়েক তরেৎ সলাই মাপলমকপুসু
পুন্সি নুংশাংনা পানবা
থৌজাল লনকুবীয়ো ।”

**লৈমরেল খুরুম্বগী: ( ওজা মৈদিংঙু তোঞ্জাও, ৱাংজিং )**

( ঐখোয়গী লাইনীং লাইশোন্দা ওজা ওজাগী ৱাহে- ৱাতা খরা খরা খেন্নবা উবা ফংই । করম্বা ওজাগীনা হেন্না ফবা অচুম্বনো, করম্বা ওজাগীনা ফত্তবনো হায়বা কনানসু ওন্লোই । কনাগুম্বা ওজা খরনা মহাক্না হায়রিবদুনা খ্বাইদগী হেন্না চুন্নবা ৱাফম্নি হায়বা য়াওই । মসি ওজা খুদিংমক্কী ওইনা মা মানা হায়রিবদুনা হেন্না ফবনি, হেন্না চুম্বনি হায়বসি লোইনা হায়নৈ । অদুবু ঐখোয়না য়েংলিবদি মখোয়গী চুম্বা চুমদবগী ৱাংমদনি । ঐখোয়না সংস্কৃতিগী মীৎয়েংদা ময়েক তাবা য়ারবরা ? হায়বসিনি । ময়েক তাবা য়াদ্রগদি, মসিদি কনাসু খঙহনবা য়াদে হায়রগদি, খঙহনবা য়াবদু ওইনা পুথোকপীয়ু । খঙহনবা য়াদবা অদু চেৎনা শো লোনশিন্দুনা থম্বীয়ু । সনামহী খুরুম্ববু ওইরো, লৈমরেল খুরুম্বু ওইরো, ময়েক্কু অমগা অমগা মান্নদ্রবদি করম্ববু অচুম্বনি হায়না লৌগদৌরি । ঐহাক্না থেংনজবদা অরু অরুবা কয়ানা লৈতেং ওইরবা ৱারী কয়ামুক ইবা মৈতৈগী ৱারী কয়ামুক লৈ । অদুবু অদুগুম্বা ওজাদুনা অরুবা ৱারীগী লীখুন্দি পনবীরমদে । মদুদা পাউ তাজরিবশিংদা ককঙাওনবা অমা পোকহল্লি । মসিনা তুংদা লাক্কদবা থিজিলোইশিংদা লীখুন খঙদবগী ৱাফমলোমদা চৎহল্লি । অদুগা ওজা অমনা মাঙদগী লৈরক্লবা ৱাহৈ ৱাতা থাদোক্তনবা

হোৎনৈ । ওজা অমনা মাঙদা লৈরক্লবা ৱাফম থুগায়দুনা হাপতোক হাপচিন তৌদুনা মরনাইগী ওইবা অমা শাগৎনবা হোৎনৈ । মদু পূম্নমক অদু ফত্তে, কাননদে হায়বদি ইতিক নত্তে ।)

ওজা তোঞ্জাও মৈদিংঙু

" মোংমা শঙ্গাই লাইরেম্মা
নোং চুদনা শাইচোৎপী
নুংশা শাদনা ফৌকংবী
ইমা লৈমরেল অথোইবী
শঙ্গাই কা মাপলদা ৱাংঙলবী তন্দল ৱাতেম্নী
শঙ্গাই কা অমদি ফদিবী মৈরিং কানি
শঙ্গাই কা অমদি নেনে য়াহিপ কানি
শঙ্গাই কা অমদি তরা চউম কানি
শঙ্গাহ কা অমদি লাইনিংথৌ সনা কানি
শঙ্গাহ কা অমদি অঙোবা পুরৈরোম্বা কানি
শঙ্গাহ কা অমদি লৈমা ইমোইনু অহোংবী কানি
ইমা লৈমরেল শিদবী মংশোক লাইনা পাংবরমদা
ফমেল লুখাই ফল্লিবী
লুতুং শমজি কিরগা পলেম কৌবদা পাওখুম্নী
লৈমরেল কাজাও য়ারিবী
খোইয়ুম লাইরেম্মা নফমলাংদা
হৈরাং পুঙ্গা থোন, লৈরাং পুঙ্গা থোন
চরৈ ফিঙাম মৈরা তরেৎকী
শেঞ্জা অশংবা মরম তরা
অমুনবা মরম ১০৮
লাংজরগা কৎচরিবা খৈনা মীৎয়েং তাবীরগা
য়েৎনা লৈবা পরৈবু ওইনা হন
ওইনা লৈবা পরৈবু য়েৎনা হল্লবনি
অথেনপোৎ কৎচরিবা পুম্বা চিন্দমবীরো
নপারী নমোম য়েক ৭
সলাই ৯ নশা নশাগী
লাংওন ওইরকপা ওইরকপী পূম্নমকপু
থৱায় য়াইবী চানা
পুন্সি নুংশাংনা পানবা
থৌজাল লনকুবীয়ো ।"

লাই খুরুম্বগী লাইরোন অসি ওজা অমগা ওজা অমগা খরা খরা মান্নদবা থেংনৈ ।

**পণ্ডিত লাওরেম অমুয়াইমা সিংহনা ইবীরম্বা অমুক য়েংবগী কান্নবা লৈগনি ।**

“ হে গুরু ইমা লয়মরেল শিদবী
নতু তুবুম খুদিংদা হেরা মনিক য়ৈরিবী
নয়া য়ারেল খোংজি খুদিংদা
সনানা হাজং য়ৈরিবী
কুচুনা সনা অহিংবগী কুচুনে
নমিংদি সনা কোন্দ্রেঙ অনৌবী কৌএ
হ, র, শ, ইবেন্মা
ননাইগী ইন্দ্রি কায়াৎ মাপল মদা লৈরিবা
তিনথুং লাইথু, অরা অনা পূম্নমক কোকপীয়ু । ”

(হায়না লৈশি লৈথোন্দুনা, হয় লৈ, অথুম অহাও, হৈরুক, পানা খোইরু থাওমৈ কৎতুনা খুরুমজৌও । অৰা অনা কোকপনে ।)

“ ইমা লয়মরেল শিদবী
অয়ুক লিক্লা তাক্তবী
নুমিদাং লিক্লা কংদবী
মৈরেল ইশায় হৈতবী
লয়মরেল ,পোকপী তরেৎমা
লাইরেম্মা অপোইবী তরেৎমা ।
‘ওঁ দরৈফা, ওঁ দরৈফা, ওঁ দরৈহন দরৈফা ।
ওঁ দরৈখোং দরৈখোং দরৈহন দরৈহন দরৈহন’

মন্ত্র অসি শোন্দুনা লৈশি লৈথোন্দুনা, হৈরুক পানা ধুক থাওমৈ, খচিনিংমখৈ কৎতুনা খুরুজৌ থৌ খিবিক্ত চন্নবা য়াবনে খঙও । লুনং তৌও ।

“ হে গুরু তমফা লয়মরেল শিদবী নরাগী লৈমরেল
নরেঙগী পাম্হোইবী
নতোন নোংথাঙ লৈমা ফুরেপ লয়মা লু চাউবী
নাকথা লৈমা পাউদোয়বী
লালোই য়ুমখৈ ঙাকপী, মোংবা য়ুমতাং শাংবী
শলাই খুনমাবী, নয়া নত্তে হৈনা শানওন য়ন্বী
হে গুরু ।”

(অসি শক শোন্দুনা খুরুমজৌও, অফবা ওইবনে । )

**সনামহী খুরুম্বগী:**

( মাইবনা ঈরাৎ থৌনি, চবান থাবনচিংবা চৎলমদাইদা অহানবদা লাইনিংথৌ সনামহী খুরুমজরমগদবনি।)

মরোলদি:

“ হে গুরু লাইনিংথৌ সনা নিংথিবা ষম্হোং অপানবা

কোরোও অৱাংবদা লৈরগা
কোরৌহনবা কৌবসুং ইবুংঙো নঙনি ।
লমদা লৈরগা লম্য়া তুমাবসু ইবুংঙো নঙনে
লাইনিংথৌ লয়রক মাইবা খুরাই তাঙবা
নিংথৌ মাইবা চিরাই তাঙবসু ইবুংঙো নঙনে
নমিংদি শলাং কৌবনি ।
ননাইনা গুরুগী থৌদা চৎচবা অসিদা
ননাই অনাবা অসিবু তিনকোকপীয়ু লাইকোকপীয়ু ।"

( ৱাহৈ অসি হায়দুনা হান্না সনামহীদা খুরুমজগনি অদুগা মখা তাগনি ।)

( হে গুরু ননাইনা চীংঙু নপাউখোল চচ্চরুরে । অনাবসি অৱা অনা পোথানবা । অনা হিথাংবীয়ু, অনা পৈরে হন্দোকপীয়ু হায়না খুরুমজগনি ।)

**মহিরেন খুরুম্নবা:**

" হে গুরু লাইনিংথৌ সনা মহিরেন
তাইবঙ পানবগী য়ুমগী নিংথৌ
চাক চাদনা চাউবা, ঈরুজদনা শেংবা ।
চহি তরাতরুক্কী মশক্কুম্বা নমিংদি সরনামহি কৌএ ।"

( ১২রক শোল্লু, পোৎয়াওদি- চুঙৌ মহিনা চুহি ওইয়ু, চাহাউ পোইরৈতোনগী য়াম, লফোই কোরপোৎ, খোইহী, শঙ্গোম, খোইরু থাউমৈ, হৈরুক পানা, তুলশী মঞ্জুরী অহুম কৎতুনা খুরুমজৌ । নিংবা থুংই ।)

" ক্লীং কৃষ্ণায় বাসুদেবায়
অঙাং মহি ক্লীং শ্লীং নহা মহি ।" অনিমক অসি মহিরেনগী মিংথৈনি ।

পোৎচংদি: য়াম কংতক, চুঙৌ মহী, শঙ্গোম তোনাদা শুমউ । লফোই কোপোৎ উথক্তা মুনবা । তুলশী মঞ্জুরী, শেং দাং শেন্দাং মখা শাবা অহুম, শেনখায় অনি, লাতোন অমদা হাপ্পুনা মথক্কী মন্ত্র অসি শোন্দুনা খুরুমজৌ ।

" হে গুরু, চীংঙু লয়ফু গুরু নামুংবা ।
খোইয়ুম লাবা অমোম শকপা,
নপুক্লা নোংথৌ ওইরিবা,
মনম্না য়াঙবী শিদবা, শরা পাফল কায়দবা,
মান পেবুৎ তয়বা, মানলা ঙঙ্গোয় হেনবা লাইনিংথৌ
গুরু সনা নিংথিবা শম্থোং ৱাখায়চেং
খায়চেং অরিবদা ফমফম্বা, খরম চোথে লুপাক মনুংদা
লৈরাং কোক্কা মৈগা য়াতারিবা, হে গুরু ।"

( অসি শক শোন্দুনা খুরুজৌ মঙ্গলগী মশক্কি ।)

**সনামহি লয়মরেল ঙাওরবদা খুরুম্নবা:**

" হে গুরু, হ,র,স, ময়েক অহুম্মনা তিল্লবদি
গুরু নঙগী নমিংদি মিখৎ কৌয়ে

গুরু অমগী নমিংদি তা তরংবা কৌএ

গুরু অমগী মমিংদি শুরুং লৈখৎ কৌএ,

ইমা লয়মরেল নংগী নমিংদি কামারাপতি কৌএ।

লৈয়েংদা লৈবা পেন্মা, লৈতোন্দা খোয়নৌ,

নমিংদি শ্রী অঙ্গ কৌএ, গুরু অহুম্মা তিল্লবদি

ঙাঙদ্রংবা নপ কৌএ।"

( অসি হায়দুনা ফোরমোল, হৈরুক পানা, থাউমৈ, লাই দক্ষিনা য়াওনা খুরুমজৌ। )

"গুরু অহুমমকপু অঙক অঙাও হৌবীরগনু,

খোয়শাও লিনশাওবিরনু

য়ামফা চনিঙ ফাবিয়ু,

সনা ফন্বাল্লাংদা অৱা পোৎথা অনা হিথাংবিয়ু,

লৈরাং কোলগোল য়াদাবিয়ু, হে গুরু।"

**তিনমু লাইমু খায়দোক্লবা:( ওজা মৈদিংঙু তোঙ্গাও, ৱাংজিং )**

" হে ইবুংঙো পোলোই নিংথৌ হনজবা

নঙনা পুরিবা পোইরৈ লৈশাংখোং লমদম লমনুংশি

সনা কংলৈপুঙ ময়োল কংলা মাপল লৈতেংবা

মৈতৈ লৈবাক্কী লাই তিনকোন চিংখোং চিংয়াদা

লোইজিং লোইয়াদা পোইরৈ অতাম্বদা লৈরিবা

নপারী নমোম নশাশিংগী মফমদা

তিলমু ফত্তবা তিলচা ফত্তবা লাইচা ফত্তবা খিবিকপু

ওইরিবা পূন্নমক শুপ্না তাইনা খোমজিনবীরো

খানা চাওবা ৱাংব্রেনগী মশুমাংদা

ফত্ত হাওদি খিবিক চাগে হায়দুনা

পাম্বা কৈবী কৈরেল মতৈ মনাও ( পী-পা) অনিনা

মখায়াৎ লাওনা কাদুনা লৈরিবা অদুদা

হোইজিনবীদুনা মখি ফবা মথা থন্না পীজবীরল্লগা

লাইৱা-তেংসা কৈলেংশা কৈজেংলাং

লুং লেং তরেৎশা কুক কুক কেমথরো

মখয়াৎতগী খুম্বী নূংথোং চিংতিলবী নাউথিংচা লিক্লু তরংঙা কৌবা ইবুংঙো

লৈনুং তংগ্রা সনসনবা নহাক্লা তাউথা খনবীদুনা

কোঙ্গোল ঈরীক তাহনবীরো।

অফবা নুংঙাইবা কপয়াংবা তময়াংবা

থৱায় মিরেল মিংচৎ হামফোইদবা খিবিকপু সাকৎপীরক্তুনা

(চহি চা কয়াগী মমাংদগী লোইবু থাখিবা

কংলৈগী খোয়ুম খোইমোম চিংঙু মতিক ওইবশিংবু শাকৎপীরক্কুনা)
থোংগী নাতৈবু থিংবীরম্লগে তয়ুম শেনবা তয়ুম ঙানবা থোঙারেল ।
হে ইবুংঙো নুংশিৎ নুংলেন খান্না চেরাও খোম ঙাক্রিক চোইবা ।
পে চে সাখোম কেংগৌ হৈবা মিত্তন থোকনা লাংওনবা।
খুহিংখু তরং তরংবা নহাক্কা হি য়াই পুকৈ লনগৈ
থৱায় মিরেল অচংবা খিবিকপু
হোং হোং লাউনা হোয়গৎপীরক্কুনা
কংলৈপুং ময়োলদা পৈবীদুনা থমবীরো
অৱাং কৌব্রু অথুপ্পদা সামু য়াইসা অঙৌবা মতৈ মনাও অনিনা
মচাবু সিৎ নান্না থম্বগুম নপারী নমোম নচা নশুশিংগী
মোনু য়ূমথোং খুদিংগী থম্বীরো, থৌজাল লনকুবীয়ো
লিক্লাই মরুগী উনবী চনিং তানা
তিনথুং লাইথুং লৈতনা পানবা
থৌজাল পিনবীরো লনকুবিরো ।”

# নৈনবা অমদি ৱারোইশিন:

পৃথিবীদা লৈরিবা জাতি খুদিংমক্কী মশা মশাগী ওইবা লাইরোল তিল্লোন লৈনবা ঙাক্লি । মরমদি পৃথিবীদা পোৎশক খুদিংমক্কী মমিং লৈ । মমিং লৈবা পোৎ খুদিংমক অরৈবা ঙাক্তনি । মমিং লৈতবা অরৈবা পোৎশক অমা ফাওবা মালেমসিদা লৈতে । মমিং লৈবনা পোৎশক অদু লৈ হায়বা তাকই । লাইরোল- তিল্লোনগী ৱাফম লাকপা মতমদা ‘ভুত’ তম্নলাইগী মতাংদা চয়েৎনবা কয়ামুক লৈবা থেংনৈ ।

মীওই খরনা ‘ভুত’ লৈ, মহাক মশানা থেংনরুরে হায়না ৱরী লী । খরনা অমুক ‘ভুত’ লৈতে, ভাব্না শাজিনবনি হায় । মীওইবগী অকি- অখংগী ৱারী হেক লাকপা মতমদা ভুত হায়বসি ফন চোংথোরকই । সাইন্স অমদি টেক্লোলোজিনা চাউখলিকপগী মতুং ইন্না ভুত লৈ হায়বগী প্রমান ফোটো নমদুনা পুথোরক্লে । মমি শামি ৱাউথাংননা উবা, চপ্ ‌ াবা শক্তম উঙমদবা, নত্রগা মী নত্রগা পোৎ অমগী চাওরাকপা শক্তম ওইবা ময়েক খরা শেংলপ্না উবা, চপ চাবা শক্তমদি লাকশিনবা ঙমদবা মওং অমদা ভুতকী ফোটো নমদুনা পুথোরক্লে । অসিগুম্না ফোটো অসি ইন্টর্নেটকী খুথাংদা উবা ফংই । মরম অসিনা তম্নলাই ভুত লৈ হায়বসি তশেংবা ওইরক্লে ।

*বেদান্তিষ্টশিংনা মন্ত্র যোগ চপ চাবা বিজ্ঞান্নি হায়রি ।*
*মন্ত্রগী তৌঙন্না তশেংনা লৈ হায়বা লম্বী অসিদা চৎপা ওজাশিংনা তাকপীরি ।*

**মন্ত্র ( লাইৱা) করিনো:**

“ মন্ত্র হায়বসি খোঞ্জেল শব্দনা শাগৎলকপা মলঠ অমগী মনুংদা য়োমশিল্লগা হাপ্লিবা লাইগী শক্তি তম্বুনি । মসি লাইগী শক্তি নত্রগা দৈবি শক্তি অদুনি, ফোঙদোক্লবা খোঞ্জেলগী হকচাং মনুংদা য়াওরিবা । অথুপ্পা মন্ত্র নত্রগা

দিব্য নাম অসি য়াম্না কুইরবা বৈদিক অমসুং উপনিষদকী মতমশিংদা, আত্মা সাক্ষ্যাৎকার ওইরবা ঋষিশিংনা য়াম্না লুথনা খ্বাইদগী হেন্না মনুংচনবা লৈরোন্দা,ধ্যান্দা চংশিন্দুনা লৈরিঙৈ মতমদা হকথেংননা ফোংদোক্লকপা পরম দিব্য শক্তিগী থৱায় ওইবা তত্ত্ব অদুগী মহুৎ ওইবা শক্তম খুদমনি । সিম্বোল, খুদম অসি পরমার্থগী লমদম (trascendental realms )গী মপুং ফারবা অনুভব (absolute experience ) দা চংশিনবা ফংনবগী মহৌশা ওইবা শোয়নাইদ্রবা শোজৈশিংনি ।

মন্ত্র যোগ হায়বসি চপ চাবা বিজ্ঞাননি । মন্ত্র অমা হায়বসি হিন্দু ধর্মদা মখাদা পীরিবা শরুকশিং অসি য়াওরি । মন্ত্রনা মরম ওইদুনা আত্মা সাক্ষ্যাৎকার ইহান হান্না ওইখ্রবা মহাক অদুনা সংসার অসিদা মন্ত্র অসিবু পীরম্লিবা ঋষি অমা য়াওই । মহাক মন্ত্র অসিগী ঋষিনি । ঋষি বিশ্বমিত্র গায়ত্রি মন্ত্রগী ঋষিনি ।

অনিশুবদা মন্ত্রগী ছন্দ অমা লৈ, মদুনা খোঞ্জেলবু ঙাকপা, অহুমশুবদা মন্ত্র অদুগী অকক্লবা দেবতা লাই নত্রগা Supernatural being অমা ওইরিবা অৱাংবা থাক্কী নত্রগা অনেম্বা থাক্কী ওইরবসু মন্ত্র অদুনা খঙহল্লিবা লাই অমা লৈ । মদুবু মন্ত্র অদুগী অধিষ্ঠাত্রি দেবতা কৌই । মরিশুবদা মন্ত্র অদুগী বীজ মরু (Seed) অমা লৈ । বীজ অদু খুদম তাকপা নত্রগা অর্থ ফোঙদোকপা ৱাহৈ অমা নত্রগা ৱাহৈ পরেং কাংলুপ অমনি মদুনা মন্ত্র অদুদা থোইদোকপা শক্তিবু পীরিবা । মঙাশুবদা মন্ত্র খুদিংদা শক্তি অমমম লৈ । শক্তি অদু মন্ত্র অদুগী মচংশিং ওইরিবা পাঙ্গলনি । খুদম ওইনা মনত্র অদুগী খোঞ্জেলশিং অদুনা পুনশিল্লগা শেম্লবা স্পদন (vibration fom)শিংনি । মদুনা মী অদুবু মানা নিংলিবা ঈরাৎলিবা দেবতা অদুদা পুবী । অকোনবদা মন্ত্র অদুদা কিল্- চুক নত্রগা পিন অমা লৈ । মসিনা মন্ত্র মনুংদা লোৎলিবা চৈতন্য অমবু ফাজিনবা নপশিন্দুনা থম্মী । অদুক্কী মতিক লেপ্তুনা অমদি শাংথনা তৌরকপা মন্ত্র জপ অদুনা মনুংদা লোৎলিবা মন্ত্রদা থুপ্তুনা লৈরিবা চৈতন্য অদু ফোঙদোরকই অমসুং ভক্ত অদুনা মাগী ইষ্টদেবতা অদুবু দর্শন তৌবা য়াই ।”

( ডিভাইন লাইফ পাউজেল - ভোল্যুম নং ৭,
মোইরাংথেম নিংথেমজাও সিংহনা এডিত তৌবা )

লাইখুরুম্বা মতমদা করিগুম্বা ৱাহৈ খরা হায়বা, শোনবা হায়বসি তৌদবা য়াদ্রবা অমনি । মসি পৃথিবীগী জাতি অমখক্কী নত্তে, জাতি খুদিংমক্কীনি । মতাং অসিদা হিন্দুগী ওইনা মন্ত্রনা ওইহল্লকপা ঙম্বা শক্তিশিং খরা পনবা ফগনি ।

মন্ত্রশিং অসি মরু ওইনা লাইশিংদা ঙাকপীনবা, কনবীনবা, থৌজাল পীবীনবা অমসুং তেংবাংবীনবা নিজবা হায়জবা অদুনি । মন্ত্রশিং শোনবা মতমদা মরু ওইনা লাইশিংদা থাগৎতুনা হায়জবনি । মন্ত্র খরনা লাকশিনবা অমসুং ফত্তববু ভুত প্রেতশিং খুদুম চন্দুনা য়াথং পীবা ওইনা তৌই ।

সুর্য্য মন্ত্র থীবা জপ তৌবনা হকচাং ফহনবা, পুনিস শাংবা, লিংজেল লৈবা অমসুং প্রান শক্তি কনবা, মঙাল লৈবা পীনৈ । মসিনা হকচাংগী অমদি মীৎকী অনাবশিং ফহল্লি । য়েক্লবনা মাংনবা অমত্তা তৌরকপা ঙমহন্দে ।

সরস্বতি মন্ত্র:

“ ওঁ শ্রী সরস্বতৈয় নম:” শোল্লগা জ্ঞান বুদ্ধি পীনৈ । বিদ্যা হৈবা মী অমা ওইনবগী ৱাখল ফাওহল্লি । ইবা, পাবগী নুংগী ওইবা শক্তি পীবিরকই ।

“ ওঁ শ্রী মহালক্ষ্মৈ নম:” শোল্লগা হকচাং ফবা, বুদ্ধি লৈবা অমদি লন পীনবি ।

গনেশ মন্ত্রনা তৌজরুবা, চৎচরুবা থবক খুদিংদা য়ৈখায় থিনগায়বা মাংহনবী । জ্ঞানগী কান্নবসু পীবি ।

মহামৃত্যুঞ্জয় মন্ত্রনা খুদোংথীবশিং, লাইয়েংবদা ৱারবা লায়নাশিং ফহনবা ঙম্মী । খঙহৌদনা থোক্লকপা খুদোংথীবা, এক্সিডেন্টশিংদগী ঙাকথোকপীবতা নত্তনা পন্সি শাংবা পীনবী । মসি মোক্ষ মন্ত্রসু ওইরিবনি । কনাগুম্বনা মন্ত্র অসিবু নুতিগী শোনবীরবদি পুক্লীং চংনা মহাক্লা তৌরিবা থবক মায় পাকপা ফংই । অফবা পুন্সি অমা ফংবা ঙম্মী ।

গায়ত্রি মন্ত্র নত্রগা প্রণব মন্ত্র নত্রগা " ওঁ নম: শিবায়" নত্রগা " ওঁ নমো নারায়নায়" নত্রগা " ওঁ নমো ভগবতে বাসুদেবায় " অসিবু নুতিগী শোনবীরবদি পুন্সিদা মপান নাইদবদু ফংবা ঙম্মী ।

অসুম্না **মন্ত্রগী তৌবা ঙম্বা শক্তিশিং** লাইরিক্লা তাকপীরি । মন্ত্রদা ধ্যান চংই । শোনবা মতমদা হেক্তমক শোনজিনবা তৌনদে । পুক্লিং লুপ্না অমদি পাংথোক্লিবা থবক অচম্বা নত্তে হায়না খন্দুনা ঈশ্বরদা থাজবা মপুঙ ফানা থমদুনা শোল্লবতদা মন্ত্র শোনবগী কান্নবা ফংবা ঙমগনি হায়না তাকপীরি । তৌবতবু লাই খুরুম্বা মতমদা তুমিন্না খুরুম্বা য়াদে । তুমিন্না খুরুম্বা তারবদি মদু ইরন্নাই ওইনা থোক্লে । মরমদি মন্ত্র নত্রগা লাইরোল থীবগী খোঞ্জেলদা করিগুম্বা নীকপগুম্বগী ঈথক অমা য়াওরি । হায়রিবা ঈথক অদুনা য়ৈরুবা মতমদা মদুগী রিএক্সন থোক্লকই। শম্না হায়রবদা কনাগুম্বী মী অমা নারবদি নারিবা মীদুগী মশাদা মাইবনা খোঞ্জেল থোক্লা কামদুনা লাইরোল লোল্লি । শোল্লিবা লাইরোল অদুদা শোল্লিবা মীদুনা চপ চানা থাজবা থম্মী । থাজবা ঙমদ্রবদি লাইরোল অদু লোনবগী কান্নবা ফংবা ঙমদে । হায়নবা লৈ মদুদি ককচিংদা ইপু শিজপা হায়না কৌবা মাইবা অহল অমা লৈরম্মী । মহাক্লা হায়বীরম্মী মদুদি শনৈবী ৱাচেৎ খায়দোক্লগা মচিন থৌনা তুম্লগা মৈদা মূরবা অদুগা লৈপাক্তা মচিন তুম্বদুনা মথক্তা লৈহল্লগা য়ুংশিন্দুনা থল্লগা মদুদা খোঙপাক্লা কাওশিনবা মতমদা তেক্কনি । অদুবু লাইৱা অদুদা পুক্লিং শেপ্তনা থাজবা চংই । পুক্লিং শেপ্লবদি খোঙ শোক্লগা তোকই ।

**হিংচাবী চংবা হায়বা** অমা লৈরি । মদুবু নুংশিৎ চংবা হায়নসু খঙনৈ । মসিসু অঙকপা অমনি । অঙাংসি অয়ুক ঙস্তাদগী কপ্পনা নুমিদাং য়ৌরক্লবফাওবা কপ্পা তোক্ত্রে । মহাক্লা পাম্বা পোৎ চৈ পীদুনা থেম্বদসু কান্নবা ফংদ্রে । নুমিদাং ওইশিল্লক্লে । মদুদসু কপ্তুনা লৈ । ৱাবসু ৱারে অঙাংদু । মৈতৈগী চৎনবী মতুং ইন্না করি করিনো তৌবা য়াবা তৌরে । মদুদসু ফবা ঙমদ্রে । নুমিদাং অথেংবদা ইপল থবলসিংহ ( মাইবা) কৌরুরে । কৌবা মতমদা করিগীনো হংলকই । মরম হায়, চৎলম্মো হায়রকই । মহাক ঐগী তুংদা তুমিন্না লাকই । য়ূম য়ৌরগা অঙাংদু সিরা হংই । ঐখোয়না মানি খুমই । ইপলদুনা মখূবাক্তা করি করিনো হায়দুনা শোল্লি । অদুগা অঙাংদুগী মমায়দা অমুক্তং নাম্থে অদুগা কপ্পা তোক্লো ৱাররনি হায় । অঙাংদু শ্বর শাংনা অমুক্তং হোল্লগা কপ্পা তোক্তুনা হিক হিক তৌদুনা ঙাইহাক্তং লৈরগা অদুম তূমথখ্রে । নোংঙানবদসু কপখিদ্রে । মসি ইশামক্কী ইমুংদা থোকখ্রবা থৌদোক অমনি । করম্না থাজরোই ।

মৈতৈ জাতিগী অমন শিকুমলোনদা মীওইবনা নারকপা, অনাবা হেনজিল্লকপা, শিরমদাইগী মতমদা ওইরক্লিবা মওংশিং অসুম্না ইবীরি ।

" নুমিৎনদি মৈ ওইরকয়ে, মতম্নদি খাং ওই, চহিনা শীংবু ওই,<br>
থানা থাও ওইদুনা খাং অদুবু থাঙৎলে । মীগী পুন্সি কল্লকয়ে ।<br>
শিংলী চামনে অদুবু লাংবুম ওইনা পুনশিনগে হায়রক্লে, পুনশিনখিয়ে ।

লাংবু ওইরে, মিহুল চামমকপু লোইনা ফুক্কৎতুনা ৱাবা ফেরে লাউবা ফম্মাং চীং
খুনু মীশা তাম্বা লুরুক চীংদা পুখিয়ে হায়শিল্লকয়ে ।
কুরুমদি চৎলগে হায়নদি সনা লিকলুবু তৎলে, লিক্লাং চোইনা তারে ।
লৈমরেল খুনকুমলে, কুরুম খোঙশাল তাল্লয়ে ।
তাইবঙ মীগী থৱায়বু খমনুং শৱাই তাল্লক্লে ।
অমন খমলৈ কুল্লক্তনা চৎলকপদি অচঙ থোঙবু থিংলময়ে, অশি থোঙদি হাংখরে ।"

লাইশোন- তিশোনগী মরু ওইরিবদি খোঞ্জেল অমসুং মাগী খোঙ্হোক অদুনি । শাফু য়াওবা, খোঙ্হোক চুম্বা য়াম্লমক দরকার ওইবদু মন্ত্র করিনো হায়বা মতাংদা পঞ্জখ্রে । লুরিবদি ঐখোয়গী লাইশোল- তিশোনগী মশক য়েংলুবা মতমদা তেংনরিবদি - লোনয়ান ময়াম অমা য়াওবা অসিনি । মমাংদসু পঞ্জখ্রে মদুদি চিঙ্খাং পুথাংনরকপা, চিন্দা লৈবা ঙাক্তা ওইবনা ইথোরকপা মতমদা অশোয়বা কয়ামুক য়াওরকই । অদুমক্পু লানবা চুম্বগী ৱাংমদা ইপা- ইপুশিংনা শিজিন্বা মতমদা মদুগী চপ চাবা ফল ফংবনা, মদু অচুম্বনি হায়না লৌবদা লাল্লোই মরমদি মদুগী মনুংদা অচুম্বা কয়ামুক য়াওরি ।

মৈতৈগী লাই হরাওবগী ঈশৈ অমদি লাইরোনশিংদা লোনয়ান য়াওবগী মওং কয়া থেংনদ্রবসু ' মতম ' হায়বা ৱাহৈ অসি ' কান্দুদা '( কাল - মতম ) হায়না শিজিন্নৈ । চনু নত্রগা লৈশাবী হায়বা ৱাহৈ অসি ' কুমারী ' হায়না শিজিন্নবা থেংনৈ ।

লাইরোল তিল্লোনশিংদা বঙ্গালি লোন য়াম্না শিজিন্নবা অসিনা তাকপদি - মণিপুরদা রমান্দি ধর্ম চঙলকপগী মতম অদুৱাইদগী ওইরকপা ঈথিল ওইগনি ।

' হুং' হায়বা ৱাহৈ অসি 'ওঁ' হায়বা ময়েক অসিনা অয়াম্বা লাইশোন্দা শিজিন্নবা থেংনৈ ।

'কুরু ' হায়বা ৱাহৈ অসি ' গুরু ' হায়বা ৱাহৈনা মহুৎ শিল্লকখি ।

অসুম্না অওনবা অসিনা শোকপা ঙমদবা কয়া অমসু লৈরি ।

**মৈবু খুরম্বগী লাইশোন্দা** লোনয়ান অমখক্তা য়াওবা ।

" সনা য়াইদি লাইনিংথৌ য়াই মনিক
পম্থৌগী মচা অহল নেং নেং রি,রি, হুং
লৈমরেল শিদবী অঞ্জি মরু শিদবনা
লুনা থিয়ে লাইনা ফংলে সনা মালনে লাইসনা
নুংথংরে অচিবা কৌয়ে
মৈ ফ্রুং ফ্রুং ফ্রুং কারে মৈখু চাক্লে নুংদা কারে
হনবী হন্না হনবা হনবী সিরো কংঙো তুম্মো
হা উং হা য়েং ।" - তোঞ্জাও মৈদিংঙু,ৱাংজিং

মথক্কী খুৎই অসিদা 'কৃষ্ণ', 'রাধা' অমদি ' রুপয়ো' হায়বনচিংবা লোন য়াওরি ।

মসিনা তাকপদি ঐখোয়গী লাইশোল তিনশোল অয়াম্বদা য়ানশিনবা লোন কয়া য়াওরে হায়বসিনি । লুরিবদি হায়রিবা লোনয়ানশিং অসিগী ঈথিল ঐখোয়গী লু- তোংদা য়াওখ্রবনিনা মসিবু হেক্তা থাদোকপা হায়বসি অরুবা অমা ওইরি ।

'ভুত- প্রেত' হায়বা ৱাহৈ অসি ঐখোয়গী লোন নত্তে । অদুবু তোয়না শিজিন্নখিবনা ঐখোয়গী লোন ওইরবোই খল্লকই । ভুত হায়বা ৱাহৈ অসিগী অর্থদি ' তম্ন লাই' হায়বনি । অদুবু ভুতপু তম্নলাই ওইনা অর্থ হনবদা চুশিনবা খরা ৱাৎপদৌনা খল্লি । ভুত হায়রগা ঐখোয়গী ৱাখল্দা অহিংবা মুর্তি অমা ওইনা উহল্লি । তম্নলাই হায়বা মতমদনা পোৎশক অমগী মমিং নত্তনা মহাক্কী লমচৎ খঙনবগুম উই ।

অমরোমদমুক মন্ত্র অসি ওজা অমগা ওজা অমগা ৱাহৈ- ৱাতাদা খরা খরা খেন্নবা লৈ । করম্বনা অচুম্বনো খঙঙমদবা কয়া অমসু লৈরি ।

**অহল- লমনশিংনা** চাক চাবা তোল্লগা খূৎতা ঈশিং হৈদুনা খূৎচুম চুপ্পা ঐখোয়না তৎতনা উই । করি মরমগীনো হায়বা হংলুদবনা খঙদে । মসিগীসু নুংগী মরোল অমা লৈরল্লি । মদো 'য়েলোন' নি হায়রি । য়েল হায়বদি অনৌবা চোংখৎলকপা ময়োল চোংবা অদুবু কৌই । ইন্দ্রি ময়োল কংখিদনবা, মাংখিদনবা নুংতিগী চাক চাবা মতমদা শান্নবা লাইৱানি হায়রি ।

১। " খুজিল তরা নঙগী নমিংদি য়েলোন কৌই,
খুজিল তরা নঙনা কক্লিমখৈ শৌগৎলকপগুম,
ঐগী য়েল শৌগৎহনবীয়ু ।"
(অসি শোল্লগা চাক তোকপগী খূৎচুপ অহুমলক চুপ্পা য়েল ফবনি হায়রি ।)

**মথংদসু লৈরল্লি ।**

২। " নোংমাইজিং চীঙ্খে ৱানে,
মায়োক মিংশেল ৱানে, তুংবুং লীফা ৱানে,
রীং মপুনা গুরুদা পীখিবা ফম্বী য়েলোন ৱানে,
লীক্লা শৌবগুম শৌগৎপীরো,
খুদোপ শিবগুম শিবীরো ।"
( অয়ুক য়াহৌরকপদা লীক্লা চুপ্লগা শান্নগদবা লাইৱা )

৩। " হোঁ শেন্দোং লীকলা লাংয়েললাং তনৌবী
চীংখৈ লাইরেল চাইথবী
লীক্লা নিক নিক নিকশিল্লো ময়েং তাফরোই ।"

৪। "খমদিংগোল হৈহৈবী লয়োল লং তনৌবী,
হে উকাদা য়াহিপ্লিবী হৌরোই সনা কোরফুনুংদগী
কোনশৌয়েন্না শৌবগুমনা শৌগৎপীরো,
চংবী লফু লয়োল হুনবগুম হুনগৎপীরো,
শজিক তোন্নৌ হুবগুম হুনগৎপীরক্লো
থবা য়েনিং শৌবগুম শৌগৎলো,
ফম্বী থল্লো, ফম্বাল থল্লো হুং.. ।" ( অসি হায়রগা তিল অহুল্লক য়োৎশিল্লো । )

পূম্নমক অসি প্রকৃতিগী পোৎলম খিবিক্লা, মনা মশীং কয়ানা খুইথরুরবা অদুবু অহিং লীক্লানা অমুক তেকখৎহনবগুম, চাখি থকখিবশিং অদুনা মপাং ওইদুনা অনৌবা পাঙ্গল পীবিনবা অভ্যাস তৌবনি । অদুবু অভ্যাস ফনা য়াম্না তৌদুনসু চহীনবু য়ামশিন্নবদি, কান্নবা থোইনা ফংলোই ।

মহৈ ফংবা ফংদবা হায়বসিদি থাজবগী মখা পোল্লি । ঈশ্বরসু থাজদ্রবদি ফংবা ঙমদে । থাজবা হায়বসিনি খ্বাইদগী মরু ওইরিবদি । অমরোমদা অমমুক, মসি সাহিত্য অমনি । মী ওইনা হিংবদা চংদবা য়াদবা হোৎনবগী ফংলকপা ফল অদু উৎপরোমদা লৌবসু য়াই । পুন্সি ভাবনি, ভাব হায়বসিদসু থাজবা চংই । থাজদনা ভাব লীংখৎপা ঙমদে । থাজবনা মপুং ফারবা মতমদা পূম্নমক পাঙথোকপা ঙম্মী ।

কনাগুম্বা অমগী যূম থোঙ লোন্দুনা লৈববু মন্ত্রসি থাজনা শোল্লবদি থোঙ মতোম্তা হাংদোকচরকই হায়রি । মসিবু **থোঙলোন লাইৰা**নি হায়রি ।

"লাইনিংথৌ গুরু শিদবনা হায়রম্মী  
থোঙ নঙগী নমিংদি থোঙারেল গুরু শিদবা কৌয়ে,  
গুরু শিদবগী য়াথংনে থোঙ নঙ হাংদবা য়াদে হাংঙো ।"

লাইৰাসি মখল- মথেল য়াম্মী । খরনা মীফা মীপুনগী, খরনা লাই তিন খুরুম্বগী, খরনা নুপীনা য়ানবগী, খরনা তেনকাপ হুইকাপ তৌনবগী, খরনা মীওইবগী ইন্দ্রি মপাঙ্গল কনখৎনবগী- য়ামখ্রে । লৈরিবা পূম্নমক অসি ওজা ওজাগী মুক খরা খরা খেন্নে । মসিগী লম্বীদা খোঙদারুবা মাইবশিংনা করিগুম্বা মতমদা চাংয়েং তৌনবা য়াওদবা নত্তে । চাংয়েং অদুদা মায়থীবসু মায়পাকপসু ইয়ান য়ান্নে ।

**থয়ায় ফানবা** লাইৰানি হায়বা:

" ওঁ জীবাত্মা পরাত্মা কে হংস...  
নঙগী থৱায় মঙামক মিগা থানা তরুকমক  
ফারবনে গুরুগী য়াথংনি, ফারবনে ।"

**মিৎ ফানবা লাইৰা:**

" মিৎ মরু, মায় মরু  
মিৎ নুংশেল থম্বা অঙৌবী  
... নঙগী মিৎনহা অনিদু  
...ঐনা ফারবনে  
রি রি রি, কুক কুক কুক, কোন কোন কোন  
চুপ চুপ চুপ, ঐগী ইন্দ্রি যুম্বীদা ক্রক পুল্লবনে  
গুরুগী য়াথংনি ।"

মী ফানবা, মীনা য়ানবা কয়াসিগী ৱাংমদা থোইদোকনা খল্লুদ্রবসু ' মিৎ ফানবা ' হায়বা অসি পুরা তোঙানবা অমনি লৌবা য়াই । মিৎ ফানবা হায়বসিদি মীদুনা মঙোন্দা য়েংনীংনবা শোয়দনা ওইগনি । য়েংহন্নিংলিবা হায়বা ৱাফম অসি লাকপা মতমদা নুপানা ওইরগনা নুপী, নুপীনা ওইরগনা নুপা শোয়দনা ওইফম থোকই । কদায় ফাওবা মসিগী চন্নফম লৈবগে হায়বদুদি মাইবা, মাইবীনা খঙবীরমগনি । তৌবদবু তোঙানবা অমা লৈরম্বসি য়াম্না নুংঙাইবা ৱাফম অমদি ওইরি ।

হেন্না নুংঙাইবা ৱাফম অমসু থেংনরি । নুপীনা নুপা ফাননবনি হায়বা:

হায়নবা লৈ মদুদি নুপাগী ফম্বী অসি অতোপ্পা নুপীদা লৈতবা, মাগী নুপী নত্রগা য়ানবা নুপী কনাগীদদি লৈবা । মসিগী ৱারী ময়াম অমা ঐখোয়না তারে । অদুবু মদুনা কমদৌবাজাৎনো হায়বদুদি থিজিল্লুদবনা খঙদে । মসিমসু হায়নরি মদুদি:- আসিগী নুপাসি নুপী আসিগী ফনেক মচুম পীথকখ্রবনি, অদুনা মানা করিসু ঙমদবনি । অদুবু লৈখিদ্রবা ওজা অমনা ইদুনা থম্বীরম্বা থেংনজে ।

লাইৱা:

" ঐগী লৈ নঙনা চিল্লবনি,
ঐগী ফনেক মচুম নঙনা থক্লবনি,
উৎনা কুপ্লবনি, ময়া জান্না খুল্লবনি,
নঙগী কাম মীঙোন্দা চৎপা য়াদে
ঐঙোন্দা চৎকদবনি, গুরুগী য়াথংনি ।"

( তৌগদবা মওংদি: নুপীদুগী থাগী খোঙকাপ লাকপদা শেৎপা ফনেক্কী চিথেক মরীগী মচুম উৎনিংথৌগা তোৎনরগা পীথকপা । ঙম্মমক সিদ্ধ পানবনি হায়রি ।)

অসুম্না তৌখ্রবদি মদো অমুক ফননবা লাইৱাসু পীবিরম্লি ।

" তৃলীং মহী নাম মহী ঐগী মহী নঙ ননিং তম্নরো লাক্লো ।"

( মথক্কী অসি শোন্দুনা খাগী শম অমা ফোয়রগা লাইৱাসি শোন্দুনা অহুমলক কামথোকউ । ফবনে ।)

অসিগুম্বা মখলগী মওংসি য়াম্না লৈখ্রে । লৈরিবশিং অয়াম্বনা নুপানা নুপী ফানবা, নুপীনা য়ানবনা অয়াম্বা ওইনা তৌই । মসিগী ওইবা নুংগী ৱা লৈফম থোকই। কল্লক মিহৌবা হায়বসিমক্তবু নুপীদগী নুপানা মাংজিল থানা চৎলি । নুপানা নুপী কোয়, নুপীনা নুপা কোয়বদি য়ামদে । মীওইবা নুপী নুপা, পী,পা অনিসিগী থাদোক্লবা য়াদবা ঈচেল অমনা পুন্দুনা হকচাংদা ঈচেল নাইরি । চৎখ্রবা, লাইওইখ্রবশিংনা লীদুনা লাক্লবা ৱারী হৌজিকসু লীনরি, তানরি । মীরোল কয়া হৌখ্রবসু, চৎখ্রবসু মসিদি মতম পূম্নমক্তা ইনৌতা নৌদুনা লৈরি । চৎখ্রবশিংগী মফমদা নৌদুনা চৎখিবা, লৈহৌরিবশিংগী মফমদসু নৌদুনা লৈবা পোৎশক হায়ববু মসিখক্তনি হায়বা য়াই । লৈগী ফজবা, শুক্মৎপা অয়েংবতনা খঙই । অসুম্না নুপী নুপাগী মরক্তা লৈবা, লৈনরিবা মরী অদুবু খঙবা নুপী নুপা অদুখক্তনা নুংগী ওইবা ৱাফম খঙবা ঙম্মী ।

পুন্সিগী ৱাহন্থোক য়াম্মী । অমখক্তা ওইবা পুন্সিগী করম্না ৱাহন্থোক য়াম্লিবনো ? পুন্সি অমনা মায়াগী সংসারদা তাওদুনা লৈ । পুন্সি অমনা মায়াগী সংসার ৱাংমদা ঈশ্বরগী লম্বীদা চৎলি । পুন্সি অমনা নিসাগী পোম্নংদা লৈদুনা সমাজসিগী চৎনরোল পূম্নমক করিসু থৌশাদনা লৈ । থাপ্পবা জঙ্গলদা লৈবা, নুংশিৎ নুংশাগী মনিল নত্তনা অতৈ করিসু ফংদবনা মখোয়না লৈরিবা তাইবঙ অদুনা খ্বাইদগী হেনবনি হায়দুনা চাউথোক্লা লৈজবা ফংই । পূম্নমক অসি অমত্তনি । হৌজিক লৈরিবা সমাজ অসিসু অম্মানি । মরমদি নুংঙাই য়াইফবশিংনা অৱাবশিংগীদমক খম্থবা ঙমদে । মহাক্কী সমাজনা অহেনবনি হায়না খল্লি । মরম অসিনা সংসারসিদা করম্বনা হেন্না ফবনো হায়বদু লেপ্পা লুই । মা মাগী জগৎনা অফবা অহেনবনি হায়না খন্নবা ঙাক্তনি । লাইনীং লাইশেলালগী মতাংদসু মসিগা ইমান মান্নে । মাইবা অমনা অমবু হুন্দুনা ঙাংই । মাইবী অমনা অমবু য়ৈথদুনা ঙাংই । অসুম্না ঙাংনরক্লবা মতমসিদা ঐখোয়না অচুম্বদু থিবা ৱাবা মশানা তাবনি । অদুবু মখোয় মশেল ফনা ঙাংনজরবসু ' লাইৱা- তিনৱা' হায়বদুদি অদুম্মক লৈরি ।

লৈরিবা পোৎশক অসিমদি মখোয় কনামত্তনা হোংদোকপা ঙম্লোই । মাইবা মাইবীগী কাংলুপ্তসু অনী থোক্লা লৈ । অহানবদা মাইবা অদুনা লাইরিক লাইশু হৈবা ওইবনা মহাক্লা খঙজবা, থেংনজবা অদু অইবা ওইনা থম্লম্লবা লাইরিক নমদুনা ফোঙনবা হোৎনৈ । অনীশুবনা, লাইরিক নিংথি নুংঙাইনা হৈতবনা, ইবা পাবা ঙমদবনা, মহাক্লা তমজরুবা, মহাক্কী ওজানা তাকপীরকপা খরদুনা অরোইবা ওইদুনা লৈ । থিজিনবগী মপান নাইদবা অসিদা, খরা খঙজবদুনা অরোইবনি খন্দুনা লৈ । পাকথোক চাউথোকপা লৌশিং তানশিন্নবা হোৎনদে । মরম অসিদগী চিনফা পুদুনা লৈবা মাইবদুনা লাইরিক লাইশু ফোঙলবা, লাইরিক হৈরবা পণ্ডিতশিংবু থৌওইদবা কয়াসু লৈতবা নত্তে ।

পূম্নমক ওইদুনসু ইপা ইপুশিংনা লম্বী অসিগী ওইবা কলচরেল হেরিটেজ অমা থম্বীরমইবা অসি চেকশিন্না ঙাক্তুনা থন্ফম থোকই । কনাগুম্বনা নত্তবা মায়কৈদা খক শিজিন্নবীরোইদবনি । সংস্কৃতিনি হায়না খনবীরগা মাঙহনবগী মহুৎতা কদায়দা করি লৈরিবগে হায়দুনা থিজিল্লগা মপূং ওইবা মশক কায়হন্দনা থম্না অফবা ওইগনি । ময়ামসিগী মনুংদা, পাইনবা, লোৎনবা অমদি মাঙখিনবা লাইৱা কয়াসু লৈরি ।

**মৈতৈগী পুয়া হায়বসি করিনো, করমবা মতমদগী লৈরক্লে:**

অখণ্ড- অহৈ, মায়চৌশিংনা পুন্না ফম্মিন্নদুনা খন্ন- নৈনরবা মতুংদা য়ানরবা ৱাফম, পাউতাক, তুংদা থোক্লগদৌববু ৱামাঙ য়ানবা লাইরিক অদুবু ‘ পুয়া’ কৌই । ‘পু’ হায়বদি পুন্না ফমিন্নদুনা- ‘য়া’ হায়বদি য়ানরবা য়াৱা( ৱাহৈশিং ) ইবা লাইরিক অদুবুনি হায়নৈ । পুয়া ইবা হৌখিবসি লৌরেম্বম খোংনাংথাবগী মতম অদুৱাইদগী হৌখিবনি হায়না ইবা থেংনৈ । ইং কুমজা ১৩৫৩গী ( শকাব্দ ১২৭৫)অদুাইদগীনি থাজনরি । লৌরেম্বম খোংনাংথাবনা হায়রগা কোনোক থেঙ্গ্রানা ইখিবনি হায়নবসু লৈ ।

অদুবু মৈতৈ ময়েক লৈরকপা, অমদি লমদম অসিগী মরু ওইবা সাহিত্যগী পোথোক লৈরকপগী মতম য়েংলুরবদি ৱাফম অসি মতম য়াম্না চেন্নৈ । মৈতৈগী অরিবা সাহিত্যগী মচঙ ওইরিবা লাইরিক ‘ পান্থোইবী খোঙ্গুল ’ খৃষ্টকী ৮ শুবা শতাব্দীদা পানখিবা মৈদিংঙু খোঙতেকচা য়োইরেনবগী মতমদা অকোইজম তোম্নোইনা ইখিবনি হায়না ময়েক লানা ইদুনা লৈরি ।

মসিগীসু মমাঙদা মৈতৈগী সাহিত্যদা মীওইবগী পুন্সিগী মফম খঙদবা মওংবু তাকপা অমদি পুন্সিগী জ্ঞানগী মঙাল ফংলবা শৈরেং মতেক অমা:

> “ তাইবঙ মাম্লংপান অসিদি কৈথেল লুকমায় পান্তমনে ।
> লমওন পোৎয়েন হৈরগা য়াওৱা লনয়াম তোংজবা
> কৈথেল হৈত্রগা য়াওৱা লনয়াম মাঙ্গুম্বনে ।” ( শাকোক লাইরমলেন- ৬ শুবা শতাব্দী )

মরম অসিনা ‘পুয়া’ হায়বসি লৈরকপগী মতম য়াম্না ঙল্লিংঙৈ মতমদগী লৈরকপা শোয়দনা ওইগনি ।

**লাইৱা- তিনৱা হায়বসি মৈতৈগী য়াম্না ঙল্লিংঙৈ মতমদগী লৈরক্লবনি :**

হায়বসিদা হেনজিনবা লৈরোই ।

" The Manipuris possess a written character of their own... This character is said to be very ancient: only a few can write it" Captain Dun-1886

> " The Manipuris are a people gifted with a rare imagination and a spirit of great things in literature "
>
> (Dr. Suniti Kumar Chatterjee- 1976)

মরম অসিদগী লাইৱা- তিনৱা হায়বসি জাতি অসিগী অইবা সাহিত্যগী পোথোক লৈত্রিঙৈ মমাংদগী লৈরক্লবা চিনবুংদগী মখা শমথরকখিবা অমনি । ৱাফম অসিগা মরী লৈননা পদ্মশ্রী কালাচান্দ শাস্ত্রীনা ইবীরম্মী:

> " সংস্কৃত পুরাণগা মৈতৈ পুয়াগা লোলগী খেন্নবা হায়ববু 'ঋক' 'সাম' নচিংবা বেদদগী লৌথোক শব্দোরকপা মহাভারত রামায়ণ, স্কন্দ পুরাননচিংবদা ইবা লোন্না, শেংদোক্লবা সংস্কৃত বাক্যগী ৱারেং শৈরেং মক্তনি । অদুগা শেংদোক্লবা লোলমক লাক্ত্রিঙৈ আ- মমাংহৈগী লোলনি । মসিমক্লা প্রমান ওইদুনা মহাভারত, স্কন্দ পুরানশিংদগীসু মৈতৈ পুয়ানা ইবা অমদি থোকপা হানখিবনি হায়না সমর্থন তৌবসিমক খন্ননীংঙাই অমনি ।" ( অরিবা মণিপুরী সাহিত্যগী ইতিহাস: লা:১৮)

অদুগা লোলগী ময়ান ময়াম অমা য়াওশিল্লকপা অসিদি গৌড় সম্প্রদাইগী ঈথিল লৈরক্লবা মতমদগী ওইগনি । ৱাফম অসি মথক্তসু পঞ্জখ্রে ।


ঙল্লিঙৈ মতমদদি লাইৱা - তিনৱা অসি নারক- য়েক্লবা মতমদাতা শিজিন্নবা ওইনা থেংনৈ । নারক- য়েক্লবা মতমদা শিজিন্নবগী খুদমদি ২১শুবা চহী চা অসিদসু খুল্লক - লৈরক্তা অনাবা লায়েংবদা শিজিন্নবা চৎনরি । মসিগী চৎনবী অসিগী মনুংদা অশিংবা মাইবনা মহাক্কী তৌফম থোকপা তৌনা তৌনা ডাক্তরদা চৎনবা ঈঙ্গিৎ অদুম পীনরি । অদুম ওইনমক অনাবা অদুনা খুৎথাবগী তাঞ্জা য়ৌরবসু, থক্তা হাইগৎলকপা নুংশিৎ নমথনবগীদমক লাইৱা শোন্নে । চৎখ্রগদবা থৱায় মিরেলবু কৌনৈ ।

" ওঁ অসিবনা লমজিংঙে
নোংপোক নিপানা কাইপুরে
নোফা মানা দোলাই ওইরে
কালমৃতুনা মরুপ ওই মিরেল তরুকমক
থৱায় মঙা সনজিং চীংদোন্দগী
হামি হামি অঙ্গ অঙ্গ রেত হুঁ কোল্লবনে
... মী নংগী থৱায় মঙামক চংঙো
গুরুগী য়াথংনি... ই... শু... ।"

লোইশিল্লকপা অসিদা থমজনীংলিবা ৱাফমদি- লাই হাক্তক্তগী লৈরক্লবা থায়নগী অরিবশিং অসি মাঙদনবা হোৎনবা, মসিগী মরমদা থিজিন- হুমজিনবগী কান্নবা য়াম্না লৈগনি ।

মসিগা ঈরোইননা সঙ্গীত নাটক একাদমি, নিউ দিল্লি, মিনিষ্ট্রি ওফ কলচর, গোভ. ওফ ইন্দিয়ানা "Scheme for Safeguarding the Intangible Cultural Heritage and Diversity Cultural Tradions of India" গী মখাদা পায়খৎলক্লিবা থৌরাংসি ঐখোয়না তরাম্না ওকফম থোকই অমদি ওকচরি ।

## নাওরেম অমুয়াইমা সিংহ-গী
## ১২০ শুরকপা মপোক পালন-২০১৫





নাওরেম অমুয়াইমা সিংহ,
পণ্ডিত অচৌবা
১৮৯৫ - ১৯৯১



নাওরেম অমুয়াইমা সিংহ- গী ১২০ শুরকপা চহি য়ৌরকপদা রাইটর্স এসোসিয়েসন, ককচিংনা ইপুগী মফমদা শ্রধাঞ্জলি কচ্চরি ।